অহানবা শরুক

অতিথী অমগী অহিং… !!

অহানবা শরুক

অতিথী অমগী অহিং...!!

বী:এম: মাইস্নাম্বা

অতিথী অমগী অহিং

। অহানবা শরুক

বী এন: আইরাবা (মাখো কাঙীরা)

- অহানবা থুংনম :—জুলাই ১৯

- কোপী মশিং :—১০০০
- অফোংবা :—অইবা মশামক
- মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী শেলগী মতেংনা লোংবা
- মথুম :—এল: ইবোপিশক অমসুং এম. এ: সলাম সাহ
- ব্লোক :—এন: মঙ্গী সিংহ এন্দ সনস
- কংকম :—ইকাপগী লাইবিক, য়োনকমশিং
- মমল :—লুপা ৬
- ইবা হৌবা :—১২ সেপ্টেম্বর ১৯৭৫
- নমথম :—মণিপুর কো-ওপরেটিভ প্রিন্টিং সোসাইটি লিমিটেড, ইম্ফাল

নগী নোংঙাপ্রবা ইচে ইবেমগী মফমদা।
নাং শিংবগী খুদোল ওবলা:
অতিথী অমগী অহিং ॥

১

অতিথী অমগী অহিং…!!

অমুম্মা ৱারী লোয়খি

"নংদি বদায়দা····?

'পৃথিবী যম্মা পাক চাউই·····।"

ফরে, অতুদি, ঙসিমক ঐ চৎলে······।"

অমুম্মা ৱারী লোয়খি ! নোংমা কণ্ডাংলবা পুনসিগী হে অহিং অমনা ৱারীগী অহৌবা পরেংনি থেডলবা অহিং অমনা ৱারগী ডারোয়বা পরেংনি। অহিং······! কনম্বা অহিংগী অহিংনো··· ? অহিং কয়া অমগী ৱারী। মথম অমম্তং মতমগী লাপথোক্লবা অহিং, তু থিল অমম্তং অয়ুক নয়াগী পুনসি—মতুগী লোমজৈবা দাকফম বয়া, অতেক অকায়গী মমী—ঙসি অয়ুক ইনো লৌনা নীংশিংগা।—যেংশিনখিবা ইথংম্মায় অসিনা।

অমুম্মা নোংমা অহিং···। অহৌবসু অবোয়বসু—ইথং তেক থংহৌদনা লোয়শিনবগুম তৌখি—কণ্ডাংলবা ইপুনসিগী ৱারী মতেক অমা ! লোয়শিনবসু তাখি—য়াম্না তঙায়ফনবা মরম অমা লৈবগা।—থংহৌদনা মমী চৎখি থংম্মায়গী লৈমায়। শেগাক তানা চিংথায়খিবা থম্মোয়গী লমথায় অতুদা লোয়শিনখি···· পি চতুম চতুম।

কেন্দ্রোক্লা লোয়শিনবা তায—মতুগী মরম লৈ। পুনসিমকসু মোংফমগী মৈথুনা ৱাথৈনৈ ! মরম অতুনা পুনসিগা শগোম্নখিবা ৱারী অতুগী লেমহৌবা ঙাংগোয়— ঙসিদি লোয়শিনবা তাবি। ফনা কুইনদি লোয়শিনফম থঙলমদে। ঐগী অশেংবা পুনসি অসিমক্কী নাথৈছুনা থমনিংখিদে। মরম অতুনা ৱাহং খুদমগী থম্মোয় মমুংদা মহাকপু চেজেংনা লোংশিন্নুনা থমলকখি—মতম অমুক বুইনা !

নীংশিংবগী লেমহৌবা দাকফম··! দাকফম অমতসু লৈতে ঐগী মায়থোং ! লৈহনবসু থম্ব পামজরদে। মায়লা দাব লৈথা হায়বা অসি ঙুগী ওইবী ঐখোয়গীদি কয়াদা মাঙখ্রবনো···?

তোঙানবা দাকক্ষমগী রারীনি! আহ! শগোল অঙৌবা তোংবা পাথং···! মহাক দেবদাসকুম্না কল্লক থম্বল চাউবা পাথং অমা ওইখিদে। দেবদাসনা পাক্কগী মায়খোংদা খোইজৈনা কনথংতুনা থমখি—নীংশিংবগী দাকফম অমা···। অদুম ওইনমক চমলবা পাথং অদুগী মকম্দা ঐহাক্না পাকগী রোল অদুমকপু লৌরগা মাগী পুনসিগী অমস্তুং হকচাংগী ছয়া মরুমদ লেপচবা ওন্বগী থৌনা লৈখিবন্না? তৌইগুম্বস্তুং লেমহৌরিবা পুনসিগী অহাংবা লামায়দা ময়েকশেংনা লৈহৌরি—নীংশিংবগী দাকফম অমা—মদুগী ভুখম্না হংলী —"অহিং অমগী মমল কয়ানো···!"

হেন্দোক্না কাউখিবা য়ারবনি, চৈনাখোল করিস্তু ফংবদি নরে— লাইজৌহনা লৈহৌবস্তু নত্তে···! অদুবু ওসিদি চৈনাখোল ফংলী—ঐগী খোগংলবা ইথদোয়!

মতম অস্তুক কুইবা অসি মহাকপু কাউথোকে থন্না থম্না কাউডেমখিদ্রবনি। অস্তুম্না মহাকপু নীংশিংখি—মরক মরক্তা। চনৈবা রাহং অমা—মদুগী পাউপুমস্তু চনৈনহনা অস্তুমক লৈখি। ওসিস্তু রাহং অদুনা চৈনাখোল পীদি—"মহাকপু ঐগী কনানো? ঐনা মহাক্কী কনানো? মাগী শকক্ষমগী মমী অমা ঐগী থ.ম্ন য়দা মচু শংহৌরিবা অসিনা করিগীনো···"

ইবানীগী খোয়দ্রিং খোয়দ্রাংলবা পুনসিগী লমনেল—খোয়দোক হেন্দোকপা মনা অমস্তুম হকচিন্না লৈনরমদ্রে। থরমখৈবুদি লৈনরমদে হেক হায়বস্তু য়াবা নত্তে। লৈনদুম্না—কেনা অমস্তুং চমনা! নোংমা ফাদোক্তু লম্বীদা শেংনখিবা লম্বী চৎপা মীমকস্তু ওডুনিনা ঐগী পুনসি অসিমক্কগী য়াম্না নক্করম্বা মীশক অমা— শেংভৎতুনা মাঙখিবগী ইহাং চাংবগুম লৌদি। মরম অদুনা কায়নরমদায়দা ডাংলম্বা পরেং অদুনা ওসি অদুক ইনৌ মৌনা—চৎথরিবা পুনসিগী পুমহাং হাংলবা লামায়দা, ময়েক মুৎলুরবা রাফম অদুনা ফু-লাউনা ফাওশংলকলি—

"ফরে, অত্তদি, ভসিনন ঐ চংলে···!"

মহাক মচিল হোংদবা মীনি। রাহৈ মতেক অসিদগী হেন্না কশিস্তু হায়রমদে। হেক থংনবা মীকুপ অদুদা মচিং মসোম হৌবা মী অমাদৌনা করম্বা মতমদা ইনাক্কগী চংথোকখিবনো হায়বদু উহৌদে। হন্না য়েংথোকলুবদা লৈরমদ্রে। অস্তুম্না অহিং অদুমক্তা মহাক য়ুমদগী মপাল থোকখি। থাম্বগী মতম ফংহৌদে। মতুংদা ঐনা মহাকপু ফনা য়াম্না খিখি, ফংখিদে। পুনসিগী চৎথরিবা রারীগী লামায়দা অস্তুম্না খোংচিনখি—

মহাক চংখ্রে। পুনসিগী লমহাংদা ওসিদি ইতোমতা ভায়হৌরে। মাগী কভাওনরবা পুনসিগী খোঙচং অদুদা মতুং ইনবগী থুদোংচানা অদুস্তু ফংহৌদ্রে। মতুং ইনড়না চংলগী হকস্তু লৈতে। মহাকপু ঐগী কনানো? ঐনা মহাক্কী কনানো? অমম ওইরবস্তু, অমা অপুন লৈত্রবা, মনীংতমলবা মাগী পুনসি অদুমকপুদি কংকই। শেন্নবা হায়দবু অসিভনী— মুপা অমস্তুং মুপী! মুপাগী পুনসিনা অদুক অমা অপুন লৈংবগী মতিক মুপীগী পুনসিদি অমা অপুনগী শম্বকনি—থুদোংথীবগী ভিংথংনা পুমকোয় হেক কোয়শিল্লি হায়না অসি থংবা ভাংলে।

তিনশিনবা য়াওদবা পুনসিগী অঙ্কগী পরেংনী—অসুম অসুম খায়দোকখি— ঙসিনা ঐ ইতোমতমক চময়হুনা লৈহৌরে। নীংশিং ৱারীগী মৈচাক মৈশানা পীক থল্লবা পুনসিগী বোনা খাউ অমা—লাকহুনা লংশিনবীরমলগা মহাক কদায়দা চৎখ্রবা ?

"ফরে, অহুদি, ঙসিমক চৎলসি লাকও !"

মসিনি ৱারীগী অহৌবা পরেংস্ত। ৱাহৈ কয়াবুদি ঙাংনখি। অহুম ওইনংক মাগী চমলবা থম্মোয়গী ৱাফম অসি কয়াদি অর্থ চেনখ্রবনো ? করিস্ম খলহৌদ্রে মহম অহুদা। মহুং ইন্দুনা হেক্তমক্‌লাকখিবনি। ঙাওয়ফদনস্ম লাকপা ওখি। মহাক নত্তনস্ম ঐগী অকোয়বদা কনা অমত্তা লৈরমদে। অহিং অহুমতং লমদম্নবগী মতে অমা পামলম্মী। মহুগী চাউরবা মরম অমা লৈ। লৈহৌখিসন্ম মহুগী মরম।

নোংলৈ নুংশিংনী মহাক্তি। অহুগুম্না নোংলৈ নুংশিং অহুগী মায়নম—ঐনা চীংজাও ওইনা থংপা অহু চমখিনবা ? ইপুনসি অসিমকপু ঙগাদেকপীরমলে হায়নমক য়াই। মহুগী অহেক অকায মরক অসিদা ঐনা মাব নীংশি হৌনি হায়বা অসি মহাক্না খংলিগদ্রা ?

নীবগা শিংপনা হাল্লি। মহাক্তি পুনসিমকপু কনবগু খোশাদ্রবা, নাচুংদ্রবা মী অমস্তনি। ঐস্ম অহু মঙায। নোংলৈ নুংশিংনা পানমদা ইনোংশীর্ন নুংশিং মপীমকনি। মহাক্না চৎসি. হেক হায়নগা সং হেস্তা মং ইন্দুনা লানখিনি। অহৌবা গুমিংকী পবে অমদি অরোয়বা গুমিংনা পাবে অনি অসিনা কথনা গথ লোননিনবা ? অহি অহুগী খোংচংনা লাকল্লথ—খোংবা ওইনা ইচন হেক চপ্পা খাংলামদা। হমা। ঙস্তোকপা হায়নহুন অহিং অহুগী ৱারা...

হিংগী মহাউ কাবস্ম য়াওদনগুমলে—ঐগী পুনসি ! শিবমকস্তু হেক য়াদ্রি। ইথৱায় অসিমকপু মহম স্তদনা হাংহোকচনবগী থৌনাস্তু ঙসিদি লৈখিদ্রে ! ঐবুদি পোত্থাখিবা য়াই—পুনাস অসিমগী। অহুবু ঐ লৈখিদ্রবা মতুংদা পাকলাবা ইচা অসিগী পুনসিনা করি ? ৱাখল অসিনা হিবা ওারি—য়াম্না হঙায়ফদনা। মপা মশক খঙদ্রিবা অঙাং অসিনা মপাগী ৱারী হংলকপদা ঐনা কনাব্‌ মপানি হায়হুনা মশক হাকনি... অশেংবা ৱারী অহুমক লীহুনা অশেংবা মপা মশক হাকলুনদা কনানা থাজগদ্রনি ? মপা অহুমক্না অশেংবা মচানি হায়হুনা মথাদা চেজেৎনা কোনশিনবীরগনি হায়বদা কনিবু খাজফম লৈ ? করিস্ম অমকপা লৈবমদবা পুনসি অসিমকপু মহৌ করম্না হেংগাৎপা হৈখ্রিদনো ?

আহ ! অহিং অহু ! অমকপা কনিস্ম য়াওদ্রবা অহিংনি। অহুম ওইননক অফবা অহিং অমদি নত্তে হমথীরবা অহিংনি। অহিং মতং অতুংদা ঐগী পুনসি অসিমকপু... !

ইরাহলক্না ফংফম থোকহুনা থংজিনা নইনা, মহাকপু অর্থানা মী চংকী কোক্তুন্না চিংখহুনা চেপ্থাংবগী থৌনাদি লৈহে। শগোল গাঙৌবা ওংবা পাখং অহুগী কনি মবাল লৈখি ? নত্তে, মহাক্না ঐগী মাঙনবা করি হৌখ্রবা ? ঐহাক্না মাবু মাঙহনখিববা হায়বা অসি খল্লুরগা নীংঙমদনগী চেনাখোল মনস্তা মহাকপু নানিংদা।

মহাক্না ঐবু কণ্ডাওনরবা পুনসিগী লমলোং অমদগী লমজিংবীহুন। পুবীরকলগা লম্বুক্রবা লমলোং অসিদনা করিগী হন্দোকপীরমলীবা ! নীংশিংলী, করম্মু কাউক্লগনি অহানবা পরেং ?

"ফরে, অহুদি ঙসিমক চৎ'সি লাকও !

পুনসিদা অহুগুম্বা খুদোংচাবা অমা থেংনবা হায়বা অসি অঙকপনি । খুদোংচাবা অহুমক্না অম্মুক শাথীরবা খুদোংথীবা অমা মায়য়োক্নরগনি হায়বা অসি কৈদৌঙৈদম্মু খনখিদবনি। অমবু ওইরবস্মু, পরেং অনি অসিগী মন্নুংদা থোকখিবা অমস্মুং লোয়খিবা রারী অসিনা মাবু কদায়দনো হায়হুন। থীনিংবগী লাংতক্নবা অমা পোকহনখি । অস্মুম্না হৌবস্মু লোয়বস্মু ফজহন্নবগী মওংদা রারীগী য়ুমফম অমা মাংজোননা শেমদোক্লগা মমল য়ামলবা পরেং অনি অসিবু নীংশিং খুদম ওইনা থমলমলীবরা ?

অমবু ওইরবস্মু, নুমিৎ অহুদগী হৌহুনা মাগী মরা মপাউ তাখিদবা, মশক মশোল উখিদবা অসি কুইরবনি ! থীফম শংখিদে, অওইবমক, মহাক ময়ুম মকৈ লীংদবা মীনি । কায়নথংদা ইথা হেক থাজদনা অম্মুকহন্না থেংনখি অহিং অমদা ; নৌহৌনা অম্মুকস্মু হায়রম্মী, অরোয়বা ওইনা—"ফরে, অহুদি. ঙসিমক ঐ চৎলে ··!"

লৈখিসন্নু অরোয়বা উন্নবগী রাফম অহু ! মাগী ফিভম শোকলবা শকফম অহুনা মীৎকুপ্তবমখৈ য়েংবা নত্তন করিস্মু হায়দোকপা ঙমখিদে ঐঙোন্দগী য়াথং ঙায়বগুম্না তৌরম্মী । থম্মোয়গী মৈচাক্না থম্মোয়দা ওমশিন্দুনা লৈগ্রবস্মু চিনবালগী রাহৈ অহুবুদি নীংশিংলী—"হোয়, চৎলো, নহাকপু নীংশিংহুনা হিংহৌখিগে মতম খরদং !"

নত্রে, মহাকপু নীংশিংনবগী ঐনা ঙসি কাওবা হিংহুনা লৈরিবরা ? হিংবগী লোয়বা ঙায়রিবা পুনসিদা মহাকপু নীংশিংহুনা থম্বগী কান্নববুদি করিস্মু তোংজবা ফংদে । থম্মোয় শোথ্বে, পি শিথ্বে । অহুম ওইনমক নীংশিংবগী তুংলফম ওইহুনা লৈরবা থম্মোয় অসিনা মাবু পুমকাউ হেক কাউথোকখিবস্মু ঙমদ্রি ।

ফাগী ফাগী করিস্মু লৈতবা রাফম অহুনা তিংশং ওইনা য়ুরগনি অমস্মুং খংহৌদনা কায়নবগী চাউরবা পন্দুপ অমঃ ওইরবা য়াই হায়বা অসি করিস্মু খলহৌদে । ইবানীগী মরক্তা অরানবা অমবুদি য়াওরম্বা য়াই । মতুমক পুথোক্নবা হোৎনবদি ঙমদ্রি । নীংশিংলকলে - মরক্তা কায়নখিবগী রাফম অহু—

"কৈদৌরে, হৌজিক ফাওবা চাক থোংদ্রবদি ?" মাগী রাহংনী।

"ঐসিবু নংগী শেল পীহুনা থম্বা পুজারীরো ? নহাকস্মু থোংলগা কোক হেক চাম্বা য়াদ্রাও ? ঐনা খুমখি শাওরংনা ।

"ঐবুদি চরা হেনবা হৈনরবা মীনি, নংগীদমক হায়বীবনি—য়াদ্রগা তোকউদনা "

"ঐস্মু হেন্দোক্না হৈনরে।"

মহাক্না ঙৈহাক খল্লুবগা মথা অদুক শমথনকখি—“কবিগীনো অদুক শাওবিবা ? করে, ঙশায় হুমিদা কাইবমদা নহাক নত্তোমতা চৎলুরিবা অদু কদায়দনো ?”

“নংগী য়াথং অদুক লৌখিগদ্রে ? নত্রে, ঐবু চিংনরিববা ?”

“কবিগুম্বা নহাক্না যগু হুদা থোকলবদি কনাগী দায়ীনো খঙববা ? হয়েং মতুং মনাও অদুম্না চৎকনু। নত্রে, নংগীবু লোঙ্গানবা থবক করি লৈবগে ?”

লম অসিদা নহারোল ফঙবা খনবুদি লৈ হায়ব। ঐস্থু হান্নদগী খঙলিবনি। হৌক্তিকপুদি থোয়না লৈত্রে মখোয় অদুনা মঙোন্দা পহাই হায়জিনববুদি ঙমখিদে। মাস্থু ইচম হেক চম্বা মীদি নত্তে। সমাজ অসিদা হুপীগী থাক অসি য়াম্না নেমথনা লৈরি। মাতৌ চাদবা রাহৈ থাগানা লম্বা চৎলিবা হুপীবু মরু, নীপবা, মীপা নহা যাওরবস্থু কাতু-কারন তৌহুনা লক্লবগী চৎনবা অমা লেপি। অস্থুম্না নো মস্থ হুমিদাংবাইবম, বজাবদগী ইবানীনা হন্নকপদা নহারোল থননা লকলবনি। মহাক্না ঐগীদমক নহাবোলশি অদুগা ফুনখি। ফনা ফজনা হৈশিংডি, ফুনা-চেনবদনু। মহ্রাম থগা মী মনি মচাগা থে শর্বাননা মকোকপুদি কাযখি। অদু ফাওবদা হেক হনবগী থৌনাদি লৈখিদে। হুমিং খর্বানগী ভুংদা নহাশিং অদুনা লান্নে হায়জবদগী মথা তানা লমন খুম্বগী বাখল থাদাংখি। মীশিংলবলে হুমিং অদুগী চিংথহুনা লৈহৌবা বাফম—

“লমচসম্থু কবিগীমক ফুনর্বাবিবনো ?”

“কবিগী যুদনী।”

“ঐসিবু নংগী কনানি হায়হুনা হুনী মমাদা পাম্বোম তিংলুবিবনো ?”

“পাম্বোম তিংবা নত্তে। হুপীবু ঙাক-শেনব হায়বা অসি হুপাগী ধর্ম্মনি।”

“অদুগা অদুক পাদ্রিবা কবিগীনো ?” নকফেং তৌহুনা লকৈ।

“ঐদি সিনেমাগী হিরোস্থ নত্তনা।”

চুম্মী, মহাক সিনেমাগী হিরো ওইখিদে। মবম অদুনা মী মবি মঙাগা খৎনবদা মকোক কায়জরবস্থু থৌনা লীংজেল অমবুদি লৈজে হায়বা ঐ খঙডি। শাখিনা শোকপবুদি নত্তে, ফুনবগা চেনবা হৈনবশিং অদুবু ফনা শাংনা ভান্নকই।

ঐ য়াম্না নীংঙমখিদে। কয়াবক হন্না পুক্নি হুংনাখি। নাগী চমলবা রাহং অদুদা অদুক কল্লবা পাউথুম অমা করিগী খুমথিবনো হায়বা ঙকই—

“ঐসিবু নংগী কনানি হায়হুনা হুকুম তৌবিবনো ?”

“করে, অদুদি ঙসিমক ঐ চৎলে।”

রাহৈ অসিগী মতুং ইন্দুনা হেক্তমক চৎপস্থ ঙমখি। হুমিং অদুমদি মতুং ইনবগী বাখল লৈহৌদে ! য়াম্না শাওনিংলম্বা হুমিং অদু ! মহাক্তি য়াম্না শাওগন্নবা মীনি, শাওরকলবস্থু ঙমনি, মোংলৈ হুমিংনী ! থীঙেল তাম্নবা ঙমদবদগী নাসিখোদা তাম্নবা হায়রুহুনী।

হৈতে মুমিৎশিংদসু পীক থম্না ওাংনখি—কাতু-কায়ন । থোয়না অকায়বা য়াওখিদে । মুমিৎ মতুমদি চিংদদা লাই কত্তবনা তোংখিবরা নত্রগা নাওথী শাবদগী শোয়খিবরা ? ঐ থওডি মহাক্কা ঐবু শাথিনা বারৌথ্রে । মাগী হৌনবী নোকখি নোকখি তৌদুনা অমুক হম্লকখি· দৌবোয় নীংলম্বা । ফাগী ফাগী অদুম হম্লকখিত্রবনি । পম্দুপ অদুদগী মরাই চায়থবা হৌরকপিবা ঐগী পুনসি থসিনা নীংশিংলকই, ১ৈতৈগী পাউবৌ অদু -" নপাম চাকসু চাদবী নীপা চাকসু চাদবী ! হা ! উবোক নমাংসু লাং ; নতুংসু তেন ।"

পৃথিবীনা পাক চাউবগী মতিক মহাক্কী পৃথিবীদি য়াম্না পীকই হায়বা থওডি । মহাক্কা কনমক নীংবা থুংদবা অমসুং শাওনিবা লৈনবসু নত্রগা ঐনা কনমক লাম্বুরবসু ইথং হেক থংহৌদনা ঐবু লম্মুক্তবগী লমলোংদা হুন্দোকপীবমলগা চৎপা ওমখিগনি হায়বসি শম্না মফৈ অমা কাওবা থাজরমদবনি । নোংমসু চৎপনি হায়দুনা চৎথ্রগা ফুং লাওনা অমুক কাওরকখি—

"নং নতোমতা ওায়হৌবা তারে হায়দুনা ঐ অমুক হম্লকবনি । এঃ নংদি কপসু কপলীবোবে ?" অসি হায়বগা নোকমী নোকমী তৌবদুনা লেপলে ।

"কদায়দা কপলীবা ? চৎকনী হায়দুনা চৎথ্রগা অমুক কৈদৌবগী হনর্বানকলাবনো ? চৎপীথ্রো, ঐসু অমুক চৎথ্রগো ।" অসুম্না লক্লখি ফাগী ওইনা ।

"নংদি কদাযদা ?"

"পৃথিবী যাম্না পাক চাউই ।"

"ঐ অমুক হম্লকপসিদা নংগী পৃথিবী অদু থংচাউ চাউথোকলে—নত্র ?"

"নত্তে, কৈসু ।"

মুমিৎ অদুদা ঐ কপ্পদি কপলম্মী । মাগুম্বা নোংলৈ মুশিৎ অমগা কায়নথ্রগনি হায়বগী নত্তে । ঐগী পৃথিবী য়াম্না পাক চাউরম্মী অদুবু মুম্না হেক য়েংলুববদি যাম্না পীকপম্মী মহাক নত্তনা কনাসু লৈবমদবনি হায়বমকসু য়াই । মরম অদুনা কপশিনন্দবা শাদুনা পি তৈথোকখি লোম্না ! মাগী মমাংদা অরাব শকফম অমা উৎপগী থোনা অমা ঐওোন্দা সুকলৈ লৈবমদবনি লোম্না থুম্বা মহাকসু কপলম্বা য়াই—মরক মরক্তা । অদুবু নোংমতসু অরাবা শকফম অমা মওোন্দগী উবা ফংখিদে হায়বা য়াই । অদুগুম্বা শকলোন পুবা হৈবা মাগী শকফম অদুদা অরাবগী মনী ইতা তাদবদি নত্তে । কয়ারক হম্না মপি শিম্বখিবা উহৌই । অদুবু উহল্লনবা হোৎনবা শাথি । পি অদুগী অরোনবা বারী অমসুং অনুতাপকী চাউরবা পম্দুপ অমা—মাগী থমুংদা চেৎনা ওমশিন্দুনা থমখি হায়বা ঐ থওডি ।

"পি শিম্বদুনা অরাবা শকফম অমা উৎলীবা করিগীনো ?" নোংমদি অসুম্না হংলুই ।

"চিনফা পুখিবা ঈশৈনা কাউদবগুম, চহি মতাং অমদা কলথিবা পম্দুপ অদু ওরাইবনী ।"

"থাইনা লৈরাং অমনবীগীরা ?"

ঙাংনরম্বা রাফমদগী রাকৈ অমরোমদা হায়দোকখিহ্ননা ফাগীগী লৈকুং অমদা রাহং হংলীবা মী অহুমকপু পুংথহনবগী থোক অমস্থু মাদি য়াম্না হৈখিবনি ! মহাক্না নোকপী নোকমী তৌহ্ননা থুমলকখি—"নত্তে ! অঙাং ওইরিঙৈদা কপখিবা অহু হৈরিবন্না হায়হ্ননা চাং য়েংবনি, কাবক কাবক্তি মহৈরি ; নত্তে, নংবু হৈরিবরা ? ঔরাইদ্রবদি মী-শিবা মতমদা স্থুর কায়না কথগী তেংথাবদা ভাবোক্না নোকনীংবস্থু য়াওবনি, য়াওদ্রনে ? নংস্থু খরবি তমশিনহৌবা কৈ, হুয়েং ফরক য়াম্না তানিকো··· ·····।"

"কথগী পরা ঔরাইবদা করি কাম্নগনী ?"

"নোংমদি নংস্থু শোয়দনা কপলগনী হায়গা খঙি। মতম অহুদা ফরক হানিকো, সে. অমুক্তং রীহারসেল তৌ য়েংগে ?"

"কনাগীদমক ঐনা কপ্পা ? নংগীদমক ········ ?"

"অমবু ওইরবস্থু······মহাক নোংমা শোয়দনা কপলগনী; কপ্তবা য়ারোয়দৌরি ।"

"করম্না খংঙি ?"

"নংগী মীৎলুগী পি-তাফমগী সমক্র অহুনা নংমক্কী চৎথগদৌরিবা পুনসিবু মশক তাকলী ।"

"এঃ নংদি মাইচৌনিহে !"

মহাক কাবক শাবকপা মাইচৌগী থাক অহুমক য়েীদ্রবস্থু ঐগীদমক মাংজোননা ফাও-দোকপীলম্বা রাফম অসিবুদি চুম্মী । হায়নবস্থু লৈ—পি-তাফমদা থুংবা সমক্রগী চৈনা চৈথেং ! ওসিমকস্থু ঐবুদি পি শিন্দলী । য়াম্না কেথোক মৌথোক্না অমস্থং মুংঙায় য়াইফনা হৌরকপগী মত্রিক য়াম্নমক পীদোম্নবা পুনসি অমগী মকম থুপলী । পিগী নোংনা থুমহৎলবা পুনসিগী লম্বী অসিদা কয়া কুইনা হিখিগনি ? রাহং অসিনা মরক মরক্তা মহাকপু নীংশিংনবগী মরম অমস্থু ওইরিবনি । করিগুম্বা মহাক্না অমুক ফুৎ ফাওরকলবদি পিগী পন্দুপ অসি লোয়খিবস্থু মন্নাবনি হায়হুনা কয়াবকস্থু খন্দবদি ঙমদে । নত্তে, মহাকপু মহৌশাগুম্না নোকমী নোকমী তৌরহুনা ফুৎ ফাওরকলগা লেপ্লখিদ্র—"নং নত্তোমন্তা ঙায়হৌবা তারে হায়হুনা ঐ অমুক হন্নকলবনি ··।"

ওসিস্থু মমী ছানী উরকলী—শকফম অহুগী ফাগীনা তৌশিন্নবা হৈরবা মীনোক অমস্থং মীংয়েং ! ঐবু থাদোকতুনা থোংগাল ফাওবদং চৎলুরগা হন্নকথিবা অহিং অহুগী পন্নিং লমহৈন্দুরবা রাফম অহু চৎথরকলী—

"চৎনীংলবস্থু হেক্তমক চৎখো ।" মহাক্না হনজিল্লকপদা ঐগী পৃথবীবুদি খংচাউ হেক চাউথোকখিদবা নত্তে। অহুমকপু চিল অসিমক্না লক্করবস্থু থঙ্মোয় অসিনদি মহাকপু চৎহনবনিংখিবরা ?

"অহুদি অমুক চৎরগে ?" লক্করকখিবা মাগী রাহৈনী ।

"মহাকপু থীংবা ইত্তিক নত্তে, নখোংদা য়োৎলী পুনবগী থৌনস্থু লৈতে। নোংলৈ ফুংশিংপু চীংকাউনা থীংবা ঙমলবস্থু—লম্বহাংদা নারতোম তারবা উনাগী থাউশোকপু হুমদেকপীরম্বা হায়বসি হৌনশানি "

পুনসিদা নোংলৈ হুংশিং কয়া থেংনখ্রে হৃমদোকখিবগী অতেক অকায় কয়াগী মথাক্তা চায়রহুনা ভাহৌরি—পুনসিগী লমহাং অসিদা।

মখৌ লৈবগা ঐবু হায়ফেংতং য়েংলগা হায়রকখি—"প্রেমানন্দি কনা মচৈজরিদনা? লৈশারিঙেদা চে রীম কয়াগী চিথি ইখি—য়াম্মীনি! খোইহি তৈরবা চিনবালগী প্রেমান শাম্বৈনা লীকোন শান্নবা লাকখিবা পাখং কয়াগী থ্যোয়ব শুগায়খি—য়াম্মীনি! ফবে, ফরে, ঐ চৎপ্রবা মতম অঙুদা নংদি কদায়দা?"

"নংগীদমক খনজৌ, ঐস্ত্র ঐনা থোকপা অমা·· লৈকবা য়াই, নংনা থিবদা ফংলরোয়দা কাচিন কোয়া অংদা ·····।'

"মহাক্তা ঐবু থিবদি থিবোয়কো······?

"নংসিবু ঐগী কনানি হায়হুনা থিরুফ লৈ···?'

"করিগুম্বা ঐনা শিবম্বা থোকলবস্থু নমীৎতগী পি ককলা অমঃস্থ শিম্ববোয়কো?"

"নংসিবু ঐগী কনানি হায়হুনা মীৎতগী পি পিম্বকম থোকলীবা?"

অওইবা রাফম অমতা থক ভাংনখিদে। কাত্তু কারন, কাগী ফবাং তৌত্রনা ভাংনবগাতা হুংঙায়বগুম তৌরম্মী। কনংগুম্বা অতাবা মীনদি খৎনরবোয়তা নীংগনী। মবক মরক্তা ইনেসিনা খৎনবা কাদগী চৈরকপা য়াওখি—"বৈনো, নখোয় অনিবু হুই তৌদোহু মঙায, ঙৈহাক লৈতনা চিক্লরিবা অহুবো? খরা িক্লরবদি ওকলে, হয়েগীস্থ খরদি মথাকউদনা!"

য়ুম অমগুদা লৈমিন্নরিবা ইনেসি অসিংক্তা অস্থুম্মা খল্লবদা মী·ৎতৈনদি ভশেংনা খৎনরে হায়না লৌরোয়দবগী রাফম অসিবু কৈদনো?

"অমবু ওইরবস্থু, নোংমা ঐহাক চৎপা হায়বসিমদি শোয়দপা রানী। মতম কুইনা মহাক্তা লোয়নহুনা লৈবা পামদ্রে।" মাগী রাহৈনী।

"ঐহাক্তা নংগী মকুং ইন্দুনা চৎপদি চৎলোয়।"

"কনাস্ত্র লোয়নবা পামদে, ঐগী খোঙচৎতা। মহাক্তা ইত্তুং ইনবস্থু ওইথোক্তবনি।'

ফনা কুইনা লোয়নরম্মী ইবানী। রাবীগী পুমলোয় হেক লোয়শিনখিবা পুনসিগী তাংকক অহু ফাওবা লোয়নবগী খুদোংচাবদি মফম অমস্থুং মতমনা পীখিদে। অহুম ওইনমক অশ্নোয়বা উম্নবা হুমিৎকী অরোয়বা পরেং অহু ফজদবদি নত্তে। মহাক নোকমা নোকমী তৌরম্মা—"ফবে, অত্তদি ওসিমক ঐ চৎলে······।"

অস্থুম্মা মহাক চৎখ্রে। চিল অসিনদি কল্পীবোয় হায়খিবা শায়। অহুবু ঐহাক কপ্পদি কপলম্মী। নত্তে, মহাক্তপু ঐগী কনানি হায়হুনা হুম্নিৎ অহুদা মীৎতগী পি শিম্ববা ঙমগ্রিবা···? থম্মোয়গী রাগৈ অমুংদা শুমশিন্দুনা থমখিবা রাফম কয়া—মহুগী অতেক অকায় মরক্তা থম্মোয়না ওসি ফরিগী কপলীবা··· ··?

২

অতিথী অয়নী অহিং...!!

অসুম্না হায়নবা লৈ

"কবি মরী লৈনৈ……?"
" উপালনা উপালনি, উরিনা উরিনি……!"
" ফবে, অত্থুদি, ঐগা নংগা করি থোকনৈ……!"

অসুম্না হায়নবা লৈ—উরিনা অনকপা উপালদা য়েংলী। তশেংনমক য়েংঙ্গ য়েংলীদ্রা ? উবিগুম্না তাংজবীগী মপোক্তা পোকলবা সুপীগী মফমদনা কদায় ফাওবা চুমলীবা ? পুনসিগী লমথায় অমদা উপাল অমসুং উরিগী লৈকা চাত্থনা লৈহৌববা সাহিত্যগী পন্দুপ অত্থু থংনিং হেক নাংশিংলকলী। উরিনা অনকপা উপালদা যংপবা ? উপালনা উরি মনাক্তা চংশিন্দুনা হৌজিনববা ? রাহং অনি অসিমক্কী পাউথুম ঙসিস্থ পীবা ঙমদ্রি।

নত্তে, ঐনা লমকেৎ লমহায়বী উবি অমগুম্না মাগী পুনসি উপালদ য়েংকে হায়না হোৎনখিববা ? মহাক্সু ঐমক্কী পুনসিনা উরিগী মতৌগুম্না মাগী পুনসিদা য়েংহননিংদুনা চংলকখিববা ? নীংশিংবগী চৈনাখোল অসিনা ঐবু ওৎলরী। ঙসায় সুংথিলদগী ফনেক ফিবাল অসিমতং লোনবা লোয়শিনগে হোৎনর্বানি, খুৎ চৎত্রে, য়েতুমগী তুমলবা মচিন অসিদা মমী ছামী উবকলী—শবফম অত্থু। ইথং-থংহৌদনা খুৎ-ওইগী খুদোনবীদগী ঈ মরিক থরা থোরকই, য়েতুম্না থীনঞমাল্লে! মসিস্থ নীংশিংবগী মথেল অমনি। নোংমস্থ অস্থুম্না……!

" নংদি ফনেক লোনবস্থ য়াম্না হৈদনা ?"

" ফজনা হৈ।"

" অত্থুদি নত্তোমতা হিংজবা ঙমলনিদনা ?"

" মৈতৈ সুপীশিংদি সুপাগী মত্তেং সুকয়াও হেক য়াওদনা হিংবা ঙম্মী, মচাবু অয়াংবা থাক য়ৌনা লাইরিক তমহনদুনা মীওইহনবা ঙম্বগী থোয়দোকপা থৌনা লৈবতস্থ নত্তনা

য়ু থকপা, জুবারী মপুরোয়ববু থাকই, শেন হুল্লী হায়বসি নহাক তাত্রিবরা ? লমসিগী মুপা অয়াম্বদি মুপীগী মপাল তাংহুনা হৌজিক ফাওবা ছিংনরি .....।"

" কদায় অহুদি য়ু থকুবা লুপা অনিদং সৎ লাম্ভোরকউদনা .....।" ঐবু মঙ্গো লৈরম্বা য়েংলগা লক্রককখিবা মার্গী রাহৈনী। মাগী মীৎয়েং অহুত্তা নত্তে, রাহৈ অসিমকস্থু য়াম্লনক মরো লৈশ্রবনি হায়বা অসি খঙলম্মী।

ঙৈহাক্তি মীৎ কুপ্পুমখৈ মঙোন্দা মীৎয়েং থম্বা তাখি। ফনেক ফিবাল লোম্নীবা য়েতুম্না কলোম্নদা ? করম্বা মতমদা মচিন তুমলবা য়েতুম অসিনা খুদোনবাদা থীনদংখিবনো হায়বা খংহৌদে। তিং লাওবা চৈনাখোল অমা কংবদগী খঙলকখি!

" নমিং অহু কদায়দা য়েংলীবনো ? ফনেক্তি লোম্রহুনা নখুৎতা লৈরোং লোন্দুনা শান্নরিবোয়রে ? নীংশিং খুদম থমলীবরা ?"

"কৈদৌবগী ইমাংদা লেপশিন্দুনা লৈরিবনো ?"

"ঐবু মীনৌস্থু নত্তনা করিগী য়েংলীবনো ?"

"নংনদি ঐবু করিগী য়েংবা হৌরকলিবনো ?"

"ঐনা নংবু য়েংবা ? তৌস্থু তৌস্থু সাখি পুথোকপা ওমলোয়দবা রা অহু হায়গম্ভু...... সে নখুৎ' তিংথোরকউ, ঈ য়াম্লা থোকলে......।" রাহৈ অসি হায়না হায়না ঐগী ইখুৎ অসি তাপ পায়হুনা তিংথোকলগা খুদোনবাদগী ঈ অহু মচিননা চুরুপ চুরুপ চুপথোকখি, ফনা কুইনা চিংহুনা লৈখি !

"হকচাংদগী ঈ পুম্নমকস্থু চিংহুনা থকলগেরা ? ঈ থকপা হিংচাবা ! পম্না থকলবদি ওকলে তোকও—কৃষ্ণনা পুতনা হিংচাবী হাৎপদৌনা হাৎলগেরা ?"

তপ্না তপ্না খুৎ থাদোরকখি,— "নংগী হকচাংদগী ঈ মরিক থরদ' ঐগী হকচাংদা য়াওহনখিবা পাম্মী.........।"

"মরম করিগীনো ? " ওকপ্লনা হংখি।

"ঈ রাৎলবা অনাবা অমদা কনাগুম্বনা ঈ দান তৌহুনা থবায় কনবী, লৈনবা য়াই ঈগী মমল য়ামলবা মরী অমা.........!"

"ঈগী মমল য়ামলবা মরী......? নত্তে, নংবু ঈ রাৎলবা অনাবরা ?"

"অমবু ওইরবস্থু......নংগী ঈ থকশ্রবা থম্মোয় অসিনা নংসিমকপু........ !"

"হা ! কৈদৌবা...... ? নংসিমকস্থু কৈদৌবা...... ?"

য়াম্না খঙনিংনা হংখিবা ঐগী বাহং অসিগী পাউথুম অমা মঙোন্দগী থুনমক তানিবগী লাংতক্রম্মী।

"কৈস্থু তৌদে......।" ইকোম হেক কোম্না থুমদোরকহুনা ঐগী তায়ওমদবা অঁহু অরেম্বদা তাহলখি !

ঈ থকখিবা মাগী থম্মোয় অচুগী খুল্লবা কাচিন ত্থুদা ঈ মরিক অমত্তংগী মুতি অমা মহাক্লা লাংখিববা ? ঐ খঙদে মসিগী পাউথুম । থম্মোয় অচুগী পাখোঙনি । ঙসিসু কোঙবা ঙমদ্রি, চিংনবা মরম অমতংদি লৈ—মাগী পুনসিগী মুমফমদগী কিল্লখিবা, ঈ মরিক অমতংগী মুতি অচুগী লেমহৌবা মখাক অচুদা ঐ সিমকপু লেপহনবা পামখিবরা……… ?

অমরু ঙহৎবসু, ঈগী মরী অমরুদি লৈনগ্রে হায়বা যাই । আহ ! ঈ থকখিবা থম্মোয় ! ঙসিসু অমুক্ত'গা থকলখো—ঈ খোকলবা খুদোনবী অসিনা নংগী মায়কৈ য়েংলী………! হল্লকখীনি হায়বগী থাজবরুদি লৈত্রবনি । অচুমকপু কো কুৎ মাল্লা কুৎশিনগ্রবা মীৎ অসিনা খোংগাল তম্না যেংলুবা শায় । অহাংবা নত্তনা কবিসু উদে । হামচৎনববা রাখল অসিনা ঙৈহাক্ত লমফৈকই—কনানা খঙবা মহৌশাগুম্না ফুৎ হেক ফাওবকতুনা ইমাংদা লেপলবসু—"নং নত্তোমতা ঙায়হৌবা তাবে হায়হুনা ঐ অমুক হল্লকলবনি ! এঃ নংদি কপসু কপলীবোয়রে ।"

মহাক্কী হকচাং অচুমবপুদি মখোং অচুনা ইনাক্তগী থাংহুনা পুখোকলা ঙমগ্রবসু ঈ মচুম অমত থকখিবা থবায অচুনদি যাম্না হৈনিংদনা ইনখিববা ? মরম অচুনা ঙইবা তায়—চৎলুবগা কযাবক হল্লকতুনা উ'ব মনাক্তা লেপলবত্থু…… ‥ । মাগী মায়কৈ য়েংনা য়েংনা নীংশি'লকলে লমফৈলুববা উপাল অমসু' উবিগী রাকম ।

"মৈতৈ নুপী খবরুদি নুপাগী মপাল তা'দনা হিংবা থেংনবি, মবক অচুদা নংত্থু হোৎনবরুদি কৈ, অচুমকপু ‥ · · ·।"

"অচুমকপু কৈ'দোবা ?"

"মৈত্রবার্কা নৌহাউ চমলবা লৈমায অসিদা চবা হেনবা রারবী মহাসতী অনুসয়া কযানা লমযৌববা থম্মোয রাবীগী শম্বলবু থুদেকলমহুনা গুম্নাক কযাগী কেবাক্তা কাখিবগী পাউসু তাদবদি নত্তে "

"নুপী থুদিংমবপু মা'খোকত্থু , হিবা ঙ৯সুং ইন্তৎকী রাহংবু শিবগী পাউথুমতনা মস্তিকহুনা মৈতৈ নুপীগী থৌনা উৎখিবা নুপীসু যাওদবা নত্তে ।"

"ইস । ন'সু মোইবাং থোইবীনিহে !" হায়যু কদাযদা লৈহৌবে নংগী পেরুক্তা চঙমখিবা লাইবকোনগী মৈলৈ লা:বা ?" মহাক্লা লক্লহুনা হংলকখিবা রাহংনি ।

ঐহাকসু ঙৈহাক্তি পীং লাওখি । মহাক্লা রাহে হেনখিবা তাবে থন্দুনা ফাগী তাহনখি—"ন'গী থাদোযনা কোংযাম্বগী শগোল তোংহুনা তঙোমগী হোজংদা চংখিবা মতম অচুমক্তদা ঐগী মেলৈ লাংবনা খোইবেম্ভাক্তী কৈবলদা ‥‥ · ‥‥।"

রাহৈগী লান্দবুদি মহাক অমসুং ঐহাক হেনজিল্লবা ঙমনখিদে । ঐসু লৈশাগ্নিঙৌ ইমায়রবী কয়াগী মহুৎশিন্দুনা মমায় শোল্লবা অমসুং মমায় কল্লবা, রা—ঙাংবা হৈয়রবা পাখং কয়াবু মায়থীবা পীরকখি । লুহোংবগী কাংজুবী লায়রবা মতাংগী রাহৈ লাম্বেনবা য়াওনবগীদমক ঐবু খঙইদা লেরখি ।

মহাকস্থ ঙৈহাক্তি পীং লাওবমগনি নীংঙি, বাথৈহনা ঙাংলকখি—"নখোয় মুপীদি পুংজা হেক খুদিংগী কোক হেক শিদোকখিনী হায়হনা নচিলদা ঙাংবা শায অহবু চংফম তাংফম উপাল, বাপল অমতংবু হেক ফংঙ্গবদি উবিদৌনা কোয়য়েং য়েংকদবগী হোৎনবসি কয়া থেংনবে ···· সে, য়েংঙু ঐগী খোংগ্রাও মনিংগী পেতি ফাকমগী কাকফৈ তৎলিবসি উরেদনা ? মুপী অমনা ইতুং ইনগনি হায়হনা য়াম্নরকপদা তৎলিবনি ?"

"কনানো মুপীদো ? চেনবদি য়াত্রাও ?"

"লৈপাক্তা হৌবা উপালদি, উবিদৌনা কোয়চং চংপদি ঙমদে, কবিগুম্বা ঙমলবস্থ মুমিং হেক খুদিংগী শাংদোবকপা হৈবী উব্লিনা তামে ."

ঐ য়ানিংখিদে বাফম অহ । চুমগী উরি অমস্থং উপালগী বাকমদি চুম্মী । অহুমকপু মী উরি অমস্থং মী উপালগী মফমদদি য়ানিংবসি খরা বাংলি । মরম অহনা খুমখি—"উব্লিনা অনকপা উপালদা য়েংপা নত্তে, উপালনা উরি মনাক্তা চংশিন্দুনা হৌজিনবীরবদগী য়েংলুবা ওইরিনি নত্রা ?"

"নত্তে, কৈস্থু, উবিননি ।"

"উপালনা হৌজিন্দুনা মরা তাববনি ।"

অস্থুম্না য়েংনখি ফনা কুইনা । লৈথায় তাবা ঙমনখিদে । বাথল অনি অহ ঙসিফাওবা অহুম্মক খেন্নগ্রবস্থ মবীবুদি লৈনখি, উবি অমস্থং উপাল । নীংশিংবা ঙমলী—থবো থরো ওন্মগ্রবা মতম অমগী বাফম—উরি অমস্থং উপাল । উপাল অমস্থং উবি । সাহিত্য অহনী অহৌবা পবেংস্থ । ইথাহেক থাজদনা নোংমা লেপলৈ মুর্তি অহ । মুমহৎলবা ইথম্মোয় অসিমক্তা হেক্তা চংশিন্দুনা য়েংলুবদি নত্তে ।

দিনেস কৌই ঐগী মুপাগী মমীং । থৌবালদগীনি । খুঙ্গদা পোকপা ওইববস্থ য়াম্না ইচু তাই, হৌনা লোনচং খঙখি, লমচং শাজৎতা খোযনা অমকপা লৈতে শাচাদে, মু থক্তে । মশা য়াম্না নাস্নী, কুচু ঙৌই, লৌউ-শিংউবগী থবক হৈতে, হৈফমস্থ থোক্তে— য়াম্না নহা ওইবিঙৈদগী ইক্কালদা লৈরকই মখোয়গী ইমুং অহ হায়ফেৎ মচিনজাক চাবা ইমুংনি । মতোমতা পোকপগী হৌনবা খবা তোনানবা মুপানি । অহুগী মথক্তা মশক ফজে, মুপীশিংনা পামগনবা মুপানী, খোল লৌই, বা য়াম্না ঙাংগনদে ।

ঙসিদি অমুক নীংশিংলকলে—হৌগ্রবা মতমগী মমী শামগ্রবা থৌদোক বাথোক । মাগা অহানবা শকথঙনখিবা মুমিং অহুমক্তা ঐগী থম্মোয় অসিদা তিং লাওবা মীহুন অমবুদি চোংখিবগুম তৌই । ফনবু ঙকই মতৌ করম্না মরী লৈনগ্রিবনো ? ঐনা উরি ওইনা অনকপা উপালদা চংশিন্দুনা য়েংলুবরা ? উপাল অহনা উরি মনাক্তা চংলকতুনা হৌরগ্রবদবু ঐনা উরীনি হায়হনস্থ থৌবাল তাম্না চংলমগত্র ? অমবু ওইরবস্থ, লাইবক্তা তম্বা হায়বত্থনি ।

মিনেসকা ঐগা অহানবা শকখঙনখিবা মুমিৎ অহুম্বী য়াকন পুন্নমক নীংশিংলকলে। ঐখোয়গী কোৎহো" ময়াদনি—

'মা অমতা হংজগেবা"

য়াহৈ অসি হায়রগা লেপলৈ—ইমাংমকতদা। মখুনলিদা মুপী মহাগা মায়রোরুহুনা মা ঙাংনবিবা মীগুম্বা মমায় পুবা ঙমদবগুম তৌরম্মী। ইচপমুক ঙাংগি, ঐঙোন্দা ইনগৎনা কাওবা হেক য়েংবা ঙমখিদে। অহুগুম্বা মায়থোং অহুনা মথৈথংদা মায়কম অমা ওইরকপা মাই হায়বা অসি মীকুপ অহুদা থারুবা ঙমখিদে। অঙাম্বকা মাম্বা লুরুনিংলুই, খুজি য়োনবা লাকপা মী মামুই, মখুৎতা মুইট্টু কেশ অমম্ম পায়বগুম তৌই।

"করি ওইরবনো?" ঐনা হংজি।

"পাবুং অঙৌবীগী সঙ্গায় অসিবু কদায়দনো?"

"কবি হায়বা? পাবু" অঙৌবী?"

"অহোয়, পাবুং অঙৌবী?"

মহাক্না পাবুং অঙৌবী হায়বকপা অহুদা ঐহাক খাই লাওখি। মরমদি অঙৌবী কৌই ঐখোয় পাবুংগী মমীং। লমলক্লা মচা নৈরিদম্বা হায়হুনা চিংখৈ চিংনবা য়াবগী মরমম্ম নৈ—ইমাতোন অমা নৈরম্মী হায়বগী য়ারী তাখি। থারুনখিবনুদি মুইরেম্ম হায়। ঐনা অঙাং তুইবিডৌদা মশক হায়ফেংতি উহৌবগুম তৌখিবরা নীংদি। মহাক অহুনা পোকপা ইবুং ওইবমগদ্রা হায়বগী চিংনবা অহু কোক্লবা মওংদা নৌনা হংলুই— "অদোমগা কবি থোক্লবীবগে?"

"পাবুংনি।"

"পাবুংনি হায়বা? করম্বা পাবুংনো? অপোকপরা? পোক্কবরা?

"কারিগীনো অহুক কুপথবীরিবদি? সঙ্গায় অহু খঙডি খঙদে হায়বা অহুতনি ঐনা হংজবদি?" হায়ফেং শাউর নবগুম তৌনা হংলকখিবা, মাগী মাহংদি।

ঐ ইকায়বা পোকখি। মাগী চমলবা য়াহং অহুদা কোখক্লা অহুমকং হেনমম্লবনি। নৈশাবী তৌওবী তাখিত্র হায়নস্থ থম্মু। হোয়, নৈশাবী অহৈরিওলগী কৌহুনা চিনবুদি ঔনিং লিংতবা হায়বহুমক ওইরকলবনি। তৌববুদি চিল কনবী, ঈশো লাখী, মী খংদানবী চিলদি নত্তে, চিল লুমদবা হায়বহুনি। মতাং মতাংগী ওইনা মকলি শাটিম্ব অহুর্ব শথাতি।

"য়ারৌবীবা য়াদে, চুম্মা খঙজনিংবগী হংজবনি, হংবীরিবা মীশক অদু ঐখোয়গী পাবুংনি।"

"ও : ! অহুনরা অহুক কুপথবীরিবদো?"

মহাক নোকফেং তৌরম্মী, শাউনিংলম্বা অহু য়াঙাঙ্গমায়।

"হৌজিক অসিমক মহুম কত্তবনিনা মুংশা থীকরে, অদোমবু কনায়দগী লেংবীরকপনো, কদি থবকীনো?" মঙাং চানা হংলুই।

"ঐ থৌবালদগীনি।"

"থৌবালদগী ? ও : ভাব তাজরে।"

"ভাব তাজবে হায়বদি ?"

"মেট্রিক পরিখা থাবা লাকপা নত্রা ?"

"অহোয় মান্নি, পাবুংনা হায়বরা ?"

"পাজিদি লোয়নরকত্রা ?"

"ঐবু অঙাংস্মু নত্তনা পাজি অমুক লোয়নখিদ্র ? " মহাক নোকলপ তৌরম্মী।

"পাখং অচৌবস্মু ইকোক কোকপা মযমদা লম্মাংনহৈদে হায়বদি লৈতে, করিগুম্বা ঐনা মফম তাকলমদ্রবদি ......?" খুদোং বা লৌত্নুনা নোংশিনখি।

"ইমফালদা কয়ারক লাকপ্রে, মকপ মপা থবস্মু লৈজবে, হায়ফেৎ মীৎশিং নাশিংলে।"

লম হায়থনা লৈবগী অমস্মু, সহরদা লাকলমখিরোয় নাংত্নুনা লক্লখিবা নত্তে। মহাক্না খুমলকপিবা পাউথুম অসি ঐ কয়া পেনখিদে। লমনা লবাই ইমফাল খায়বা নত্তে, মীনা খায়বনি হায়বা অসি ঐগী য়াখলনি। মবম অত্নুমক্তা সহরগী ময়োলমক্তা পোকলবা ঐনা কায়না থংদা ইমফালগী খম্বা নোংবাল কয়াবু হুন্দোকত্নুনা মতুং ইনবগী থৌনা অত্নু লৈখিবনি।

মাবু নোক্লরে হায়বগী মওংদা খুমলকপা য়াহং অত্নুদা লুংঙায়তবা পোকত্নুনা হায়খি— "নোক্লজবগী য়া নত্তে ঐনা থৌবালদা চৎলবস্মু ঙৈহাকপুদি কঙাওনগনি।"

"অত্নুবুদি হৌনশানি। ইহে। ইকাও কাওই .. মীংবু ..?"

"অদোমগীরা ঐগীরা ?"

"অদোমগীনি; ঐবুদি দিনেস কৌই।"

"দিনেস ?"

"হোয়, অদোমগীদি ...?"

"ফবে, অত্নুদি, লেংশিল্লসি।"

ঐগী ইমাং মখা তানা হংলক্লবগী খুদোংচাবা অত্নু পীবা তৌদনা চৎপা হৌরম্মী। থোংগালদগী অত্নম চংমিন্নরকখি, য়া অতৈ থোয়না ঙাংনখিদে। তাচৌগী কাদা পুশিল্লগা মহাকপু ফমহল্লি। ইমাদা পাউ পীকই। ইমা থোরকই। ইমা হেক উবদা ফুক হৌগৎলগা ইমাগী থোং শোক্লা খুরুম্মী।

ইমানা হবাউবা মতৌ উৎত্নুনা—"য়ারে, য়ারে ইচাসিদি, নচলগদি কদায়দা থেংনৈ ?"

"থোংগালদা থেংনৈ, য়ুম শেরান তুরান তাকলমগদবা শমনাদা লীৎলি......" ইমাদা য়াকৎপগী মওংদা হায়রকপিবা মাগী য়ানি।"

"ঙৈহাক্তা ঙায়রে নকোক নকৈ য়ুংহনগদবা.........।" ঐনা পুক্লিংনা থমখি।

ইমানা মাবু হায়ৌখিদনবগী মওংদা থেমজিল্লী—"এ ঃ ইচাসিদি শাউরম্মু, নংগী নচল অসিদি অত্তাওবীনি, মহাক চোচ্চোবীনি, হায়রিনি হায়রোয় থঙবা নস্তে; মা থেমনরদা ইমাগী থবক অমা ওইবিবনি।"

"হোয়, ঐবুদি অঙাওবী ওইজববস্থু চুমগাওনি, ঙাওসনানি।" ঐগী পুন্নিংদা খনজে।

"পাবুংদি কদোমদা লেংথোকখি ?"

"হৌজিক মাইদা লৈবম্বনি, মমিদাংগী হবা চাবা কোইথোকলমগনি।" ইমানা অসি হায়রগা ঐঙোন্দ। ওনশিল্লকখি—"মুপীমচা, নবুং অসিগী চা গীলাস অমত্তং লোনবীরসোদনা, মং অসিদি হেক হায়নরিমখে থঙদবসিবু কৈনো ?"

"থক্তুবস্থু য়াইদা ইমা।" দিনেসনা হায়খি।

ইমাদি মী পীজ পীথক যাম্না কৈ। মী য়াম্না খোল্লী, ইংঙি, চিংলেম্মী, মীভোপ মীনৌ অমত্তং হেক লাকপদা কবিগুম্বা থবদং পীজ পীথকতুনা সেবা লাংবা তৌহৌগ্রবদি মশাদা ইরুং চুংঙাযজদবগুম তৌই। লৈকায অসিগী মুপী অঙাং অমদি অহল লমন পুন্নমগ্না য়াই। মীবুদি ঐস্থু য়াম্না খোল্লী; ইমাগী মগুণশিং অত্থু ঐঙোন্দস্থু হেন্দোক্না লৈ। লাইগী উৎসব মেলা অমত্তং থোকপদা থবক শিন্দোক শিনজিনদা ইমাগী খোয়দোক্না হৈশিংবা লৈ। কনাগুম্বগী থবক থোকপদস্থু "ইমা থৌযানীদা শিন্নরবদি শোয়বোয়" হায়নৈ।

দিনেসকা ইমাগা মাবী অতে কয়ামকম শাহ্না লৈহৌই। ঐনা মমুংদা চা লোনবা হোৎনবম্মী। চা অসিমগ্না লরুবগী অহানবা পান্না ওইরগে হায়না খল্লম্মী। চিনিগী মহুৎতা থুম থাকসিরা হায়না খল্লুই, মহুমক্তি ফৎতমাল্লে হায়হনা চিনি অমতা থাক্তনা লোনবা চা অত্থু পুথোকলগা মঙোন্দা পীবগুম তৌখিমাল্লে।

মহাক্না চা য়াউম অমত্তং চিংলুবগা ঐঙোন্দা মবৌ লৈরগ্না লেংথংলকখি। মহাকস্থু মীনৌগা ওইবগা করিগা, থক্তে হায়বা অমা য়াওনা থকপবুদি থকচিনখি।

ঐনা শাউখিদনবা হায়হনা মাকম অমবুদি হায়খি—"চিনি য়াম্না থুমলবরা ?"

"থুম্মী।" মমিংনা নোকলপ তৌরগা হায়রকখিবা মাহৈনি।

চৈথক অত্থুদা পাবুংস্থু চংলকখি। দিনেসনা ফুক হৌগৎলগা পাবুংবু থুরুম্মী। মমুগী মরম ঐ থঙডি—ঐখোয়গী পাবুং অসি মখোয়গী শাগেগী গুরুনী ইথৌগী মতমদগীস্থু ওইরকখি। লাইগুরম্বু ইকায় খুম্নবগী পাথাপ অসি হৌজিকপুদি অয়াম্বনা তোকল্লরকলে। মী থরুবুদি অহুম মরাওগ্রি। থামোনগী থাক অসিস্থু কনা কজনা মরাই চায়থবরানি। লাইগী লৌচা মুনবীগ্রবা থামোন অরাথদি লাই লাংনদবস্থু য়াওরে। ঐখোয়নীবুদি কোলুপ চাউবদস্থু নংনা শাগে চাউথনিনা হৌজিকস্থু য়াম্না কজনা সেবা চংলি, মুলোন, কাংনচিংবদস্থু মরামগী হায়নবী ওইরি [illegible] পাউস্থু তাদি। ঐনা খনিমস্থু থঙই—লাইগী কুমৈ থিজহোংদা লৈথাবী পাথংশিংগী

ইরাং কলাংগী খুদোংচাবা অহু হৌজিকস্থু মহা ওইরমখিনি ! ঐস্থু নোংমা ইরাং ইথকী মরক অহুদা য়াওরকখিবনি, রারী কয়া লৈহৌরিবনি। লৈখিসন্থু।

"নহোয় পাজিদি না-য়েকত্তেদনা ?"

"থোয়দোকপা য়াওদে।"

"পরিখানা কৈদৌঙেদগী হৌগদবনো ?"

'হংচিংত্তগীনি পাবু।"

অস্থুমা পাবুংগা মখোয় অনি রারী রাতায় কয়া শারম্মী। মরক থৎতুনা ইমানা হায়খি—"ইবুংঙো করিমতা ইকায়রক্স, নম্বমনি হায়না খল্লু, অবাংপা অমত্তং হেক লৈরকপদা ইমাদা নত্তরবস্থু নচলদা হায়রু।"

পাবুংনা অমুক মথা শমথখি—"সুপীমচা, নবুংগী তোঙান্না লৈনবা কা-অমা খরা শিন্দোক শিনজিন তৌ, মথক্কী কা অমা হাংলীবা অহুদা ইচাবু চিক্কা লৈহল্লু, পরিখা লোয়রবস্থু কলেজ তমথগদবা লৈবনিনা কা অমা থোরাং তৌবনা ফরনী।"

অস্থুমা মহাক ফনা কুইনা লৈরম্মী। লাইরিকস্থু ফনা ফখিবা ছাত্রনি। অহানবদবুদি রান্না কোইনরম্মী, ব্যবহার তৌনরম্মী। মমৈদদি অস্থুম অস্থুম কোইনরকখিদে, নং, মা হায়হুনা কাগী যুগায় তৌনহুনা লোয়নখি। ফনা কুইনা রাহে কাতু কারন তৌবা অমতস্থু য়াওনখিদে। পাবুং অমস্থুং ইমাগী মফমদা থাজবা মাওহনবগী থবক অহু মহাক তৌনিংখিদবগুম তৌরম্মী, ঐস্থু অহু মঙায় রাখল কয়া থনখিদবা নত্তে। তৌইগুম্বস্থুং লোম্না অমস্থুং ফোংনা ইবানীগী মীৎয়েং নায়েং অহু মরৌ লৈনরম্মী হায়বা অসিমদি শোয়দবনি। অহুম ওইনমক চুম্না রারী রাতায় থরা অমুক স্থুমিদাংগী ঙাংনরবস্থু থম্মোয় মম্নুংদা লৈনরিবা রাকম অহুদি ফনা কুইনা কাংথোক্লবা ঙমনখিদে। ঐহাক রাখলনা ফুম্বংনখি; মাস্থু অহু মঙায়।

ইমুং অমতদা অহুক নক্না লৈমিন্নরবস্থু পাউ ফাউদোক্লবা ঙমনখিদে— নক্না লৈরবা থম্মোয় অনী। ইবানীগী মরক্তা চাউরবা চেকপন অমা লৈরম্মী। অহুবু পুংসিগী করম্বা ছরক্তা চেকপন অহু নীংথায়খিবনো হায়বহু খঙখিদে। চাংদোন্দগী চেম্বরকখিবা ঈশিংগী ঈচেলবু স্থুংজাও অমনা ঙৈহাক্তংবুদি থীংহুনা থম্বা ঙমলবস্থু ঈচেলগী শাফুনা স্থুংজাও অহু চেম্বখিবা হায়বা অসি হৌনশানী।

নোংমা স্থুমিদাংরাইরমদনি। ঐনা মন্দির রাই তৈরিঙৈদা দিনেস চংলকলগা চরন অমৃত থকলে। অস্থুমা স্থুমিৎ খুদিংগী ওইনা চরণ অমৃত থকই, লাইগোরী কৎপা য়াওবদস্থু নত্তনা লাই-তিনগী থবক্তস্থু থবায় য়াওই। মখোয়গী মপা মপুস্থু ধর্মবু য়ান্না থাজবা অমদি অশোং অমাংগী গৌরিয়া য়ান্না তৌবনি হায়বসি তাখিবা লৈ। মহাকস্থু মপা মপুগী লীচৎ অহু ফনা ফজনা চৎলী। বামোনগী ইমুংদগা লৈবনিনা বামোন অমদগীস্থু অহেদোক্না ইরৌবা।

চনদা থীগি, গৌরিবাসু য়াম্না ফজনা তৌরম্মী। কনাগুম্বনা মাবু বামোন ওইরবোয় নীংহুনা ঐগ্যা কৌথসু কোংগায়নি। মাগী মতৌ অসিদা পাবুং ইমাদসু নত্তনা কৌলুপগী অহল লমন, মুপী অঙাংনা লুনা তৌখিবনি। তৌরোয়দবগী মরমসু লৈতে—ঐথোয়গী কৌলুপ্তা লৈবা বামোন পাথংদি য়ু থকই, শা চাই, লাই সেবা চংহনদে, মাবুদি উৎসব মেলা থৌকপদা হুহন ফাওবা ওইহনবা য়াওখিবনি। যুম্নাকসু ক্ষেত্রিময়ুমনি। ইমানদি মহাকসিবু মন্না হুপা ওইহনলিংবগী ফাগীকাসু তৌখিবা যাওখিববা—"ইবুংঙো দিনেস নং অসিদংনা বামোন হেক ওইবমলবদি ... ।"

হৌজিক মতমগী বামোন ফত্তবদা মচা মুপী থাজগদবগী শরুকপুদি ক্ষেত্রিময়ুমগী হুহন্দা মচা মুপীবু থাজনিংবগী রাথপ অমা ইমাগী থম্মোয়দা লৈখিববা? ঐ খঙদে মসিগী পাউখুম। কনাগুম্বনদি ইমাবু বদনাম তৌবাখিবগী রা তাখি। তাবদা ঐহাক মুংঙাযখিদে। ইমাবুদি কগ্গিসু যাওখিদে, যাম্না ঙক্না থোকলমগনিসু নীংঙি লোন্না থুপ্না চেংখিবা মুংশি দীচেলনি। ইমুং মন্নুংদদি মযাম্না তাবদা কবিসু কায়দবা রাবী ঙাক্তা ঙাংনখিবনি। মরুক অহুগী মীৎযেং, মীনোকী পাখোঙদি কনাসু উবিদববা? স্কুল কলেজগী লম্বী অহুননি ইবানীবু খুদোংচাবা পীখিবদো। আহ! স্কুল কলেজগী লম্বী! হৌজিকসু চৎলীনিদকো লৈশী পাথং কয়া! ঙৈহাক লৈতনা ফোংতোক ফোংচিন তৌহুনা শেমলবা লম্বীশিং অহুদা নমশিনগ্রবা রাগ্রী মরোল অহুগী পোলোযনা কবি ওইবিবা, কবি ওইগ্রবা হায়বহু নহাক্তি থংলীবোঁয়। চংখিবগী সাখিদি নংনী। অহুমকপু মতম অহু হনগৎতুনা লাকখিগদবা অসিবু কৈদনো? লাকখিদসু। অতগুম্বা লম্বীশিং অহুগী মথক্তা পুনসিগী অনৌবা চেপ্টর অমবুদি বিতাযস তৌগ্রবনি।

"পাবিজাৎ অসিদি ওন্থোক্না ফজনা শাৎলেদা।" দিনেস মথন্তা শোনজরম্মী।

মন্দির মযাদা নীম পাম্বী অমা হৌই। মহুদা পাবিজাৎনা যেৎতুনা শাৎলী হায়রবা অসি ঐসু খঙদবা নত্তে। দিনেসনা ইচম চমনা হায়বকখিবা রাহে অসি তাববসু রাথল লমকৈ অমতসু লৈবমদে ঐঙোন্দা।

"নীম পাম্বী অসিমক হৌরমগ্রবদি পাবিজাৎ অসি য়েংফম লৈরমখিগগ্র?" নোংথক্তা য়েংথৎলগা হায়গুম্না শোনজে। রাকম অসিমদি তিং লাওখি থম্মোয়দা, খুদোংচাবা অহুমক মাঙহনবা পাম্মুরম্মী। মবম অহুনা হংখি রাহং অমা—

"কারি মন্নী লৈনৈ উবিগা উপালগা?"

"উপালনা উপালনি, উবিনা উরিনি।"

"করে অহুদি, ঐগা নংগা করি থোকনৈ...... ?"

নীংশিংবগী যারীদি লোয়বা লৈতে। পরিংবুদি কায়রে হায়বা ঐসু খঙতি। কায়খিসনু। খুননি অসিমকন্থ পরি কায়রবা রাগ্রীনি। মকম অমহুং মতাং চাবদা শমজিনবা হায়বহুনী।

মসিনী নীংশিং ব্বারী লীবগী চয়েংনবা মীরাং ! ঐ অমস্তুং ঐগী অকোয়বদা কোয়শিন্দুনা লৈরি—মীয়াং মহুমগী মতং মতং ভৎলবা লাংলা। মীংশিং-নীংশিংবা অহুভমক লিথোকহৌগ্রবস্তু কাওখিবা য়াই পরিং কয়া।

অস্নুম্না নাংশিংলকলী—নোংমস্তু মুমিদাং, বীগ্রাদেবী মখোং। লৈশারিডৈগী পরেং অদো—

"ঐনা নংবু মুংশি হায়বা অসি নহাক থাজবরা ?"

মিৎ উইশিন্দুনা নোম্বরিডৈদা তাখি। হেক থংনবা মীকুপ অত্তদা ঐহাক্কী থম্মোয় অসি ত্তিং লাওখি। হায়কম খওদবা ইছল অমস্তু ফাওখিবরা ? মখা করিস্তু তারমদে। য়াচংবগী মতমনি, মুমিৎ অদো ....।

"কনানো ? কনাবুনো ?" পুক্লিংদা অসি থন্দুনা ফৎ য়েংখৎলই। উরকখি— মুপা অমা লাইশং ময়াগী লম্বীরোমদা চংলীবহু। মশক থংহৌদে। চিংনববুদি চিংনলম্মী।

লাইগী ধুপ থাউমৈ কংপা লোয়নগা লাইশং ময়াগী শরিক মখো' মকমদা চংশিল্লুই। লেপ্লম্মী মুপা অমা ! ঐনা লক্লকই—"নশক অত্ত ফাওবা হেক য়েংনিংদে হায়রবদি ....?"

ওক্লা থোকলুবমাল্লে রাফম অহু। হায়ফেৎ শাউরংনবগুম তৌরম্মী—দিনেস। ঐবু য়েংনা য়েংন হায়রকখি—"ঐনা নঙোন্দা ইশক য়েংউ হায়থিবা লৈবরা ?"

"করিগীনো নংনা হৌজিক্তা লক্লরম্বদো ? লাই খুকমলিডৈদা মুমিৎ খুদিংগী ঐবু লক্লরিবা করিগীনো ?" ঐনা শাউজিল্লুই।

"সৈত্য ! নংসিদি ওস্থোক্লা কিশ্রেহে, ওসায়দগী অসিদা অস্নুম লেপত্তুনা লাইগী শরিক খিংলমলীবা ঐবু বীগ্রাদেবী মখোংদা লাকত্তুনা নংবু লক্লরম্মী হায়বা ?" য়াম্মনক শাথিনা ওকপা মওংদা হায়রকখিবা দিনেসকী রানি।

"অহুদি কনানো ?" পুক্লিংদা লাংতক্লরম্মী, মখাতানা হংখি— "দিনেস, নহাক লাক্তা লাক্লমদে ... ?"

দিনেসনা মপুক্লিং ত্তিংনা হায়দোরকখি—"সৈত্য লাক্লমদে, লাইগী শরিক অসি খিওবা ওমদনা মাওথ্রগেহে, ইবোবীহুম ওইরিনি।"

ঐনা ওক্লম্না হংখি—"ইবোবী ? কনাগী ইবোবী ?"

ইবোবী কনানো হায়বা থওখিদে। ওসি ফাওবস্তু চম্মনবা রাহং অমা ওইরি—"ইবোবী ? কনাগী ইবোবী ?" মুমিৎ অহুদা ঐবু লক্লখিবা অহু দিনেস ওইরমগনি হায়বসিমকস্তু মপুং ফানা থাজবা ওমখিদে। দিনেসনা ইবোবীগী মক্লম থুগু্না ঐবু লাক্লখিবরা......? নত্রগা তোঙানবা ইবোবী অমনা দিনেসকী মক্লম থুগু্না ঐবু লক্লখিবরা......?

৩

অতিথী অমগী অহিং...!!

অমুম্না লোয়নবা তাখি

"ঐবু কবিস্ন কিদ্রা ···· ?"

"ঘু ডাওবা ঃঁংবুদি বিক্তে······ !"

ঐবুদি কবিস্ন বিদে···? ফৈ, হোবেনদি······ !"



অমুম্না লো[illegible]বা [illegible] । [illegible]ং কয়াগী য়ামলবা কুমশিংনা লেপ্পা লৈতনা হৌগ্রবস্ত [illegible] [illegible] .থাকখিবা থৌদোকুম্না নীংশিংবা ওম্বগী ৱাথল মনবুদি লৈহৌখিবনি—লাইহং মথাক, লাইমন মথাক !

[illegible]তি চাক ঈশিং য়াম্না থংইবমদে । মতম অয়াম্বদস্ন যুমদা লৈগনদে । নোং হেক [illegible]নবদগী থোকখিবসিনা আহংগী মতমদা ভুম্বা থুগ য়বৈ । অহিং মঙা তরুক হল্লক্তবস্নু য়াওখি ।

"[illegible] [illegible] [illegible]দিঙৈনা থোঙ লোষ্টিবসিবু কবিগীনো ? থোং শাবদা মী হাপনবগী চু[illegible]বা [illegible] হায়ববো ···· ···থৌরানীবুদি ফাবোইয়ে, অঙাংনে থিরিবদি !" লোল ফায়বপ [illegible]না লাকলগা থোঙ থীল্লকখি—দং ! দং ! দং ।

"থোঙ অহু হেক থুদেকলগা চংলকপদি কৈদৌই ? নংবু হিরো নত্রো ?" ফমুংদা হিপ্পা হিপ্পা মাবু লক্লখি - নোকনী নোকনীনা ।

"থুদেকলগবুদি চংবীরক্কেনে, অদো, হৌবেন চুবাম্বাবনা নংবু হুগ্রবদি······ !"

"চুবাম্বাবদি নংনি, অমুক থেংলবা, ফাওবা কনাগীদা চুরাম্বাকরিবনো ?"

"মপু ইবুঙোনা কসম । জুরারদি শান্নবদে, শেল তিংদবা গঙ্গাজলবুদি কুৎত্তং থকলকই ! "সেনে, .থাও অমুক্তং হাংদোকখোনে ।"

ফনা কুইনা থোঙ হাংখিদে । থংনবা কাদা ভুমলাবী ইনেসিনা মীকপ থোরকপদা ময়ানা থোঙ থীনবা অহু তারমাল্লে, লাউরকখি—"মুপীমচা, নংগী দেবদাস মহন্তা অসি লাকলমাল্লে, থোঙ অহু থরা হাংদোকপীয় ।"

আহ ! দেবদাস মহন্তা ! ঙসিস্থ্ নহাক অমুক্তং লাকখো । নখুৎ লেনবা মখৈ খোঙ অসি থীনহুনা থুদেকলখো । তুমনিংবগী নিশা চেনত্রবা পুনসি অসিনা থাংগৎহুনা ঙায়রি—দং ! দং ! দং ! .... দং !

মহাক লাকপদি লাকলরোয় । করিগুম্বা ঐনা খোঙ হাংদোকপীত্রবস্থ মহাক্না খোঙ থুদেকহুনা চংলকলরোয । মহাক য়ু থকই, গ্যান মাঙনবদি থকখিদে, ইমুং মমুংগী পোৎচৈ লংখায় খোংকায়বা ভৌখিদে । মতৌ য়েংগে হায়হুনা খোঙ হাংদোকখিদবা মুমিৎ কয়াস্থ য়াওখি ।

'ফৈ, ফৈ ইমুংদা মুংঙায়না তুম্মু, মাঙ্গোল কাচিন অসিদস্থ ঐবুদি হেক্তা তুম্বা ঙম্মী ; হুরানবা শংবীগে, কবিস্থ মুংশা থীকমু তুম্মু তুম্মু......।'

অম্মুনা মাঙ্গোল কাচিনদস্থ হেক্তমক তুমথোকপা ঙমখিবা মীনি । মুম্না হেক থম্নরবদি মাগী পুনসি অহুমকপু মু শি । ইংথমথা হৌগংলকপগী অহিং অত্তমস্থ কাউথোকখিবা ঙমত্রি ।

"খোঙ অহুবুদি হাংদোকত্রবস্থ তোকও, কৈদৌগে, কম্বল অমতংদি খোঙনাও অসিদা পীরকউদনা.........নংসিদি মহা হিংচাবীনিহে ।"

"নংগী লুপা পীবা ওন্তর কোট অত্তুগী সিলায় ওৎপ্রবরা ? ঙমায়দি ইংবীদে হায়খিবদায ।"

ঐহাক থম্মোয় য়ামা কনবা মুপী নত্তে । মহাকপু য়ু থকপী তোকহন্নবা হোৎনবদা চাং কয়া য়েংখি । মমৈথংদা মহৈবুদি য়ানবা ঙমত্রবস্থ মপুং ফানা তোকহনবদি ঙমখিদে । পুংখায অমুক্তগী হেম্না মপালদা অহিং নোংশোযবা লৈহনবদি ঙমখিদে । মহাকপু মপালদা লৈহন্নগা ঐনা মিৎ উইশিন্দুনা তুম্বা য়াখিবরা...?

অমবু ওইরবস্থ, মাগী ফজরবা অমতংদি লৈ । মুমিৎ হেক খুদিংগী চংথোকলমদায়দা অমদি হনজিনলকপদা হংবদি হংঙি—"ফরে, চাক ঈশিংদি কমদৌরে ?"

"ঐবুদি চারে ।"

"নংবু চারবদি ফৈ ফৈ ।"

থাংলোন কয়ানা কারন তুরন তৌহুনা ঙাংনবা অসিমদি থাদোকপা ঙমনখিদবা লায়নানি—মাস্থ ঐস্থ । কদোমদগীনো থংহৌদে—মথা তানা কোথনবা অমদি হেক্তা মাওরকখি ।

"ঐগীদি কমদৌরবা ? "

"নংগী চাক ঐনা থোংবা......? ।

"হোম্লনে.........।"

"ঐসিবু নংগী পুজারীরো ?"

"করিগুম্বা ঐনা মাম্নি হায়রবদি.........?"

মহাক্না অসি হায়রগা মমিৎ কুপ্তনা য়েংলকখি—চমলবা অমমুং মরৌ লৈরবা মীৎকৈ ।

"ঐবু অহুক কুপ্না য়েংলিবদি কৈদৌরে ?"

মাগী মীৎয়েং তত্তুগী খুদোংচাবা লৌহনা নোংশিনখিবা রাহংনি। ঐ খণ্ডি— মাগী থম্মোয় অত্তুমক্তা ঐসিনকপু মাগী পুজাবীনি হায়রুনা খনজবা ওমগ্রবস্তু মচিল অত্তুনদি "মাগ্নি অমস্থং ওইগদবনি" হায়রুনা হায়দোকচবগী থৌনা অমা লৈখিদবরা ? ঐমকী ইচিল অসিমকস্তু কোচি-কোৎপা খবরুদি মহৈবা জাৎনী। মহাক্তদি থওইনা চাক চাবীদবগী রানি, চাকপুদি মুমিৎ খুদিংগীস্তু থোংখি, মাগীস্তু হাপখি। ইনেসিনা থোংবদস্তু মাগী চাক হাপখিদবা য়াওখিদে।

"হুং ! কদায়দা য়েংলিবা !" খংবগুম কবিগুয়া মখা খরস্তু তাবকখি—"নহাকসে কয়াদা লাইনক ফগ্রবা।"

মহাক রা থৈগ্রে হায়না এগুলগ্নি, খরস্তু শাউনিংখি, "ঐবু লাইবক ফবীনি হায়রুনা কবেম্নবীগস্তু। হায়যু কদায়দা লাইবক ফবিবা ?"

"কবিগী ফত্তনি, নংগী ভৌবোক ঢৌববা লাইবক অত্তুদা লমহেল্লবা মাইহিংদি লায়রুনা উবিং অমতস্তু হেক হৌগংঃবকঃ৷ ওমদে।"

ঐনা নোকত্তুনা খুমখি—"অত্তুনবু ঐগী ইমীং সুন্দরী কৌরিবসিনি।"

অস্থয়া নোকমিন্নখি ইচম চম্না। থোয়না অকায়বা য়াওখিদে—মীনোক অত্তু মীৎয়েং অত্তু ! বযাবকস্তু নোবমিন্নখি অতে মুচিংশিংদা। খণ্ডে করস্থা অর্থ চেল্লমগবা ?

ঐগী ইমী' সুন্দরী কৌই। ইশানা ইশাবু শক ফজে হায়রুনা নাপল তৌজবগী রাদি নত্তে। মহাক্না হায়বদি হায়বম্মী "মী'তনা ফজবী নত্তে, শকস্তু লময়োনা ফজবীমকনি।" চৌইগুম্বস্থং ঐ লাইবক ফবীদি নত্তে। লাইবক ফবী, মগোক ফবী অমা ওইবমলগবু ওসি অস্থক শাথিববা চৈনা, চৈথেং ময়াম অসি কবিগী ফংলুগনি ? লম্মুরবা অমস্থং চফরুবগী পন্দুপ অসিবু কৈদৌঙৈ লোয়খিগদবা ?

নত্তে, নত্তে, মহাক্না ঐগোন্দা করস্থা চৈনা চৈথেং অমা পীরমলিবা ? ঐগী লাইবকী ওইনা ফংফম থোকত্তুনা ফংজখিববা ? মহাকপু ঐগী কনানো ? চৈনা চৈথেং ফংবা য়াবা মরী অমা ইবানীগী মবক্তা লৈনখিবরা ?

অমবু ওইরবস্তু, অহানবদা ব্যবহার তৌনরম্বদগী নং মা হায়রুনা য়াম্না কোইনদবগী থাক অত্তু ফাওবদি য়োরকখি। নোংমা নোংমগী কোইনদবস্তু হেল্লকত্তুনা অদোমদগী মীং পন্দুনা কৌনবদস্তু নত্তনা হৈ-হা ফাওবা য়াওখিদবা নত্তে। ঐনা লক্তা লরুকরবস্তু মায়থোংনা অশাউবা উৎলগা হায়রকখি—" ঐবু কব্রিস্তু কিগ্রা নহাক······?"

"য়ু ডাওবা অতৈবুদি কিজে।"

"ঐবুদি কব্রিস্তু কিদে······ ? কৈ, হোরেনদি·····!"

"হোয়, নংবুদি সুককিবু কিবীদে।" ঐনা মখা তাথে—"নত্তে, নংসিবু ঐনা কিগদবগী মরমস্তু কব্রিনো ?"

"ঐবু কিদেয়ে ? কৈ, হোরেনদি ঐগী ইত্তিক থংহনবা তারে।" শককম হনজিন্দুনা হায়রকখি, হেক থংনবা মীকুপ্তা ফং হায়দোকতুনা থোকখি।

"মদনবু ঐঙোন্দা কৈদৌবা ঙমগনি ?

ঐ থগুত্তি মাগী থমকা। মুমিং কয়ানী ঐবু কিহনখি, থমকা তৌখি। অদুবু ঐগী ইনদক হেক উঠখদি মাগী থোনা অহু করিগী ময়াই চমখ্রিবা।····?

ঙাদিহু মাবু ঙাম্নরি। থোক্ত অসিদা-দং। দং! দং! থিনহুনা ঐবু ফুম্বা থুপায়রগত্র হায়বগী তানিংবা পোকলী— না থাংগৎতুনা তারি। "সগোল অঙৌবা ভোংবা পাখং" অদুগী চম্নবা থমক্ত্রী; অদুদা কয়াম্নক মীপায়হনপ্রবা থম্মোয় অসিনা মাবু পুমকাউ হেক কাউথোকখিবা ঙমলোয়দৌরি। থোংফম অমসুং থোংথাং শোয়থরকলবা পুনসিনা খবায় থোংগাল রাংমা লাংথোকখ্রি, মতাং অদুবু নৈশিন্দুনা থমনীংদে, থম্বসু য়াদে, য়াম্নমক মমল য়ামলবা মতেকনী। পুনসিবুদি হিংবগী মমল হুম্ববে, হুম্বখিসনু। চম্নফম থংদনা লোয়্নরবসু লোয়খিসনু! অদুক থাক রাংলবা থম্মোয় অদুগী মারীবু নৈশিন্দুনা মাঙহনগদবা অসিবু কৈদনো······?

থাংজৈমহেক শেংনা মু ঙাওনা অচৌবুদি কিজে, মাবুদি করিসু কিবিদে মাগা ঐগা লোয়নরম্বা মুমিং কয়ানী, মুমিংশিং অদুগী ফানীনা য়োমশিলবা থমকী, ময়াই চমলবা থম্মোয় অদুবু মথক মুম্না থংঙি। মুমিং অদুমদি য়াম্না পাখংলুই। য়াম্না ভঙায়ফদনা ঙায়বসু তারম্মা।

"ঐবু কিদেয়ে ? কৈ, হোরেনদি ঐগী ইতিক থংহনবা তারে।"

ফাগী ফাগী ঐবু থমকা তৌরমলগা থোকখিবা মমিদাংরাইরম অদুগী চিংথচন লৈহৌবা রাক্সম অদু অমুক নীংশিংলকুলে। মতম চানা নীংশিংলীঙৈ অসিদা মচিং মথাক অদুতংদি হান্না লোয়শিনবনা চুমলিবরা ?

রাহে অদুনা ঐহাকপু মীপায়হনখি। পুক্লিং য়াম্না লাংতক্রম্মী—"মাগুম্বা মীচম অমগী কম্নম্বা নত্তিক অমা লৈরমগদবা ?" খোংগন্নবা হুইশিংদি য়াম্না শাথি। মাবু হুইগা চাংদম্নবগী রাদি নত্তে। অখোংবা নোংদি চুগন্দে, অমংবা নোংদি য়াম্না শাথি হায়বা ঐ থগুত্তি। মহাকসু অমংবা নোংগুম্না শাথিরমলবদি হায়তুনা কিরকখি। মহাক্তি অম্নাম্না মতমদা নোক্রমী নোক্রমী, মোল্লী মোল্লী তৌত্নবতা লৈ, য়াম্না মতৌ মানদে অদুবু ইথং থংহৌদনা হৌদোরকপা অমংবা নোংদগী হেনবনি হায়বা অসি ঐ থগুত্তি। ফুমজিন্দুনা থম্মলিবা মাগী থোনা লীংজেল অদুমক্তা মুপীশিংগী মফমদসু উৎখিবরা ······? অমবু ওইরবসু, থোকলবা অমা থোকলবসু হায়তুনা লৈবা তাথি। থনবদি থনখি—"ঐবু অরেম্বদা·? নত্তে, চেনথোরসিন্না ? অদুবু ময়ামদা··? কৈ কিতুনা চেল্লগা শওম ওক্লরবদি·····"

অমবু ওইরবসু, হায়নবা লৈ—শামুনা মাঙবদি রাক্তা চেনশিনু, ককানা শখনা—অহিং অম্নবী রাক্সা, পুনসি অকিম্নকপু, মামক মচু ওনখিবসু? ওসিগুদি পুম্নাক নোংমাবনি। হোংখিসনু! পুনসি অসিমক অহোংবা নায়বগী পথাপ অদু ইনবা তায়।

হুম্মিদাংগী চাকথোংবা লোয়রগা ফুংনাক ময়াদা কমলগা মাবু ঙায়হুনা লৈখি—হুমিং অহুমস্তু। মতম অয়াম্বদা মহাক হুম্মিদাং চাক চাগনদে। হুকচাবু চাখিদে হায়বমক য়াই। অহুমকপু মহাক লাকত্রিফাওবা ঐস্তু চাক চাদে। মাগীদি থওইনস্তু হাপখিদে। করিগুম্বা মহাক্না কোক হেক চাগে হায়রকলবদি হায়হুনা হুমিং খুদিংগী মাবু ঙায়বদি ঙায়খি, মহাক্না চাবরোয় হায়রবা মতম অহুদা ঐহাক চাক চাখিবা ঙাকনি। মহাক্নদি মহু থঙলমদবা য়াই। চাক চহুম অমতং ওইরবস্তু হুমিং খুদিংগী চকুদা থাকপা হায়বা অসিমদি ইয়ুমদা লৈরিঙৈদগী হৈনরকখিবনি। ইমানা তম্বীখিবনি। মসিগী ফজরবা য়ারী লৈ। চানবা থক্লবা লোয়রবা মতুংদা কনাগুম্বা অরাম থৌরাংলবা লাংফৈ চংপা মী অমনা য়ুমদা অতিথী ওইনা হেক থুংলরবদি চহুম অহুমতংনা ওইরবস্তু চবম ফাথবগী সেবা তৌবা ফংজহৌরবদি য়ামমক মহে চাউই হায়নৈ। মৈতৈগী ইমুং অযাম্বদা য়ুমগী হুপীশিংনা পথাপ অসিবু চংনবী ওইরি। ঙসিস্তু চাক চহুম অমতংদি মাগীদমক থাকতুনা থমলী হায়বা অসি মহাক্না থংলিগদ্রা······!

"ফবে, চাক ঈশিংদি কমদৌবে ?"

"ঐবুদি চাবে।"

"নংবু চাববদি ফৈ ফৈ···।"

ঙসিস্তু ঐবুদি চাক চারে। মহাক্না ঙাংলম্বা য়াহৈ অসিবুদি করম্না কাউরুগনি ? কায়নখিবা অহিং অহুবু নীংশিংলুরবদি থম্মোয় অসি নীংঙমদবগী চৈনাখোল ফংলিবনি। চারোয়দবদা হংবনি হায়হুনা শাউরুবা পাউথুমনী।

"ঐসিবু নংগী শেল পীহুনা থম্বা পুজারীরো ? নহাকস্তু কোক হেক থোংলগা চাবা য়াদ্রগ ?"

ঐহাক মাগী শেল পীহুনা থমখিবা পুজারীবুদি ওইখিদে। অহুগা ঐনা মাগীদমক করিগী চাক থোংহুনা মহাক লাকত্রিফাওবা ঙায়ত্রিবা ? ঐ থঙদে মসিগী পাউথুম।

আহ ! স্বপ্নগী অহিং অসিমতংদি লেপলখো—অহিংগী অতিথী ওইনা ! হায়রখো নংগী য়াহৈদো—"ফয়ে, চাক ঈশিংদি কমদৌয়ে ?"

ঙসিদি তাবা ফংগনি, থম্মোয় অসিমকী অশেংবা পাউথুম—"সে, চাক চহুম অসিমতংদি অরোয়বা ওইনা থমলী—নংগীদমক। লমন তোন্দুনা লৈহৌরবা পুনসিগী থোংজিন অসিদা লেপতুনা কৌরখো ····· "হুমিং তাবদা ঙায়রি····· থোঙ হাংদোকউসে দং ! দং ! দং !···"

মহাক লাকপগী সউম অমা, ইথং হেক থংহৌদনা তাবা ফংখি—মীহুন চেনগুম চোংগানখি, ইনেসিস্তু তুমখিবা কুইরবনি, মনাক্তা চংহুনা তুমলুসিরা হায়বগী মীপায়রম্মী। সগোল অঙৌবা তোংবা পাথং হায়বা অসিমতম্বু ফনমক ফরবস্তু নত্রগা থংনরবস্তু নীসাগী ময়াইদা হিংচা য়াইতম্বদগী হেন্না শাখিবনি হায়বা অসিমস্তু থঙলিবনি। করিস্তুংগী মঙোন্দা অরকপা হায়হুনা হুনাংলম্মী।

রাশল কয়ানা চন্মনবিওে অতুদা লাওরখি, লোল-লী ফাইবপ তৌনা - "হায় ! চন্দ্রমুখি শাবী ! শাগৎলো জগোন, লুপহল্লো ঐবু নীসাগী কুহাদা। ফোংলো ঐগী শেগায়রুনা লৈরবা থম্মোয়সে .....।"

ঐনা ইথম্বা খনখি - "শেগায়রুনা লৈরবা থম্মোয় ....? মহাকস্থু থম্মোয় কায়বগী নৈশা লা লবা মী অনবা ?

হায়নবা লৈ - সন অভেবনা রাইরগা শব্দ ফ ডি। থোঙ হাংদোকদবা কিরম্মী। ঙৈহাক খল্লুবগা থোঙ হাংদোকপা তাখি। থুনমক হাংলুবগা হান্নগুম ফমহনা লৈখি - ফুংনাক ময়াদা।

মীকুপ খবা চোম্বরগা মহাকস্থু চংলকখি — চুমদ্রিং চুম্না। হায়রং তুবং তৌরহুনা লেপলে— ইমাংমক্তন্দা।

থংনবা মীকুপ অতুদা ঐহাক পুমঙক হেক ওকখি। কবম্বা অঙোংবা অমা মহাক্না উখিবনো নত্রগা থোকখিবনো হায়বা খহৌদে। হায়বং হায়বং তৌবম্বা ফিভম অত্থু চপ লেপখি—মমিৎ কুপকনি হায়বা কাউবমখে ঐবু সংনিক য়েংহনা লৈখি। মুমিং অত্থুমদি মহাক য়ু মচুম অমতংস্থু থক্তনা ঐবু লাক্নগদবগী তৌশিন্নখিবনি হায়বা খঙলম্মী। থকলবদবু অত্থুম্না হনজিল্লকখিবা হায়বসি থেংনখিদে।

রা মচেৎ অমতা ঙাংনখিদে—মাস্থু ঐস্থু। ফনা কুইনা য়েংহুনা লৈনখি। ঐবু কবি ওইনা উরুরবনো খংদে—মমিংতগী পি মতুম অমা অনি খক ইথং খংহৌদনা নম্বরকখিবা অত্থু উকই। ঙসিস্থু উবি— মত্থুঙৈগী পি মতুম মতম !

"নহাক্না মুংতিগী অস্থুম্না হেক হেক ঐবু ঙায়খিসন্না ?" মমিংতগী পি অত্থু সং লাওনা তৈথোকলগা হায়বকখিবা রাহৈনি। লোল কবিস্থু ফায়বমদে। থক্তে হায়বত্থু লায়না খঙবা ঙমখিবনি।

"ঙায়খি—ঙসিদি নহাক য়ু ঙাওদবনিনা উবে - নত্রা ?"

"ঐবু ঙায়গনু—কোক-কোক চারগা তুমখো। ঐহাক চাবা চাদবা খল্লুস্থু।"

"ঐবু চাবা ফজদবী তাহনগেরা ?"

"ঐসিবু নংগী কনানি হায়হুনা ঙায়বীরিবনো ? ঐনা নোং ঙানবা ফাওবা হল্লকত্রবদি নহাক্না চন্না হেন্দুনা ঙায়গত্রা ?"

"ঙায়না ঙায়না তুমথোকখিহুনা পীক থল্লা চন্না হেনখিবস্থু য়াওগ্রে। অমুক্তা নংনা হেক হেক চজিক চাখিবা য়াওখি—নত্রা ? মত্থু ঐগী শরুকনী।"

"হোয়, ঐবুদি মুমিদাং অয়াম্বা চাক চাখিদে। নংনা ঐমীদমক করিস্থু রাবীক্নস্থু। হৌখিবনা হৌত্রবস্থু হয়েং মতুং মনাওদি ঐবু খক ঙায়বীগনু, ঐদি মুম কৈ লীংদবা মীনি হায়বা য়াই। নহাক্না অমুক হন্না নীংশিংবগী চৈনা অমা পীবীগনু।"

"নীংশিংবগী চৈনা ? হায়য়ু—কবয়া লোয়শিনখিবা নীংশিংবগী চৈনানো ?"

মহাক্না শোব শা'না হোন্দোক্লগা হৌখিবা মতমগী লমায় অমা হায়দোক্কখি—"অস্নুমা হেক হেক ঐবু ঙায়হনা ফমলম্মী, ঐ হেক হল্লকত্রিফাওবা মহাক কৈদৌঙৈদসু চাক চারমদে। ঐগীদমক মহাক য়াম্না রাজখি। লময়োনা খাঙবা কনবী, য়ারা মেংবী, থম্মোয় য়াম্না চাওবী, মৈত্তৈ চম্ব অমগী ৱিদমনখম ওইবা মুপীমকনি, লৈকায়নসু মাগী মত্তৌ তম্মু হায়হনা মচা মশূ রাবক্কখিবনি। মহাক্না মুংশিবনা পীক থল্লবা থম্মোয় অসিনা মাবু কাউথোকখিবা ঙম্বগী থৌনা লৈবোয়দৌবি। ঐগী পুনসিনা লৈবোন চনত্রিফাওবা মাবু নীংশিংহনা লৈরোয়দবগী মবম অসিবু কৈদৌনো ? ঙাওংনবরা পুর্নসগী ছায়জন ছায়া খুদি দা মাগী নীংশিং খুদম্না চায়হনা লৈহৌবি। কুচ্দি মুনং তৌববসু বাসি যাম্না লৈ, অমুনা লৈচিন মবক্কগী ইংনা খো দোযনকপা থাজমুক ম ঙি মাগী রাঙাং, নোংমতসু খোল হায়গৎহনা খুম্বা ঙমখিদ্রে। মতম অযাম্বদা—"ঐদি চানে, সে নহাক চাথোকউ।" হায়রগা ইনাক্তা ঙায়হনা লৈখিবসু য়াওখি। ঐগীদমক মহাক্না চবা কযা হেনখিবসু য়াওবিমাগ্নে ফনা কুইনা খঙলমদে। য়াম্না নীংঙমহৌদে। নোমদি মহাকপু মুংঙায়হনগনি হাযনা থল্লুই। ঙমখিদ্রে। মুমিদাংগী চাক চাবমদায় মতম হেক যৌনকপদা কপনি লকখি, চাক চথোম অমংসু হুকপা ঙমখিদে। ঐগীদমক্তা চরাম চদংনখ্রবা থবায অত্থগী থল্লুবনদি নাংঙমদলগী চাওনবা পন্দুপনি—পুনসি অসি। মবম অহুনা মুমিদাং অসি চাক চাখিদবনি, কাউথোক্লবা হাৎনখিবনি, য়ু থকহনা, ফনা কুইনা কাউবসু কাউকবে। ঙসি নংনা অমুক নীংশিংবগী চৈনা অমা পীবিবা কবিগীনো ?"

"কনাগী রাবানো নহাক পীবিবহু ?"

মাগী নীংঙমহৌদবগী লেমহনা লৈহৌবা রাবী মথাক অহু ভাবদা য়াম্না মুংঙারমদে। যাম্না খঙনিংবা পোকহনা মথা ঙাখি "ঙসিদি কদায়দা লৈখ্রে, মুপা অহু ? নংগী কনানো কমদৌনা লোযখিবা রাবীনো ?"

"ঐগীসু লৈরম্মী ·....।"

"ঐগীসু লৈরম্মী হায়বা···? অহুবু কনানো · ···?"

খঙনিংবগী যাম্না লংতক্কহনা হংখিবা ঐগী রাহংনি। পাউথুম ঙায়হনা মাবু য়েংলম্মী।

"ঐগীসু লৈবম্মী য়াম্না মবাইবক থীরবী ইচে অমা······ঙসিদি ···!"

লোয়নবা হায়দোকপা ঙমখিদে মাগী থম্মোয় অহু য়াম্না শোঙ্খবগুম তৌবম্মী। অহুমকপু হংবদি হংখি—"ঙসিদি কৈদৌববা ? কদাযদা চংগ্রবা ? কদায়দা মাঙগ্রবা ?"

মহাক্না রা লোয়শিনখি—"কৈ কাম্নবা, হৌখিবা মতমগী রাবীবু ·· হৌগ্রসনু।"

মাগী হৌগ্রবা পুনসিগী ফিজং মকমদা রারী কয়া ফুম্মজিন্দুনা থমগ্রবসু নীংঙমদবগী মথাক থরদি থম্মোয় 'অহুদা তুংহনা লৈরি হায়বা অসি খঙবা ঙমখি। ঙৈহাক থল্লুবগা খেমজিনবা ওইনা হায়রুই—"ঘরেনে, অসো, ঙসিদি চাক চথাম অমতং ওইরমসু চাসিদনা···।"

মুমিং অতুমদি ঐনা মাবু চাক পীজবা ঙমখি। মতুনা মঙোন্দা করম্বা ৱাখল অমা পোকখিবনো হায়বা খংখিদে। চাক চানা চানা ঐবু য়েংলকখি, ঐনা হংলুই—"কৈদৌরে?"

মহাক্না খুমলকখি "কৈস্নু তৌদে··· ।"

মাগা লোয়নতুনা নৈমিন্নরম্বা মুমিং কয়ার্নাগী পুনসি য়াম্না মুংঙায়রম্মী, তোঙানবা ৱারীনি। ৱাহৈ কাৱন চনবা কয়া য়াওখি—মরক মরক্তা। ৱা থৈদোক থৈজিন্দা মহাক লম্বা লৈতনা হৈ-শিংঙি। অতুনা ফাগী ঙাক্তনি হায়তুনা খন্দোকপা তাখি। হেক্তস্নু ফাগী ওনখিবা ঙাকনি। অতুগুম্বা ফাগী ফরাংগী যদি ফরানা য়োমশিন্দুনা থমখিবা ৱাফম কয়া অতুনা ঙসিদি অস্নুম অস্নুম অর্থ চেনবা হৌরকলী। করন্না কাউরুগনি— থাক ৱাংলবা থম্মোয় অতুনা উৎপোকলম্বা ফাগী ফরাং ·····?

মাগী লমচৎতা থোয়না অমকপা লৈখিদে। মাগী হায়ববু য়ু পীক থন্না থকচিল্লগা হেক হেক হনজিল্লকপা য়াওখি। থোয়না অকায়বদি তৌখিদে। য়ু থকপবু কৈদৌই হায়বগে···? থকপা হেক তোকখিবা মুমিংতা খামতুনা লৈহৌগদবা জথমস্নু নত্তে! অওইবমকস্নু মমৈ খংদা থকপা তোকখি। কয়ারক চৈ-থাংখি—ঐনা মাবু। তোক্লবস্নু হায়খি।

"য়ু-বু থৱায় অতুক তানা থকলিবা করিগীনো? দেবদাসকুম্না কনাগুম্বী পারু অমগীদমক য়ুদা লাইমীং লৌখিবরা?"

"হোয়নেহে চন্দ্রমুখি শাবী! ধা-ধা ধা ····· অতুদি শাগৎলোদনা জগোয়।" অসি হায়রগা পুখমদা তাল থাগৎলকখি- "অতুম্না বদনাম তৌম্নু, মীনা থাজখিনি য়ু হেক থকলগা দেবদাস, পারু, বঙ্গলা দারু, সেকমাই দারু! অঙকপা ছুনিয়ানি!"

মহাক নীংশিংবগী ঈপাক্তা লুপথবগুম তৌরম্মী। ঐগী ৱাহৈ অসিনা মাগী হৌব্রবা মতমগী কিম্বগ্রবা য়ুমফম অমা খুদক্তা শাগৎহিবগুম তৌখিমাল্লে নিংঙি। মমীৎ উইরুম তৌরগা মরক থৎতুনা ৱারী মতেক অমগী লংজিন চিংথোরকখি – "কায়নগনী হায়বা থাজনরমদে। অতুবু কায়নবা তাখি। কৈ কায়নখিসম্নু। কায়নবা, খায়নবা হায়বসিমদি পুনসিগী দিক্লানারীদা য়াওরি— মথল মথেল! ঐগীস্নু মথেল অমদি হেন্দোক্লা থুংখি – মৈচাক, মৈশা, চৈনা চৈথেং! অতুম ওইনমক মস্নুংলাংগী য়ু থকখিবদি নত্তে।"

য়াম্না মুংঙায়রম্মী মাগী ৱারী মতেক অতু। অস্নুম্না হৌব্রবা মতমগী ৱারী মতেক মতেক্লা মরক থৎতুনা তাহনবসি মাগী হৌনশানি। য়াম্না তানিংবা পোকহনখি। মখা হংলুরবদি অমা হেক্তা কোয়থোক্লা পুথোকখিহনা অয়াম্বা মতমদা লাংতক্লহনা তোকখিবা ঙাকনি। অতুমকপু মুমিং অতুদস্নু হংবদি হংখি—"মমীংদি করি কৌই ইবেম্মদো?"

"কনাবুনো? ইচেবেম্মগীরা······?"

"নত্তে, নংগী ইবেম্মা পারুদুগী মমীংবু করি কৌবগে হায়মী?"

"মমীংবো··· · । আ · করিয়ে · ··· " কাউথোকপিবগী মওংদা ঙৈহাক খল্লুবগা শোম্বাংননা—"সু ·····।"

"করি করি · ···সু····· হায়বদি ··· ?" পাখংনা হংখি ।

"করিগীনো অদুক লাংতক্লরিবদি ?"

"কৈস্থ তৌদে ।" ঐনা অসি হায়রগা রা অমরোমদা কোয়থোকখি—"নংতনা আশা তৌঙ্কবা মওইরিনিদা ·····।"

"অমব্ ওইরবস্থ ···· ।"

"মশক্তি কমদোই ইবেম্মা অদু ?"

"নঙোন্দগীদি তেনদে হায়ববদি······ ।"

"চা দম্নবগী কোচি কোংকল্ল । থঙতি ফজে নত্রা ? ফরে, মপুংফাবা "সু " অদুগী মমাং অদুংদি হায়দোকপদা[illegible]রি অকায়বা লৈ ?"

কয়া তৈনিংদবা উৎতুনা শমজিল্লকখি— "কান্নদবা রানি, হৌগ্রবা মতমগী ছুম চাদুনা লোয়গ্রবা রাফম ।"

মাগী "সু ·····" কনানো হায়বা ঐহাক খংখিদে । ঐ ইশানা ইশাবু চিংনজরম্মী ।। মদুগী মতমস্থ হেন্দোক্লা লৈরম্মী । লৈশারিঙৈগী কাউতমগ্রবা পবেং— বৃন্দাদেবী মশোংগী চনৈনখিবা থৌদোক অদু নীংশিংলকপি মঙোন্দা য়াম্না হংনিংলম্মী । অদুবু ফুমজিনদুন। থম্বা তাথি । ঙৈহাক রাখল অমা খল্লুবগা রাফৈ অমরোমদা পুথোকতুনা হংঙি—"ফরে, য়ু থকপা .তাকতুনা অনৌবা পুনসি অমা শেমগৎপগী রাখলদি লৈত্রবর' ?"

"মদু হংবগী মতম পাম্মী ।"

"হুকুম তৌবগী থৌনাদি লৈজদে । অদুমকপু থকহননিংদে । হায়য়ু - য়ু থকলগা করি মাঙঙি ?

"কৈস্থ মাঙদে—য়ুতনি পুকমুন্দা মাঙখিবা ।"

ঐহাক নোকনিংখি—নোকনস্থ হংখি—"শেন অমস্থং হকচাংদি মাঙগ্রা ?"

"শেনগা খুৎশিন্নরিবদুবু মাঙবা কৌবরা ? হকচাং মাঙলবদবু ঐহাক ঙসি নমাং অসিদা উখিগদ্রা ? য়ু থকলগা য়ুতনি মাঙখিবা ।"

"নং অসিদি মহাগী মরৈ মপীনি, রা ঙাংনবা ইতিক নত্তে । হোয়, ঐগী রাহৈ অদু লানগ্রবস্থ হকচাং শোকই হায়বা অদুমদি য়ানিংঙিদনা ?"

"অদুবুদি ঐস্থ থঙতি । ফরে, ঙসিমক তোকলোয়া ?"

"ঙমলবদি তোকপা ফৈ ।"

"ঙসিবুদি থকত্রেদনা ।" নোকথোরকখি ।

"হয়েংদি অমুক শীক থল্লা থকখিল্লগা থোঙাজিনদা তুবোই ভাব্লোই লেকথরমখিনত্রা ?"

"ব্লাশকউব্লা ? থাদোকে হায়বদা হেক্কা ঙম্বা মীনি হায়বা থঙদবা শান্নিবব্লা ?"

"কৈথেল ইমাগী লাইসোন, খুম্ন ভুনফমগী ব্লাশক, জুব্বাবী য়ু থকপগী ব্লাশকপু কব্রি থাজকফম লৈ······?"

"ঈশ্বরনা সাখি ঙসিদগী য়ু থকপা তোকলবনি।"

"ঈশ্বর······? কনাগী ঈশ্বর ? ঈশ্বরচন্দ্র বীদ্যাসাগরবুব্লা ? মাবু মথোয় য়ু থকপশিংগী ব্লাশফনফমগী ঈশ্বরব্লা······?"

"ঐনবু ঈশ্বরচন্দ্র বীদাসাগব পনখিবব্লা ? ফবে, অহুদি, হায়য়ু—কনা পন্দুনা ব্লাশকউগে ? মপু ইবুংগোনা কসম ! থোৱানীবু পন্দুনা অমুকস্থু শকলীবসিনি · ঙসিদগী ঐ য়ু থকপা তোকখ্রবনি।"

"ঙসিদগী হায়দ্রু—হোরেন অমুক তুম্বা য়াম্রে হায়রকনি— কুৎতং তৌহৌরু, হয়েংদগী হায়রুনা শকউ।" অসি হায়রুনা মাবু কারেম্নখি।

"ঐগী ইচেবেম্মনা সাখি—ঙসিদগী থাদোকলবনি।"

"মহু ওইরবদি থাজরে, থাজরে।"

ঐহাক য়াম্না পেনখি—মাগী থম্মোয়গী অশেংবা ব্লাশকনি। ঐ খঙভি—মাগী থম্মোয়গী থুপলবা কাচিন অমদা লোংশিন্দুনা থমজব্লিবা মচেবেম্মা অহুমক্তা মাগী মমানি, মপানি। মচেবেম্মা অহুভগী য়াথংবু ইন্দুনতা লাকখিবা অমসুং মমীং পন্দুনা শকখিবা ব্লাশকতি থক হোংদবনি হায়বা অসিমস্থু খঙখিবা লৈ।

মাগী থম্মোয় অহুদা মচেবেম্মবু মুংশিবগী লময়োরবা মচু অমা শংহুনা লৈখি হায়বা অসিমস্থু খঙখি। থোকখিবা থৌদোক কয়াগী য়ুমফমদা মাম্লরকপা থৌদোক কয়াগী মমী অমবু শাগৎকদবগী হোৎনরকপা য়াওখি—চাংদম্নবগী লৈই অমনা হেক হেক চিংখিবব্লা ···? অহুবু করম্বা লৈইনো······? ঙসিফাওবস্থু চমেনবা ব্লাহং অমা ওইহুনা লৈহৌরি—লাইথুং মথাক, লাইমন মথাক !

মহাক্তা য়ু থকপা তোকত্রিডৈ মমাংগী লৈথহুনা লৈহৌবা ব্লাকম অমা নীংশিংলকলে। মতাং অহুমকপু হুন্দোকতুনা থমখিবা তারবদি অমকপা পকত্রবা মরমচৎ অহুবু থাক ব্লাংঙি হায়কফম কব্রি লৈ ?

নোংমভগী ব্লা নত্তে। মুমিৎ কয়ানি, অহিং কয়ানি। হেক হুনজিল্লকপগা বোম তুখিবা মফম অহুদা ব্লাস্থহুনা তুমখিবা হায়বসি হৌজ হৌজ কয়ারকনি। অয়াম্বা মভমদা ঐনা মাবু কমুংদা হেক হেক চিংখৎপীখিবনি। কব্রিস্থু খঙদে, অশিবগা চপ মাম্লৈ। নোংঙাইগা ঙকপগুম কব্রিগুম তৌহুনা হায়রকপা য়াওখি—"ঐসিবু নংগী কনানি হায়রুনা অহু ব্লানা থাংগৎপীব্লিবনো ? ঐনা তুখিবা মফম অহুনা ঐগী মুংভাব্লবা পোথাকনি'?"

ঐনা মাবু চৈস্থংখি, কয়ারক হন্না—"নংনা কাং হুয়িং মরক্তা অশিবদৌনা তুমহূনা লৈবহু উবগা ঐনা তুম্বা ঙমগনি হায়না খল্লিবরা ? মতুং মনাওদি অহূন্না তৌরম্—ঐদিনে থোঙ হাংলোয়দবনি।"

ঐগী মাহে অসি ভারগা মহাক শাউবদি লাইরদনা য়েংলকখি—চাথোকদবগী কৈদাগুম। মথক্তা লোম্বাংননা হৌরবা মতম অমগী বারীনা মরক থংতুনা পুশিল্লকখি—"মতম অহু লাকপদি লাকলরোয় অমুক হন্না।"

"করম্বা মতমগী করম্বা বারীগী মখাকনো ?"

"অসুন্না হেক হেক লাইরিক পারিঙৌদা ঐদি য়াম্না তুমগল্লি। পাখং মপুং ফারবা অহু ফাওবদা ইংবেম্মনা হৌদোকপীরগা চাক হেক হেক ইনবীরম্মী; ফমুংদা চিংথংলীখি, নাউশূম্বীখি। ওঃ! মুংশিবনিদা ইচেদো·····ঙসিদি····।"

"হোয়নেহে অমুদোন নোয়াই।" ঐনা অসি হায়হূনা লক্করগা মখা অমুকস্তু শমথখিহূনা হায়খি—"ঐসিবু নংগী নচে লাইরবী থমহূনি হায়হূনা খল্লিবরা···?

মহাক পাউখুম পীবা ঙমখিদে। মমীৎ কুপ্তুনা য়েংবদি তোকখিদে। মীৎয়েং অহূগী পাউখুম করিনো হায়বা খঙখিদে ঙসিফাওবস্তু পাথোঙ অমগুম্না লৈহৌরি—মীৎয়েং·অহু মীনোক অহু·····।

নোংমস্তু লেপমিল্লখি মায় মায় ওনশিন্নহূনা। মীনোক অহু মীৎয়েং অহু·····। মাগী মায়থোংনা করি, থম্মোয়না করি ? খঙবা ঙমখিদে, করি অমতস্তু। মাদি মুংশি মুংওনগী বারী অমতস্তু হৌদোরকখিদে হায়বা য়াই। মরক মরক্তা চোয়রোন পারোনগুম ঙার্লকপদি য়াওখি। লীংশিংলকলে মুমিৎ অহূগী য়াকম·····।

"করিগীনো ঐবু অহূক মুন্না মুন্না য়েংলকলীবা ?"

"ঐগী মীৎলমদদি করিগী লেপলী ?" ঐনা অসি হায়রগা মখা শমথখি—"নহাকপু পুমসিদা কনাগুম্বী মুপী নহা অমতংগা মায়য়োক্নহূনা মীৎচানবা, নোকমিল্লবা, বারী চিকথনবা হায়বহু খক ৎৌখিদ্রা ?"

"পুনসিদা ঐগী ইচেবেম্মা নত্তনা কনাগুম্বী মুপী অমতগস্তু মায়য়োক্নহূনা বারী শাজরকখিদে।"

"ইস! কয়াদা কোংনা মীনম্বা ঙাংলিবনোসে! ঐগা কয়ারক হন্না মায়য়োক্নহূনা শাখিবহূদি ? ঙসিস্তু শাল্লিবসিদি। নত্তে, নংগী পারু শাবী অহূগা করি করিদি হেক ঙাংনখি ?

য়াম্না খঙনিংলম্মী—মাগী থম্মোয়দা কুমজিনহূনা থমখিবা বারী, মরম অহূনা হংখি হৌজ কয়ারক। মত্তেক মত্তেক লীখি। মপুংফাবা বারীদি শাগৎপা ঙমখিনে। মাগী "মু····" কমানো হায়রিবা খংহৌদ্রে। অহূমকপু চিংনবা মুপী অমদি লৈখি। লৈখিসস্তু। মুমিৎ অহূগী য়াজনক·লীজহৌখিরন।

মহাক লুপথরম্মী—নীংশিংবগী ইপাক্তা ! হৌরবা থোদোক অমা মর্মৎতা থংউ হেক উরকপগুম তৌথিমাল্লে। নোকমী নোকমী তৌরকখি—'ইমাং অসিদা চুম্না অমুক্তুং লেপপু অহুগা য়েংলকউ ঐঙোন্দা মুন্না।"

করিগুম্বা ফাগী অমগী কুমহৈ অমা হৌরকদোরে হায়বা অহু য়াম্না লাইনা খঙবা ঙকম্মী। অহুমকপু লেপত্তুনা লৈবা তাখি। মাবু য়েংখি, নোকমী নোকমী—"কোটো নম্বীগে হায়রিবরা ? নত্তে, কেমেবাদি কদায়·· ?"

ঐগী রাহৈ অসিগী চপ হেক চাবা পাউথুম অমা পীরকখি,—"থম্মোয়গী নেগেত্তিপ্তগী হেন্না ফবা ফোতো অসিবু করি লৈরি······। হেন্দোক্না মাল্লে মাল্লে, ঙৈহাক্তুংগা লেপখিবা তাম্ন, নোংমস্মু লেপমিন্নখি ইবানী, ফনা কুইনা···পুথ্রি মপালদা, মুমিদাংনি—থাবল ফখি।"

"করি কবিদি হেক ঙাংনখি ?"

"হায়মা, নংবু করিস্মু নীংশিংত্রবরা ?" অহুঙৈগী পুথ্রি মপালগী থোদোক অহু নংদি লোয়না কাউরবোইয়ে······।" ছুৎ হেক্তা হায়জিল্লকখি।

ঐহাক তিং লাউখি। কদোমদগী লমফৈনো হায়বা খঙখিদে। মাগী মমীৎ অহুদা ঐবু কনা ওইনা উবকখিবনো হায়বস্মু খঙখিদে। মাবু য়েংনা য়েংনা ফাগী তাহনখি—"ঐখোয়গী ইংথোলদদি পুথ্রিস্মু লৈতনা ··· কদোমদগী রাকৈনো ?"

"ইহে ! শোয়বে শোয়রে।" মহাক নোকথোরকখি—"অস্মুম লেপ্পসি রাবে ফমসিবা, কনাস্মু লাকওইয়ে, নংসিমা ওম্মোক্না মুপা মানখিত্রে······।" মহাক্না অসি হায়রগা ঐগী খুদোং অসি লাকতুনা চিংথরম্মী।"

"মহাক হায়বদি ····? নংগী ইবেম্মা "মু · ?"

"হোয়নে, "মু···" অহুনত্তনবু কনা ওইনি ?" অসি হায়রগা অমুক চৎথবকখি—"এ: লেপ্পা হৌবদা ঙায়রিঙৈনা রাররবদি কনা এংদমক পুনসিগী ওইনা লেপকনা হায়তুনা রাশকখিবা অহুবু ঙমগদৌবিবরা ···· ?"

"ঐগীদি কলাক য়াম্না শোল্লি।" মু-না হায়।

"অহুনরা ফমসি হৌবিবত্থ······?

"ননাক্তা ফমতুনা লৈবা অসিমকস্মু পুনসিগী ওইনা শর্মা দবস্মু কনানা খঙবা· ·"?

অস্মুম্না লাক্লজরকখি—মপুক্কিং তিংনা। অওইবমকস্মু মহাক লাকলরোই ঐগী পুনসিগী লমবেল অসিদা। শক্লখি রাশক কয়া, অহুবু নোংমা ইথং হেক ংহৌদনা লাকশি কায়নবগী নাম্মোকপা য়াত্রবা পুংফম অমা······।"

ঐনা মরক থংথৎ থৎতুনা হংখি—"কমদোনা কায়নখি ? হৌজিক্তা কদায়দা লৈপ্রে নংগী "মু···?"

"নৈরি য়াম্না নক্লা ?" তেম্বক্লা খুমল্লকখি।

"নক্লা নৈরি হায়বা······? চিংনরপ তৌনা মখা তাখে—"নপ্তে নংগী হায়বা অহুবু তাম্না শাগৎপা নোক্তেলগী য়ুমফমদি নংতেকো······?"

"অমবু ওইরবসু··· মহাক্লা ঐবু কদায়গৌনা মুংশিখিবগে হায়বা অহু ঐ খঙদে। মচিলনবুদি কয়ারক হায়খি—"নংগীদমক শিবা ঙমগনি।" তৌইগুম্বসুং ঙসিফাওবসু মহাক হিংলী মহাক্লা হু থকলম্মী, লৌ হিদাক চাবম্মী, সুচরীনা থৌরী য়ানগদবগী হোৎনরম্মী হায়বগী ঈ পাউ অমতসু ফংখিদে। মতম খববুদি ঐগী পুনসিগী ছাইজিন ময়াদা লেপলম্মী হায়বহু ঐসু য়াই কুইনা লেপশিল্লক"বদি কলাক কনগবা মুপা ঐখোয় ফাওবা য়াই-য়াম্রো? মবম অহুনা মহাক্লা পুনসিগী ওইনা লেপহুনা নৈবহু য়াদৌমাল্লে হায়না খনখিবরা?

ঐ খঙদে মা ঐ কায়নখিবগী য়াম্রী। কনানা লানবা কনানা চুম্বা পুথোকপা ঙমগদে। পুনসিগী কবম্বা সবক্তা মহাক্লা লিংথোকহুনা চৎখিবা··? অহিং কয়া ঐহাক তুম্বা ফংখিদে, কপ্পা নত্তে, তেংথাবা নত্তে, চৈবেং ইবা নত্তে, নেংঙল ইবা নত্তে। মাইহু পেমচাগী থৌরী যানবগী খৌদোক অহু হৌজিকপু থোকই মবক মবক্তা। মবম অহুনা মহাকসু শিনি হায়খিবহু চিংনখি। ঐখোয়গী মনিংগী য়াপল অহুদা থৌবী য়ানহুনা শিরগদ্রা হায়হুন। তৈহাক নৈঙনা থোকহুনা য়েংবা তাখি হৌজিকপুদি কদায়দগী শিরগনি? হোয় পিবুদি ঐসু মরিক অমতং শিম্মখি··। নীংশিংগি মুমিৎ অহু—ইমফাল তুরেলগী তোর্বানদনি। নোংমা মুমিদাং মৈঙাল মরক্তা, লম্বাগী চিদায়দা, উহৌই দোলায় অমা···। কনানো মহুদা তোংলিবদো······?"

তৈহাক অহুদা নীংশিংবগী চৈফু অমনা ফুথরুকপগুম পীং লাওরুকখি। দোলায়বুদি পীক থম্না উখি অহুবু কনানো মাগী "মু !" পুক্লিং অসিংইরাং লাংলম্মী। অহুবু নোক্রেম হাগ্রেমনহুনা হংখি "নমান্নবঃ মেলৈলাংবদি কাকতাদগী চেল্লকপা সগোল ফাই, নংদি করিগী ফাহৌদে দোলায় অহু······?

য়াহং তাক্তনি—ইবানীনা লোয়নরম্বা মুমিৎ কয়ামিগী পুনসি। ঐনসু মানসু—চিমবালগী য়াহৈনা চিনবালদা কংহুনত্ত মত্তোকখি। থম্মোয়গী য়াহৈনা থম্মোয়দা ফুম্বংলগ্রবসু পাউথুমতনি য়াংখিবদো। মুমিৎ অহুমসু য়াহংনি মহাকপু চারু পীজবা মুমিৎ অহু য়াম্না মুংঙায়রম্মী। মনাক্তা ফমহুনা নৈখি। মানসু ঐবু, ঐনসু মাবু ফম্লপ ফম্লপ য়েংনবগুমদি তৌখিবরা···? মরম্না করিগী······'

তৌইগুম্বসুং য়াহংশিং অহু ঙসিসু খুম্বা ঙমত্রি, ঙমলোয়দৌরি অহুমকপু পুনসি অ'সদা ঐনা মাবু পুমকাউ হেক কাউথোকখিব। ঙম্বগী থৌনা নৈতে। মরমদি সুপনগী মীকুপ অমতং শোয়গ্রবা পুনসিগী খোঙথাং অমদা মাবু কাউথোকখিবা ঙমলোয়দবা নীংশিংবগী লেমহৌবা দাককম অমা তাহুনা নৈহৌরে—মচেং মচেং খোক্লা কায়রবা থম্মোয় অসিনা!

নীংশিংবগী লেমহৌবা দাকফম অসিমতংদি মঙোন্দা খঙহনিংবনি। মবম অহুননি পুনসিগী মমশিল্লবা মতম অসিদা অরোয়বা ওইনা মহাক্কা অমুক্কংদি উন্ননিংলিবসি। তৌ গুম্বসুং মহাক লাকপদি লাকলরোয়··।

কৈ—লাকখিদসনু। ঐনা মাবু অমুক হন্না কোয়থি থিবদি তৌববোয়। মহাক্কসু ঐবু থিন্নকখিগনি হায়বগী চপ যুংনা থাজবা অহু লৈশিন্দ্রবনি। নত্তে, থিবক্কদবগী মরমসিবু কবি লৈরিবা? নীংশিংবগী লেমহৌবা দাকফম অমতসু লৈখিদে মঙোন্দা। কবিগুম্বা লৈখিবা থোকলবসু য়ু মচুম অমতংবু থকংবদি কাউথোকপা ঙমলনগনি। ঐগা কায়নখ্রবা মতুং অহুদা মহাক অমুক হন্না য়ু থকলম্বসু কনানা খঙবা······?

কাউঙমদনা কাউথোকলুরবা মতম অহুগী ৱারী মতৎ মতৎ, থৌদোক মতৎ মতৎ কয়া অহুবু নৌহৌনা নীংশিংলুবদা করিসু তোংজবদি লৈতে। পুন্নমক অবেম্বনী—খোঙথাং শোয়রবা পুনসিগী খোঙচৎ অসিদা চৈনাখোল ফংবা নত্তনা অতৈ করিনো ফংগদবা অসিবো··?

ঙসিসু ফংলী। ঙশায় মুংথিলদগী ইরাক্করকলী—নীংশিবগী তৌবৈদা। গ্যান মাঙলে। ঐহাক চম্মনরি। খঙদে মথংদা করি···? মতম কুইনা নাথৈক্কবা নীংশিংবগী ঈচেল, লমথাংদা কয়া তৎথ্রে হায়বসু খংঙি। হৌজিকতি চুমথ্রিং অমুক চেম্বরকলে মুমিদাং অহুগী লোয়শিনখিবা মতাং অহু—

"চাক থৱা হাপলুখিগে?" ঐনা হংখি।

"হয়েংগীসু য়াওনা ঙসি চাথোকউ হায়রিবরা?"

"ফরে, অহুদি ঐ তুম্মুরগে?"

"অং! অং! হৈনা হৈনা তুম্মুকো···হোয়েননে···।" কোচি অমা হেক্কমক কোৎলকখি।

"হোয়েন কৈদৌবা···?"

"হৈমা, মীকোন থাগোল্লগা নীংথিনা তুমদ্রবদি মঙলাক্করোয়দ্রো···?" ৱাথৈহুনা নোকমী নোকমী ফাগী তৌবনি হায়বহু হেক্কমক খঙবা ঙমখি।

"কৈবু কৈঙইবসিদি··।" ঐনা ওইনজখি।

"এঃ থৌরানীবু থবাতোনলো···?"

ঐহাকসু নোকমী নোকমী তৌরম্মী। খঙখিদে মরম করিগীনো হায়বা অহুবু পুক্কিংদা খোম্মাং য়ৈখি,ৱাহং চবুল চবুল "পুনসিগী কিম্বরবা য়ুমফম অসিদা মহাকপু গী কনানো? মাগী কিম্বরবা পুনসিগী য়ুমফম অহুদা ঐসিবুনা মাগী কনা ওইনা উখিবনো···?"

৪

অতিথী অয়ণী অহিং…!!

অসুম্না নুমিৎ তারে

"হোয়, ইমাবু ন্নোবগে .....।"
"থেংলনি ইমা, খিনদোকলগে ..... !"
"লৈহৌরো, লৈহৌরো, ইমা চংলে ..... ।"

অসুম্না নুমিৎ তারে । তাখিসনু ! ঐগী পুনসিগী নুমিৎপুদি তাগদবা মতম রাংলী । ঙসিগী নুমিৎনা তাব্রবসু, তাবকপীবা নুমিৎ অহুগা লোয়নহনা অহিং অসিমসু হৌথিসনু । চহি কয়াগী শাংলবা পুনসি অসিদা নোং কয়া ঙানখ্রে, নুমিৎ কয়া তাখ্রে, অহিং কয়া ওইখ্রে । মরক অহুদা থৌদোক কয়াগী রাথোক, রাথোক কযাগী রাবীনি । ফন' যান্নবু মমী শামজিনখ্রবনি, মচংশিং অহুবুদি করিগী কাউরগনী ?

ঐ লুহোংলবী নুপীনি । চহি ভবামুক হাযবকলে । ইচা অনি লৈরে । ইচানুপা অহল অহুদি কায়নবদা যাওখ্রে । য়াওখিসনু । ইনাক্তা অমবুদি লৈরি । থজুব্রগা নোকনিংঙি—কয়াদা খেন্নখ্রবা পুনসিনো ? মশক মচু ফনা শাথিনা হোংলবনি । তুবেলগী ঈচেলনা নৌনা ঈচেল তোংখিবা যাই, থোয়না ঙকনিংঙায়দি নত্তে । মতম অমগী নীঙোল—ঙসিনা যুম অমগী মৌ, অঙাংগী মমা । অয়ুক নুমিদাং ইমুং মনুংগী থবক ইনথাং । থবক্না তাহংলবা পুনসিদা রাথল লমকৈ চংখিদবা কুইববনি, কাউথোক্লবসু হোংনখিবনি । ঙমখিবরা ? ঙসিসু থংহৌদনা কদোমদগীনো রাথল লমকৈ ময়াম অসিনা ছং পাইশিন্নকতুনা ঐবু ওংলরি ।

থবক থাদোকলে, পুক্লিং চংল্রে । ঈ থোকলবা খুদোম্বী অসিনা ঙায়জরিবা মীশক অহু লাকখিগনি হায়বগী থাজবা করিসু লৈত্রবনি । ঈ থকলবা খুদোম্বী অসিনা কপলী !

ফনেক লোনবগী মপোং মচে পুন্নমক ইমুংদা থমজিন্নুরগা হেক থোন্নকই, উরকখি— মীয়াই চন্নবী নুপী অমা থোংগানদা চংলকলী । লাপলিঙৈদা মশক থংলুদে । নকশিন্নকতুনা ইনাক্তা হেক য়োন্নকপদা থঙঙি—ইযানি । মাঙোলদা ফিদা থাহুনা ইমাবু কমহল্লি

"মুপীমচা নংবু কমদৌরি ? মীগী ময়ুম অসিদা লৈবসিবু মুংঙাম্ররিবরা ?"

ইমানা হংলীবা বাহং অহুগী ময়ুংদা [illegible] অর্থ ঐ [illegible]—য়ুমদা [illegible] [illegible]বনি। চৎপবুদি হেন্দোক্লা য়াম্রবনি। য়ুম অসিদা মতম শাংথহুনা শিত্রিকাওবা "[illegible] কাম্রবুদি থোয়না লৈত্রবনি। ইনেসিবু থাদোকতুনা চৎপা ঙমগদবগী থৌনাসু লৈত্রি। মাগীনি হায়বদা কনাসু লৈজত্রবী ইনেসি অসিমকপু ঐনা অমুক থাদোকপীরমলবদি ঙাওহুনা চৎখিগত্রা হায়ব অসিসু থন্দবা নত্তে। মহাক্লা হিংলীবা ফাওবদি চৎপগী বাখল অসি থাদোকখিবা কুইম্রবনি। হৌজ কয়ারক ইমানা য়ুম অসিদা [illegible]বনি। ঙম্রিসু ইমাগী মতুং ইন্দুনা চৎপদি চৎলোয়।

"ইমাবু কদোমদা চৎলুবনো ?"

"লুহোংবা অমা চৎলুবগী [illegible] থোকই হায়দুনা [illegible]কপনি, থোংগালদা ননেথোয় ঙায়হৌরি। নচা মুপীদি কদোমদা চৎত্রে ?"

"ইনেসিনা কৈথেল কাবদা ইম্রখিমাল্লে।"

"নংবু য়ুমদা থক লাকলরোয় হায়না খল্লবরা ?"

ইমাগী বাহং অহুগী ওয় তৈনবদা ঐনা হংঙি -"পাবুংদি না-য়েকত্রেদনা ?"

"কৈসু থোয়রোকপা ত্তোদে।"

"পীশকী লুহোংবদি কয়াম বাংলী ?"

"নৌপবাগীবো ? মুমিৎ লেপত্রি।'

"করে, ইমা মুমিৎসু তারে, য়ৌনবা ঙৌবনা ফত্রগত্রা ?'

"হোয়, ইমাসু য়ৌরগে—নংবু বাখল অমত্তংদি থল্লু মুপীমচা।"

'থেংলনি ইমা, থিনদোকলগে।" ইমাগী বাহংবু নমহৎখি।

"লৈহৌরো, লৈহৌরো, ইমা চৎলে; ঙায়খো মুপীমচা, নং দিনেসকী পাউদি করিসু য়াত্রবরা……?"

অম্মোয় পীং লাওখি—বাহং অহু। পাউথুমদি পীবা ঙম্মখিদে ইমা চৎখ্রে। ইথত্তা মুংবনহুনা লেপহৌই।

' মুংবংনবা হায়বা অসি ঐঙোন্দা নৌনা থোকত্রে। লংদায়ফম শোয়রবা পুনসিগী লম·ায় কয়াদা, মুমিদাংবাইরম কয়া অসুম্না লেপখিবসু য়াওখিদবা নত্তে পুমকাউ হেক কাউথোকখি, থবক ইনথাং কয়া। উংখিবা বাখল অহুনা হেক হেক নমহৎখি। মীনা .ক্লৌবা ত্তাদবসু য়াওত্রবনি। মীকুপ অসিদসু লুপথরী নৈংশিংবগী তম্মখিরবা ইহুংদা।

"কদি [illegible] [illegible]দে, [illegible] পুনসিগী চৎথরিবা [illegible] [illegible]। [illegible] ওইনা [illegible] ?" বাহং [illegible] [illegible]-ইমাংদা লেপলুখি।

"[illegible] [illegible]বনি… ?"

"ঐস্থ অহুম্না থল্লুই, ফাগী ফাগী য়াম্না লুরবা খোংকম অমদা·····," য়ৎথা লোয়শিনদনা তোকখিবা মাগী ৱাহৈনি।

"কৈদৌবা?"

"কৈস্থ তৌদে।" চম্না খুমদোরকখি।

"নংসিদি ওম্বোক্লা লুংতায়থিজ্রে, হায়নিংবদো কোক কোক হায়য়ুবা।" ঐনা শাউজিল্লুই।

"সে, অহুদি নয়ুমদা থিনবীরগে, ঐস্থ পুক্লিং অসি লৈতাদরে।" অসি হায়রগা ইখুং অসে তাপ পায়হুনা হেক্তমক চিংবা হৌরম্মী।

"সে, থাদোকউসে, মীনা উরগা করি করি খনা·নি······সে, থাদোকউ চায়রমী, তাম্তনা সগোল অঙৌবা তোংলুরবরা?" ৱাহৈ অসি হায়না হায়না মখুৎ কনথৎখি।

"চৎলবোয়?" মহাক্না হংলকখি।

"চৎকদবা অসিবু কৈদনো?"

"শকহেনবীদি মায় পাক্তবা মফম লৈতে। মুপাগী পুনসিনা হিংবা ৱাবগী মতিক মুপীগী পুন'সিমুক হিংবদা লায়বসি লৈতবনি, মুমথোং খুদিংদা অতিথী······।"

"চেং নীরগা অতিথী ওইহুনা লম্বোইবীগী লাইমীং লৌ হায়রিবরা?"

"নত্তে, কৈস্থ।"

"ক্হুদি?"

"নয়ুমদা না·থিনা লৈরুবা কৈ।"

"ঐহাক যুমদদি চৎলরোয়।"

"ঐসিবু নংগী কনানি হায়হুনা মফম অসিদা লৈনিংলীবা?"

"অমবু ওইববস্থ······।"

"ফে যৈ······।"

আহ! সগোল অঙৌবা তোংবা মহাশয়! নংগী খুৎসাগী মমী তাহৌরবা খুদাং অসিনা ঙসিস্থ তিংথোকতুনা তায়রি—নৌহৌনা অমুক্তংগা চিংলখো! করিগুম্বা মতং থোক্লা তংলবস্থ, পুখো মতং অহুতংদি নীংশিং খুদম ওইনা। লম্মুক্রবা লমলোংদগী খুদাং অসিমকপু চিংহুনা পুথরক্লি·বদায় নোংমস্থ······। ঙসিস্থ চিংখৎলকখো কঙাওনরবা কুহা অসিদগী······।

"ফরে অওদি ঙসিমক চৎলসি লাকও!"

ৱাহৈ অসি নৌহৌনা ঙসিস্থ হায়রগথা, মহাক্না পুনিংথিবা মফম অদুদা ঐস্থ নতুং ইন্দুনা চৎলগে হায়বা অহু হৌজিক্কি খল্লবমি। নং মতোমতনা চৎখিবা ডুমিং অহুলবুদি নতুং ইন্দুনা চৎনিংবগী মীহৌবা অহু লৈরমজে। ৱাহং অমনা ঐবু থীংথিবনি— "নংসিবু ঐগী কনানো?" ঙসি কাওবস্থ ৱাহং অসিগী পাউখুমদি খুদ্বা উমথিবনি। অমবু ওইরবস্থ, লৈথিসম্থ।

"ওসিদি কৈদৌরে নংগী নতা ইবেম্মা তুলসী মহা সতীগী ধুপকা থাবীত্রবদি ? মীরাবাই শাবা অহু অমুক তোকলগেবা ? নমণ্ডদা কবি কবিদি হেক হায় ?"

"কনাননো ?"

"নংগী বাঁসি খোংবা পাখং অহুনা নোংমতম্ভ নমণ্ডদা লাকপীত্রে ?"

"সগোল অঙৌবা তোংবা পাখংগী মতম অসিদদি বাঁসি খোংবা পাখংদি মমীং মুংলবনি।"

মগালদগী খুন্দাবকপা লাইনীং লম্বী অসোমদা মহাক্কী থোয়না য়ানিংবা অমম্ভুং থাজবগী মতৌ অমা লৈখিদবনি। মহাক লাই থাজদবা মীদি নত্তে। মরক মবক্তা পনখি, মপু ইবুংঙো। মাগী কবম্বা মপু ইবুংঙো অমা লৈবমগদগে হায়বদি খঙদে কবেম কথায়নবদা, মহাক অথোয়বা মীনি। অহুম ওইনমক মী মীগী অপাম্বদা থীংববুদি তৌখিদে। ঐবুদি লৈশারিঙৌদগীম্ভু লাইগী থবক্তা য়াম্না থবায় য়াওবকখি। মুমিং হেক খুদিংগী তুলসীবৃন্দা ধুপ থারকই, লাইশংগী লাইম্ভু খুকমলকখি। বামোনগী ইমুং অমদম্ভ পোকলুবনি। মীবাবাই অমম্ভুং শিজলাইওইবীগী মতৌগুম্না রাবী শাবগী খুদোংচাবা অহুবু ফংজববদি লাইবক ফবনি। মপোক মতা অসিদম্ভ কদায়দগী রানো ?

মুংবংনখিবা মুমিদাংরাইবম অহুদম্ভু পুমকাউ হেক কাউকই, মহাক্তা নীংশিংবাহুনা ধুপপুদি কংখি। হায়না হায়না ওসিম্ভ কাউবু বাউকববনি। হৌজিকপুদি অমুক কবমনা কাউথোকখিবা যাবগনি ? রাবী কযাদি লেংবগুম লৌবনি তুলসীবৃন্দম্ভু। লৈখিসত্ত। হান্না অহুক ধুপ থাউমৈ অমতংদি কংনবা হোংনখিবা তাবি।

ইমুংদা চংলুবে, লাইগী মপোং মচৈ পুত্তুনা গোবকলগা ধুপ থাউমৈ কংনবা থৌদাং তৌরি। ওসায়মখৈ লমফৈকবা রাখল কযা অহুবু য়াম্লোকখিনবা হোংনৈ। পুর্কুং ফাজিন্দুনা বৃন্দাদেবীবু খুকমজৈ। ঙেহাক্তংবুদি মসেন মবাংবা রাখলনা যৈথায়বা পীবকখিদে। হেক থংনবা মীকুপ অহুদা মতম কুইনা কাউথোকলুববা রাহৈ অমা তাবগুম তৌই—"ইবেম্মা, ইমাগী নাক্তা বব অফবা অমতম্ভ হেব লৈত্রে, সিবাপ ঙাত্তা ঙাযবে—হায়য় কবম্বা সিবাপ অমা পামলী...... ?"

মুমিং অহুদা খংপ্রেক খংখি। ওসিম্ভু নীংশিংবগী তমথীববা চৈনাখোল অসিগী যোং-চৈনা থীনবগুম তৌবি-থম্মোয় অসি। মহাক্তা হায়বমক চুম্মী—পি শিখ্ববগী সিরাপ অমা ফংলা ! মচিনঙৌদবুদি বব খবম্ভ ফংখিববা......?

অমবু ওইববম্ভু...ওয়াং তশোযববা থম্মোয় অসিনা নীংশিংলুবি—মথং মথং হায়দোকপ্রবা পুনসিগী লমায়।

তুমিল্লা হৌগংলগা দুববাসা মুনী শাত্তুনা সিরাপ তৌরিবা মাগী মশম কোইরুই, মনজন্দা খুতুম্না মুরুই—দক ! দক ! ফাগী ফাগী অম্মুম্না কয়ারকম্ভু মশম কোইবীখিবনি। শাউবা তৌখিদে, অতৈ মুমিংশিংদম্ভু। খুদোংচাবহু লৌহুনা হায়রকখি—"শম কোইদৌ শরুক হিক অমা অনিদম্ভ মফারকউ, অহু ওইরবদি......।"

"অহ্‌..ওইরবদি কৈদোবা ?"

"কৈন্ন তৌদে।" হেক্তা তুবৎ তোকখি।

মুমিং অহুমস্ন মহাক শাউখিদে, নোক্তমক নোকলগা হায়খিমাগ্গে—"আই ! আই ! ঐগ্নোন্দস্ন থুতুমা সুবস্ন ওন্মীনেহে—তৌহ্নমী ! নংসিদি ওয়োক্লা অঙাং মানপ্রে। করিগুম্বা নহাক্লা মীতোপ অমা ওইরমলবদি থঙবরা করি দন্দি ফংবা য়াই ?"

"দন্দি ? করি দন্দি ?"

"থম্ভু—নং মুপীনি, ঐনা·····।"

মহাক মুপাবুদি মুপানি। মী অচংবনি। মচিললবুদি দন্দি কয়ারক পীবীখি ঐতোন্দা। ওন্নিদি পুন্নসিগী অয়োয়বা ওইনা পি শিন্থবগী দন্দি অসিন্না মহাক্লা পীরমলীবা ? আহ ! ফাগী লল্লোনবা। কৈদোগে ওসিম্ন অমুক্তংগা ফুৎ কাওরকতুনা সিরাপ তৌরখো, দন্দি পীরখো ! নহাক য়াওদ্রবা বৃন্দাদেবী মথোং অসিনা লাংহল্লে মৈশা অহোয়নহুম। ইমা বৃন্দাদেবীনা কপলী ঐগী সিবাপ ফংলবা পুনসিগীদমক।

নীংশিংবগী রাবীদি করিগী লোয়রগনী ? কোক অসি উরু উরু হেক ভাওরকলে। পুনসিগী অকোয়বদা চায়থায়থুনা মাঙখিবা মতম অমগী মহাউ য়াওদবনি থম্ভুবা থৌদোক রাথোক কয়া অতুনা উক উরু লৈশিন্দুনা লৈবকলে। হেন্না হেন্না মহাউ চেল্লকলে। নত্তে, কমদৌবগে ঐগী রাবী অসিবো····?

ঐ থওডি—থুমবীদ্রবস্ন। ঐগুম্বী মথোং হুক্তবী মুপী অমনা লীবা রারীনবু করি ফজগবা ? অহুমক নৌহৌনা অমুক চেম্বরকলে—চুমদ্রিং। অহুক্তৈ লৈশারিঙৈগী মতম অহুবুদি অমুক হল্লকদবা অসিব্র কৈদনো······? কৈ, হল্লকখিদসম্ন। নীংশিংবগী উরু উরু লৈরিবা ওরবীৎ অসিগী মহুংদা পুনসি অসিনা কঙাওনববা গ্রহ অমগুম্না মোয়্রেং চুরবা ঈপাক্তা ভাউথদকলে—

"ঐনা নংবু মুংশি হায়বা অসি নহাক থাজবরা···!" লাপগ্রবা মফম অমদগী মুংশিংনা হুমহুনা পুবকপগুম তাবা ফংডি। ইস ! কয়াদি থোইথুমনগ্রবা পরেংনো ? তু চুংডি ইশা পুম্বা। লাইনীং পরৈ কায়রে !

ঐখোয়গী সুমাং মতোন্দা নৈশিন্নুনা লৈহৌবা মুমিং কয়ানিগী য়াচংবা মতমবু নীংশিংবীরিবরা ? মতং থয়দি পনম্রে। ঐমকহ্ন অমা মুইনা কাউথোকলুরে। মথং মথং লমজৈরকখিবা লমায়—শাফু কল্লবা ঈচেলনা নমহৎতুনা মাঙহনরবনি। মপুংফানা হেক মাঙহনলমদি রাবহ্ন মত্তে।

"থাজিহ্নঃ অমতদি পাম্নী—হুংশি নত্রগা মুংশিদে·····।"

নোংমস্থু তাবা ফংখি—য়াচংবা মতমদা। কয়ারক হন্না পুক্লিং চোয়হনখি। লাইনীং পরৈ থুগায়খিবনি—পবেং কয়া অহুনা। মখা কখিস্থু তারমদনা হেক্তমক মচংখি, মশক মশোন খণ্ডনিংলুবগী লাংতক্লবা অহু লৈখিদে। ময়মদি দিনেস নত্তনা অতৈনা ঐবু লক্লবীগদবা অসিবু কনানো? দিনেসনদি ইবোবীনি হায়খি। অহুবু কনানোনে ইবোবী? নত্তে, দিনেসকী থোনফম মানদবগুমদি তৌখিবরা? ফনা য়ায়বু কাউরকলে। ঐবু হুংশিজবা কনাগুম্বা অমা লৈখিবরা? ইমাংদা মশক উৎপা ঙমখিদবা পাখং অহুবু কনানো……? চহি মরোল মরোল হায়দোকপ্রবা মতম অসিদা চিংনবগী ইহুল অসিনা করিগী ফাওবকলীবা …?

য়াচংবগী ধুপ কংলিভৈঁদা লাইগৌবি কংপগী শন্নিক মথোল অহু লেপখিবরা? ঙসিদি কাউবু কাউবে। অহুক ফুইববা ৱাফমবু মন্নিক চুম্না নীংশিংগদবা অসিবু কৈদনো? থোয়না মরু ওইদে হায়হুনা থনদোকখিবা ৱাফমনি। ঙসিদি য়ায়মক চিংনবদস্থু নত্তনা অর্থ অমা লৈরকদৌরি। তশেংনমক দিনেসনা ইকায়বদগী হায়দে হায়হুনা চেনবা মওইবিত্র? মহাকস্থু ওইববুদি করিগী য়াদনী? শবিক মথোল অমগী থোস্বাংনা মমী শামথত্রিভৈঁগী মরক অহুদা ভৈঁহাক্তংদি চংথোকলুবস্থু য়াই, হেন্দোক্লা মতম ফংজি, থোয়না লাপ্পবস্থু নত্তে।

হুমিদাংৱাইবমগী ৱাহৈ মত্তেকশিং অসিনা দিনেসপু হুংশিবা হৌখিবগী য়ুমফমনি। হুমিং অহুমস্থু অহিং তুম্বা য়াখিদে। দিনেস মশানা নত্তে হায়ববদি কনা? মহাক্লা ইকায়হুনা হায়শিন্নবিববা? ৱাহং অসিবু থুমদোকপা ঙমত্রবস্থু দিনেসকী মুত্তি অমদি লেংশিনবগুম তৌখি, থুপ্লবা থম্মোয়গী কাচিন অমদা ……।

দিনেসনা ঐগী অহানবনি, অবোয়বস্থু। লম্বী লমথাংদা, কাংগী চালী শারিভৈঁদা শেল থাবা চংলকপদা পাখং কয়াবুদি থেংনবকখি। ঐবু হুংশি হায়বস্বা বযা য়াওখি। ঐগী থম্মোয় অসিমকপু খুৎথাং অমা লান্দুনা বন্দোপ থমনিংবগী মীহৌবা লৈখিদে।

য়ায়মক মমলদি যামগ্রবস্থু করিস্থু লৈতবনি হায়না থন্দোকতুনা কাউথোকপা ঙমখিবা পরেং অসিনা ঙসিদি চিংনবগী মথেল অমা ওইরকলী। খণ্ডদে কনা ওইরমগবা? চিংনবা মী অমবুদি লৈবি, থাজবদি ঙমত্রি? ঙসিদি পুক্লিংদা হংবগুম তৌবি ৱাহং অমা—“কনানো? কনানো? বাঁসি থোংবা পাখংলা? নত্রগনা কনানো …… ?”

হেন্দোক্লা লীত্রবস্থু য়ারবনি থৌদোক অহু। তৌইগুবস্থুং নাথৈ শেংনা তাংদাংবা খণ্ডনিংবগী লাংতক্লবা অমদি লৈরকলী। মহুগী থৌদোক অহুমক্লা ঐগী লীশাংশিংনা চংথরকপা পুনসিদা অমুবা তেংগালী তৈরক্লবগী মরম অমা ওইরকখি। ৱাফম অহুবু য়েকশিন্দুনা থমখিবা থম্মোয় অমনা কায়নথংদা ঐবু লমচং নায়দবী, মীং-য়াম্বী হুপীনি হায়হুনা প্রমান পীরকখি। অমুয়া পুনসিগী ৱায়েলপণ্ডদা মায়থীবীগী চৈথাক ফংনবগী মথেং অমত্তম ওইরকখিবরা……?

৫

অতিথী অমরী অহিং…!!

অসুম্না মঙ কায়রে

"কৈদৌবে মুপীমচা · ·· ?"

"অসুম খল্লু খল্লুরগা কপনিংলক্লে · ··· !"

"কায়দে, কায়দে, মঙলুবনু অহাংবা মঙ ····· ।"

অসুম্না মঙ কায়বে । পুনসিদা মঙ কযা মবোল মরোল মঙখি । অহিংদা মঙখিবা মঙনা মীকপ থোবকপদা লোয়খিবগুম্না মঙ কয়া মথং মথং কাযখি । নীঙোল ওইবিঙৈদগী মৌ ওইবকলবা পুনসিদা মঙ মঙবগী লোযবদি লৈত্রি । ঙসিসু মংলী । কনাসু লেপ্লদবে বৃন্দাদেবীগী মরুম অসিদা । বাঁসি থোংবা পাখং অহুগী শরিক মখোল অহু অমুক হন্না তাবদি ফংখিগনি হাযবা অসি থাজবগী বাংমদনি । ফংখিদসনু । শরিকী খোম্থাং মবক্তা তাবগুম তাদবগুম ঙাংনখিবা রাকম অহু অহাংবা মালংদা মাঙখিবা কুইববনি । মাংখিসনু । মবক অহুদা লোয়া অমসুং ফোংনা চেম্থখিবা লুংশি ঈচেল, গৌবিগী রাখলদা তাউথহুনা ঈশৈ শকলীবা অহল লমনশিংনা খঙবা ঙমখিদে । ঐথোয় অনিসু মবক অহুগী ভক্তনি । রাবীবুদি যাম্না চম্বা ঙাক্তনি । অহুমকপু কদি কৈদকো হিন্দুগী লাই অমসুং মথোয়গী মপোক সুমিংকী কুম্মৈ ফিহোং, উৎসব মেলা ! লৈশাবী পাখংনা হনুমান থাকুর অমদি গোবিন্দনচিংবা অতৈ অতৈ লাই ময়ামবু খুরুম্বা অহু উয়বদি নোকনিংবা পোকলম্বা যাই ব্রহ্মচারি হনুমানদি ! মাগী লাইশং ময়াদনা খিং হেনবগুম তৌবনি । রাবীশিং অহু তাবদা হনুমানজীনা থোয়দো শাউগংলোয়দবা অসিবু কৈদনো ?

"হয়েংদি হনুমান খুরুম্বা চংলুসি ।" ঐনা হৌদোকলু।

"হা ! কৈদৌবা ?" শরিক মখোল অহুদা তাদবগুম তৌহুনা হংলকখিবা দিনেসকী বাহংনি ।

"শরিক অহু কৈহাক্তংসু লেপখোবা ? ঙহোক্লা থবায় রাঙথেহে সৈত্য । নংবু স্কুলগী কাংশি খিবা চৌকিদার ওইদৌরিবরা কৈনো ? অহিংসু কৈসু শরিক্তা উয়মাক্লে নমিংতা ।"

"ঐবু চৌকিদার ওইবা ?" শাউরংনবগুম খংলেপ লেপলগা হংলকখি – "করিনো হায়গদবা অহু কোক হায়রমলগা চংখো, নখোয়গী পাবুংতোনদি মহুৎনা লেরা তৌনিবা অসি।"

ঐখোয়গী পাবুংতোনদি য়াম্না মীৎশিং-শাশিংবা মীনি, য়াম্নসু শাখিবনি। দিনেসনসু মাবুদি য়াম্না কিখিবনি। দিনেসপু য়ুমদা থম্বা অসি মহাক্কদি কয়া য়াখিদে। মতুগী মরম ঐ খঙজি—লৈশাবী লৈবা ইমুংদা লম অমদগী মীতোপ পাখং অমবু থমহুনা লৈহনবা হায়বা অসিমক্তবু অফবদি থক ওইখিদে। লৈশাবীনা মাঙহৌবা নত্রগা চেনংনা চংখিবা হায়বা অসি থোকলিবনি, থোকখিবসু য়ারি। ঐসু মতুগী খুদমনি পাবুংনা দিনেসপু অমদি ঐবু থাগৎতুনা পাবুংতোনবু নমহংখি। ওসিদি করি থোকলবা ? পাবুংতোনগী মমাংদা পাবুংগী মায় অহু উৎপা ওমলমখিদ্রা ?

অমবু ওইরবসু, শরিক মখোংগী বারী অহুদি পাবুংতোন তাবা ফংখিদে। তাখিদবা অহুমকসু কৈ। মচিন-ঙৈ অহুদা মহাক্না তারম্বা থোকংবদি দিনেসসু খুবাক অমা অনিদি শোয়দনা মচারমগনি। লোয়ননা ইবানী থুংনরমগদবা অসিবু কৈদনো ····· ?

"কৈনোসে হায়রো।"

"হয়েংদি হনুমান খুরুমলুসি হায়ম্নি।"

"লাইশং অসিদা অমুক য়াম্না লৈরিবা লাইশিং অসি খুরুমদনা পোক্রবরা ?"

"ফরে, তোকও, ইথন্না চংলবসু য়াই।"

ঐনা শরিক মরিক অহু খংচিং চিংলগা শাউজিন্নে।

"হোয়নে, হোয়নে, চংসিনে—নংসিদি খংতা তৌবা য়াদে, শাউগদবসিনবু······।"

"ফরে, কোম্না খুরুমলসি, অহুগী মহুৎতা······।" ঙৈহাক খঙলরগা প্রোগ্রাম অহু ককথৎনবা হোৎনখি। মহুগী মরম লৈ—য়ুমদগীনা মঙ্গাবলী কাওবা অসি য়াম্না শাংবা লম্ব নত্তে, মীসু খংনবা ঙাক্তনি—খংহনউহনবা পামখিদে।

"অমুক কৈদোরব্রা ?" দিনেসনা হংলকখি।

"হয়েংদি ছুতিসু ছুতিনি ·····লম অমদা কোয়বা চৎলুসিদনা ?"

"কদায়দনো ?"

"থৌরাংদা।"

"কৈদৌবা ?"

"নখোয়গী য়ুম লেংলিংতি, ইমাগসু খংননিংতি।"

"ইমানা করি করি থনগবদি ?"

"চন্না চংকদরনি।"

"কৈ মংখুনি, ইমাগোয়গীদা হায়রমলরা ?"

"হায়রক্সু—পুম্না চৎমিন্নগুমসি, ন' হান্না থোকলগা মোইরাংখোম পার্কিংদা লৈরম্মু, ঐস্তু তাল্লক য়ে লগা লোন্না থোবকে ।" ঐনা হায় ।

"কবিগীনো নংনা থৌবালদা চৎনিংলিবদি—চুম্না নত্রগা মরো লৈনা ···· ?"

"মহাবর্লাগী লম্বীদি তেল্লী, শাগদবা ৱারীনা লেমহুনা লৈহৌরোয়ম্রো ?

"থৌবাল্গী শা'লবা লম্বী অসি য়ৌদ্রিউদা ৱারী শানি'ঙায় লৈত্রবদি কদায়দগী মতৎনা মেনখৎকনি ?" দিনেসনা নোকলকখি ।

নোবম্নিংখি ইচম হেক চম্না । শলিক মখোলনা তেংবাংবীহুনা মাংহনখিবা মনোক অহুগী মখোল্বু পাবুংতোনগী ফন্নাংদা থেৎলীবা মনা অহুনা তাখিববা ·· ?

ইখ, খংহৌদনা মঙ ক যবে । কবম্বা মতমদা ইনেসিনা ইনাক্তা চংলকতুনা পেম্নখিবনো হায়বা উহৌদ । কৈথেলদগী হল্লকপদা মঙাযবি । ফিজিনা পি অসি ছৎ তৈথোকখি ।

"কৈদো:ব, নুপীমচা ?" ইনেসিনা হংলকখি ।

'অস্নম খল্লু খল্লুবগা কপনিংলকলে ।"

'কান্নদে, বাম্নদে, মঙলুনম্নু অহাংবা মঙ ।"

"মঙ · ক'ব মঙ ?" ঙকলপ্না হংঙি ।

'লানন:বায, লাকলবে'য ·· "

"কনাবুনো ?' খঙনিংনা হঙ'ঙ ।

ইনেসিনা কানস্থ পাউখুম পীবমদে । ইমু' তমনা চংথ্রে । হোয়, মহাকস্থ কন্নিবুদি খুংঙায়কনী ? মাগী মযা অঙাঙবহুবু নহাক্না যান্না লুনা তৌজবনি । মঙোন্দা য়ান্না আশা তৌজবম্বনি । ইনেসিগী লৈবিবা লনথুম পুন্নমকস্থ ময়া অহুদা লোয়না পীথোকলগা য়ুম লেপহনগনি হাযনা খনজখিবনি । অহুবু অঙাঙবা অহুদি লনথুমগী কবিস্থ মীহৌবা পোকখিদবা মীনি । অতুম ওইনমক ইনেসিবুদি মহাক্সু যান্না লুনা তৌজবম্মী । খংহৌদনা হুমলকপা নোংলৈ অহুনা ইনেসিবুস্থ হুন্দোকলমলগা চৎপা ঙমখি । অহুবু মবম কবিগীনো······?

ইনেসি অমুক থোন্নকলে । লেপলৈ ইনাক্তা—"নুপী মচা, ঐদি ইকাউবু ক্যাউই, নঙোন্দা ৱা অমা হংগে তৌবনি ।"

"কন্নি ৱানো ?"

"লম্বীদা ইচে থৌন্নানী থেংনরম্মী নংবু পুনিংবগী ৱাস্থ পল্লকই, নংবু ······।"

মপুং ফাদনা লেপথোকখিবা ইনেসিগী ৱাফম অহুগী মন্নুংদা ফুমলিবহু খঙলম্মী । মাবু থেমজিন্নবা মওংদা হায়—"হোয়, ইমা লাকলম্মী—অহুবু ঐহাক অমুক হন্না চৎপদি চংলোয় । ইনেসিগা ইমাগা কন্নিবু থেন্নকম লৈ ? ইনেসিস্থ ঐন্না·· ···!

ইনেসি হবাউজরম্মী। নোককেৎ নোকাফেৎ তৌরবই—"হোয়দা ইমৌসিদি অসিস্নু নংগী নয়ুমনি। নিংথিনা চৈবগা লোয়রে, নংগী অঙাংবহুগী মঙ অমুক মঙলুকস্নু— নত্তে নহাক্না মাবু হলকখিনি গ্লিববা.....?"

নত্তে, ঙসি ঐনা মঙলীবা অসিবু কনাগী মঙনো ? মুংঙায় মুংঙায়ববা মঙ কয়া মঙহনখি। তাবদা মুংঙায়ববা, খোয়থুমলবা মাগী ফাগী ফবাংগী রাহৈশিং অহুন' মী খুদিংমক্তা মুমহৎতুনা তহাংবা মঙ মঙহন্নবগী জাহু অমা মঙোন্দা লৈখিবগুম তৌবনি। অঙইবমক মহাক্না ঙাংলকপা রাহৈ মীনা তানিংবা পোকই, নোক্কবা ঙমদে ফাগী চৈবা অহুমকস্নু মাগী থোয়দোক হেন্দোকপা রাসিনি। মবম অহুনা অঙাং অহল থাক্কনা চিন্নব য়াখিবা মীনি। মীতোপ মীনৌ ওইরবস্নু মাগবু থেংনগ্রবদি থুনমক খংনা চান্নবা ওইখিবা অসি অকবা থবক নত্তে। মহাক্না খঙনগ্রবা মীশিংনা মহাক্না কায়নখিবা থোকলবস্না, মী-শিং অহুনা মাবু নীংশিংহুনা মঙ মঙহন্নবগী লাইরা অমা হৈখিবরা ?

আহ ! ঙসিস্নু অমুক্তং হায়রখো—অহুঙৈগী পরেং অহু। ঐবুদি পীক থন্না নংগী মঙ মঙখি। নহাক্তি খক মংখিদবরা ?

ফরক তারবা পুনসিগী মুমিদাং অসি মেনখৎপা তারী রারী মতং অমা। দিনেসকা ঐগা থোবালদা কোয়ক্কবা মুমিৎ অহুগী রাবা শানিংঙায় লৈখিদে, মঙ্গা মংলে। খৈফে রাদীনা মেনখৎখিবা মতাং অহু কবিস্নু মমল চৈতবনি মহুমকপু লীকলগী কান্নবদি লৈতে। মুমিদাং অসিগী শরক শিরবা মতম অসিদা 'মঙ লল্লোনবা' নহাক্তংদি ফুৎ ফাঙবকহন্নীংবগী লাংতক্কবা চমা লৈবি। মসি কবিগীনো হায়বহু খুন্না ঙমদ্রি, অহুমকপু নীংশিংলকলে খোয়থুমলবা রস অমনা ফুমহিবা রাফম—

"নংগী নংঙ নহাদা ঐবু উ লাবগ্রা ?" নোংমা শকফম অহুদা মুন্না য়েংলগা হংখিবা রাহংনি।

মহাক্নস্নু ঐবু য়েংনা য়েংনা মবৌ তৌরকখি—"নংবু অয়ুক মুংথিলগী উহুনতা লৈরবা অসিদা তোঙানবা অহিংগী মঙ অমা মঙনবা হোৎনরুবগী অর্থ কন্নি লৈ ?"

মশক ইশক উন্নহুনতা লৌখবা মতম—মীনোক মীৎয়েং মরক্তা লেনখিবা পুনসিগী অয়ুক, মুংথিল অমসুং মুমিদাং কয়া তোঙানবা মঙ অমা মংলুবগী অর্থবুদি লৈখিদে। ঙসিদি লাপথোকখ্রে—শকফম অহু মুতি অহু ! নোংমা নোংমগীস্নু লাপথোরকলী। অহুবু মঙতনা মরেপ থুমহৎলবা পুনসিগী মুমিদাং অসিদা মাবু ফুৎ হেক ফাওরকতুনা মঙফাওনরকখিনি হায়বদা কন্নি থাজরুফম লৈরিবা.....?

৬

অতিথী অমগী অহিং...!!

অসুম্না ডায়বা তাখি

"হোয়, ঐ লৈচৌরগে · ·· ?"

"থরাই থোংগাল রাংমা লানগয়কো · ··· !"

"ঐবু ভাকশোয়বা নংগী লম্বনদি লৈজরববা ····· ।

অসুম্না ভায়বা তাখি, মাবু । ভসিস্বু ভায়নিংবগী লাংতক্পবা অমনা লৈকম খঙজ্রি । অতৈ মুমিংশিংদস্বু মহাক হেক হন্নকত্রিমখৈ তুম্বা ভমখিদে । মহাক্কা চীং-মান্দা চৎপ্রবদি অহিং অথেংবা কাওবা থক ভায়খিদে ।

মুমিদাংগী থবক ইনথাং পুম্নমক লোয়বে । যুমগী মুপী অমনা অয়ুক মুমিদাংগী তৌহনা লৈববা থবক অহু শাংথহনা লীরুবগী থোযনা কাম্নদে । হৌজিক চৎথরিবা অয়ুক মুমিদাংগী বাবী অসিনদি মরু ওইবা মচং নত্তে । মতম অমগী পুনসিদি মীকুপ খুদিংগী বারীনি । হৌজিক্কা লোযশিনপ্রবা বারীগী লেমহৌবা দাকক্কমনি—চৈনা চৈথেং । মৈচাক মৈশা ! মুমিং খুদিংগী চপ মান্নবা মওংদা চৎথবিবা পুনসি অসিদা ঐ ইতোমতগী বারী লীথহনা মতম মাঙহনবা অহু পামদে । মবম অহনা তুবং হেক্তা শমজিনবনা চুম্মী । পুং-শিং কনা য়াম্না চৎপ্রে । ইনেসিগা মণ্ডগস্বু তুমপ্রে । ঐস্বু মীং উইশিন্দুনা তুমগে হোৎনরি । তুম্বা য়াগদবগী মরম অসিবু কৈদনো ? মুমিং কয়ানিগী অহিং কয়া তুম্বা য়াখিদবস্বু য়াওপ্রবনি । নীংশিংবা ভমলী, কাউথোকখিবা য়ারোয়দবা অহিং কয়া য়াওপ্রবনি ।

নুহোংবা মুমিংকী অহানবা অহিং, মথং মথং হায়দোকখিবা অহিং কয়াগী মরোম খুংলবা লমাম ··· হলকখিললহ্ মতম অহু ! চহি মরোল মরোলগী লৈরোয়া অশিনপ্রবা পুনসি অমিসা অথাং ওইখিবগী মজনহ্ মীচেৌরকদি য়াই । অমুবু হনজিনবগী য়াকমদি কৈদনো ?

"[illegible] [illegible] মুমিংমা থোংনুনা হৌরিবদি ; কদি য়াখবনো খরিবনো !"

"কৈদহ্ খনদে !"

দিনেসনা রাহৈ অসি হায়না হায়মা ইনাক্তা চংলকতুনা কমথরে। মতম অতুমক্তি রাখল কয়ামকম খল্লম্মী। মীৎলুদা পি মতুম অমা অনিসু শিন্থরম্মী। মহাক উহননিংখিদে, পি অহু। ভৌইগুম্বসুং সবোন্দা ছৎ তৈথোক্লবগী মতম ফংহৌদে। মহাক্লা উথোকখিরম্মী। মহুমক্তী খুদোংচাবা অহু লৌরকখি— "পুনসিগী অসুক মুংভায়রবা অহিং অসিদা করিগী পিনো··? নমুংলাংগী মৈশা লাংহৌবা পাখং কনা ··?"

ফাগীদি ফাগীনি হায়রবু খোয়দৌ য়াম্না শাওগৎলম্মী রাহং অহু। মতৌহুম স্লেংগে খন্দুনা লক্লকই—"কনাগুম্বা কদেং থাংজহনবা অমনা ইমফাল ভুবেলগী তোরবান্দা ভায়হৌরি হায়রবদি······?"

"কদেং থাংজহনবা? ঐসু চিংনৈ, নখোয় নুপী হায়বা অসিদি লোল্লা অমা ক্ষোংনা অমা শোয়বা ভাক্লবা মী অমদি হেক হেক থমনৈ; ঐনা মীবৈবাক্তা লাইবিক তম্বা চৎস্রিভৈগী মরক অহুদা মতম লেনবা ওইনা··· ··?" দিনেসনা লোৎশিল্লকখি।

"নখোয় মুপাসু অহু মভায়। নংনা মীরৈবাক্তা কনাগুম্বী অমগসু মতম লেনহুনা লীলা শাল্লরমলোয় হায়বদা চিংনবা য়ারোইদবগী মরম পাম্মী?" ইচং থৌনা হংভি।

"ঐবো? তৌহু, তৌহু সুন্দরী, নংনি ঐগী অহৌবা, নংনি ঐগী অরোয়বসু, লাইরিক তম্বা লোয়বা ভায়ওমদনা খোরকলগা নংবু লুহোংলীবা অসি কাওবা থাজহ্রিবা?" মপুক্লিং তিংনা শেংদোকচখি।

"ঐগীসু নংনি অহানবা, অরোয়বসু নংনি ঐগী পুনসি, অতুবু কনানা খণ্ডবা···?" চুম্নতা কাগী তৌহুনা মাবু লক্লজখিবনি।

"কৈনো' কনানা খণ্ডবা হায়রবদি?"

"নংনা ঐবু হেক······!"

মহাক্লা খুদোংচাবা লৌহুনা কোৎচি অমা ছৎ কোৎশিল্লকখি—"করিগুম্বা ঐনা অমুক লাইরিক তম্বা চৎস্রিভৈদা ·····নংনতুম ঐবু······?"

"নংবু অমুক চৎখিগদ্রা······?"

"চৎত্রবদি লৌ উহুনা লৈরোয়া?"

"হৈবু হৈজবরনে?"

"নৌনা তম্বা তায়!"

মরক্তা মতম থরা কায়নবা ভাখি। মহাক্লা লাইরিক তম্বা লোয়রিভৈ মরক্তা ছুভি খোয়রকপদা লুহোংখিবনি ইবানী। লুহোংবা মতুং থা অনি লৈরমলগা অমুক চংখি। মতম অহুদা ঐহাক মীয়োল্লবী নুপী অমা ওইরবনি। চংলমদারুলা মহাক্লা পাউমেনজরবা [illegible]মশিং —— এভিম মাউথোকপা অমগী থৌনা লৈখি—

"করে, ঐ অমুক চৎলুখিগে, নহাক মীংথিনা লৈরম্মু, ইমা অমসুং পাজিগী বা য়াওনা মপাল ইপাল খোকয়, মখোয়বু থম্মোয় নাহনগম্মু ।" দিনেসনা পাউমেনজনখী ।

"হোয়, ঐ লৈহৌরগে ।"

খোংগাল কাওবা মহাকপু থীনদোকলুই । মহাক্না চৎলগে চৎলগে হায়রবসু পাক হেক চৎখিরদি ওমখিদে । ঐসু অচু মতায়—"চৎলো লৈহৌরগেম্বুদি হায়রবসু থম্মোয় অসিনদি করি থনখিবা ? নৌরিটৈ হায়বা অসিদি মীকুপ অমতং কায়নবগী মতম অচু কুমশিং কয়াগী শাংলবা মতমনি হায়বদা হায়মনবা খোকখিদ্রা ? লুহোংবা নৌরিবী সীতানা রামগী মচুং ইন্দুনা করিগী থন চৎজিবা ···· ?

"নিংথিনা লৈরম্মুকো, মপান ইপান পংথোক খোকচুকো······ করে-লৈহৌরো—অং ! অং ! খরাই খোংগাল বাংমা লানগম্মুকো···।" নৌহৌনা অমুকসু হায়রকখি ।

"নহাক লৈত্রগা ঐনা চৎকদবা অসিবু কৈদনো ? নত্তে, খরাই খোংগাল বাংমা লানগম্মু হায়রিববু ·····?"

"ওমলবদি লান্দবা কৈ "

ঐ য়াম্না নোকনিংখি, নোকনসু খুমখি, কাগী ওইনা—"ঐবু ভাকশেয়রবা নংগী লম্মনদি লৈজরবরা ? ঐবুদি লাইরি নংবুত্থম লমগী শজিনা চেনখিদ্রনা তোকনীকো··· ··!"

"অমবু ওইরবসু মুংশা থীদুনা থাদোরকসু নংগী লম্মন ।" মহাক্না নোংশিন্নকখি ।

রমায়ন নত্তে ঐগী য়ারী । চাংদম্নবগী লৈই চিংগে হায়বগী হোংনরবসু লৈখিদে । অচুক চুম্নতগী কাগী ফরাং ওইনতা ভাংনখিবা য়াফম অদুনা কদায় কাওবা চুমলকখিবগে হায়রবসু থত্তদে । হোয়, থরবুদি চাংদম্নবা য়াবরী থৌদোকসু লৈখিবম্না ·· ··? লৈখিমসু ।

ঐনা অমুকসু কাগী ভাহনদুনা হায়খি—"রমায়ন পারম্নবা মতম অসিগী সীতানা লম্মনবু থাদোকলগা লৈই লানদুনা চৎখিগনি হায়দুনা মীপাইরক্কম করি লৈ··· ··?"

"কনানা খঙবা—মুগী হায়রবসিদি মুগীনি, নোংমদা অচুমজক পংথৈসু হায়নৈ—অচুঙৈগী অতিথী সেবা ফবী হেলেননা নিংথোমচা পেরিসকী মতুং ইন্নগা সমুদ্র লানখিবগী য়ারী তারেদনা ?" দিনেসনা ঐবু লরুবা হৌরকখি ।

য়াম্না মুংঙায়রম্মী মীকুপ অচু । মুমিং অচুগী চম্মলবা য়াহৌশিং অদুগী পোরমদা পুনসি অসিনা কদায় য়ৌনা চংশিনবা য়ৌরকখিবা······? চিলবু শাই ভোংনখিবম্না কৈনো ? চপ চপ হেক চায়খি—য়াহৈ অওক অপ্তোংগী লানকম ।

ঐনা মমক ত্তায়নগ্রি—"হোয়, মুপাহ নোংমম্না মত্তারক পংথহৈসে হায়বদি লৈতবনিকো ! লানথরবা থাইয়ু পেম্মাকু থৌরী য়ান্দুনা শিকুমখিবা, অচু কনানো····· ?"

"কৰি··· · ? ঐবু নংগী বোৱাচাউবা ওইনা খন্নুৱিবোইৰেকো······।" দিনেশনা মথৱাই তানা নোকচৰম্মী।

ঐনা লোয়শিন্নবা হোংনখি—"করে, চংলো ৱাবেম খৌবেমদা মতম য়াম্না হৌগ্রে।"

খোম্বাং হিকলম্মী ঐগী ৱাহে। নীংশা সোৱ ফুইনা হোল্লম্মী হেন্দোক্লন্নু নীংকোক নীংকোক তৌৰম্মী—ইথম্মোয় অসি! মহাক চংকদবগী শেম শাবকলে —"হোয়, চংলগে, অমুকস্থ হায়বিবসিনি খৱাই থোংগাল লানগন্নুকো ·····।"

ঐনা অমুকস্থ নৌনা হংভি—"নংগী লম্মনবু কনানো হায়মী······?

"লৈদা! লৈদা?"।

"অহুবু কনানো হায়বা?"

"মশক তাকথোকলবদি নংনা ······?"

"মশক খঙম্রবদি অকায়বা লৈ—ঐনা চৈরু লাকউবা তৌববদি করিববা?"

"হোয়নে অহুস্থ চুন্মী।"

"হায়বো কনানো—মশক্তি খঙনিংঙি, নোং-ফাদোকস্থ পাখোন শিবা য়ানবা ·····।"

"ঐখোয়গী ইবোবী।"

ঐনা ওকলম্না হংখি—"ইবোবী? কনাগী ইবোবী?"

মহাক চংখিবম্মী। মথা তানা পাউখুম পীৱমদবগুম তৌখিবৱা ····? কনা য়াম্নবু কাউংকলে পুক্কিং অসিন করিগীদি মাঁপাইবোইদগে? অযুক্কী নালিকাগুম্না লৈশাংতমজবা হৌবতা ঙায়ৱিবা পুনসি অসিদা করি থোকলগনি হায়ব ওখিদে। ঐবু তুং হন্না হন্না য়েংলগা ১৲খিবা মুতি অহু—অমুক হল্লকখিনি হাযবা অসি কনানা খঙবা? পুনসিবু কনানদি তস্বা তস্বা · ···? অহুগৈগী শক্তিনা চেনহুনা পুথোকখিবা ৱম্ববীৱগী মায়কৈবু খুনিং কাং-কাংহুনা য়েংজহৌবী জনকীগী থম্মোয় অহু খজিকুংদি মাঁপায়খিবৱা··· · ?

নীংশিংবতনি ওসি লৈহৌৱিবা। ওসিগী অহিংনা ঐবু পি শিম্বহল্লী। হেন্দোক্লা শিম্বহবা য়াবগী মরম কয়া—চায়হুনা লৈৱি পুনসিগী অকোয়বদা! মুমিৎ অহুমন্ত পি মৱিক অনিদং···! করিগী কাউৱগনী?

থোংগালদা লেপহুনা মাবু উৱিবমথৈ য়েংহুনা লৈহৌবা তাখি। লাপথোক্লখিবা মকম অমস্নং মতমনা হেন্না হুন্নস্থ তামহনগ্রে—লমদম অহু, থোংগাল অহু, শকফম অহু! অহুবু হাইখু শোনা চেজেং লোনশিন্নবা থম্মোয় অসিদা মুতি মচা অমতংদি অমুক, মুংথিল অমস্নং হুমিদাংগী পুজা কৎহুনা ইৱাংচরি হায়বা অসি মহাক খঙলিগন্না······?"

ঙায়হুনা লৈহৌবা তাখি মুমিৎ কয়ানি। ইথং থংহৌদনা হুমলকপা নোংলৈ মুংশিং [illegible] পুনসিনা খৱাই থোংগাল লাম্বোকপগী পুকফম অহু কমদৌনা লাকখিবনো··· ?

৭

অতিথী অমগী অহিং…!!

অসুম্না লাকপা তাখি

"কিজেং থাদরগা কৈদৌনবা·····?"

"য়াবোননা সীতা হুরানবগী বারীদো কাউরবরা·····?"

"এঃ ! নংনো য়াবোনগী য়োল কুমলীবরা·····!"

অসুম্না লাকপা তাখি । ঐহাক ইশানা য়াহ্না লাকখিবনি । মহুগী চাউরবা পন্দুপ অমা লৈহৌরি । লৈখিসনু । থৌদোক মতং, বাগী মতং অমম্পুং পুনসি মতং—মতংশিং অসিবু অমুক শমজিনবদি য়াগনি হায়বগী থাংবা অহু লৈত্রবনি । অশাউবনা মাংওইনখিবা মুমিং, থওহৌদনা ভংখিবা পুনসি অসিমক্কী লংদায়, ঙসিসু মতং মতং কয়াগী মরক্তা নীংশিংবগুম তৌরি, মুমিং অহু । তুং-কোয়বা বাখল অমতসু থলহৌদে । মহুমক্কা অচৌবা মরম অমনি—ঙসি ফংলীবা পোলোয় ।

ঙসিগী অহিংনা ঙায়রী । পি শিঙ্গরকলী ! কদায়—হন্নকপগী মপাউ ? নত্তে, ফনাগী মপাউনো ঙায়রীবা ? ঙায়বতগী মথং মথং হৌরবা পন্দুপ কয়া অসিদা পুনসিগী অয়োয়বা মুমিংতি কৈদৌঙে ···?

অমগা অমগা থরবুদি চয়েৎনরে । মাসিনি নীংশিং বারা লীবনি অপোয়বা হায়বনু । শোয়খিসনু । পুনসি অসিমকসু থোঙথাং শোয়রে—মতং মতংদে ঐগী পুনসি, মচোয় মচোয়রে ঐগী বাখল ! অহুমকপু শমজিন্নবদি হোৎনরিবনি ।

বাইথো চিংগোল লাম্মোয়কলবা মতুংদা মহাক্না মবাম হংং লৈসিন্নকুনা হংলকখি—"নহাক্না ইবু ওনথংলকতুনা কৈগুমগঙদি য়োহনবীরোয়কো·····?"

কৈগুমগঙ । বাকম অসিনা ভিং শোকখি । মীমুপ অহুনা থঙনিং হেক নীংশিজকখি—ঐনা হুমনগী অহিং লোয়না থোরকলপা থিমেনকী মতুং হন্দুনা চংখিবা মুমিং অহুগী বা । [illegible]

"সুন্দরী, হয়েং নং নশানা য়াদে হায়রগা কোক হেক থুমদোয়রকলবদি, ঐবু কৈগুমশং য়োৎহনবদি শোয়ত্রবনিদো·····অদুনা হায়রু, নঙাক নশানদি য়াদ্রেব্রো ?' মীপাম্বা অমসুং পাখৎপা কযাগা লোয়নদুনা হংখিবা দিনেসকী বাহংনি।

"ঐদি মুপী ওইরবসু য়া হোৎদবা মীনি, মী কয়ানা থমকী ভৌদনা কিল্লবসু হায়রগনি, ঐনা দিনেসপু মুংশি, থম্মোয়না য়ারবনি।"

"পাউখুম হোংলরোয়কো ··?"

"লেপলবনি।"

"নংনবু লেপলবদি ঐসু কনা অমতা কিদে।"

ঐনা দিনেসপু মুংশি। ইমানা দিনেসপু থোয়না চৈ থাংখিদে অতুমকপু খায়দোকনবা হোৎনখি, ইনাক্তা কপলখি। দিনেসপু মুংশিখিবা থম্মোয় অসিবু হোংহনবা ঙমখিদে। ঐ ইশানা য়ারবনি, ঐনা দিনেসপু মুংশি হায়দুনা মী কয়াবু মায়য়োক্লদুনা লেপ্পগী থৌনা লৈখি। মতম অমদা দিনেসকী শকফম অমগী মমীনা মচু শংখিবা থম্মোয় অসিমক্তা মহাকপু ঙসিসু মুংশিদুনা লৈরিবরা···? ঐ খঙদে মসিগী পাউখুম।

ফনা কুইনা লুপথরম্মী···নীংশিবগী ইবৈদা। পুক্কিং য়াম্না মুংশিরম্মী। মনৌ অদুনা হংখিবা বাহং অদুগী পাউখুম পীবা ঙমখিদে য়াম্মক অর্থ লৈরম্মী বাহং অদু।

সরকশিবা অদুদা নোংশিন্দুনা অমুকসু হংলকখি "নহাক্না ঐবু ঙনখৎলকতুনা কৈগুমশঙদি য়োৎহনবীরোয়কো ?"

"য়রমবু করিগীনো ?'

"ঐদি মুপীবু য়াম্না কিজে—পৎ ভৎপমখৈ লৈনরম্বা মরী, চৎ নাখোকখি, কয়ারক খানকলখি, দোলায়বু তোংগ্রবদি শিম্বরম্বা মপি অদু হেক্তমক তৈথোকলখি, নোকমী নোকমী চৎপসু ঙমখি··· ।" শোম্বাংলবম্মী মাগী খোনজেল।

মাগী হৌখিবা পুনসিগী কিম্বরবা যুমফম অমগী লেমহৌবা মখাক অমবু য়াম্না নীংঙমদনা নীংশিংলকপগী মমী ওইনা উখি। মকোয় মরাংনা য়োমখিল্লবা মায়থোং অদুবু য়েংনা য়েংনা হংখি—"কনাগুম্বী মুপী ওইতেনা নহাকপু ভাং তৌবীরমদুনা অরাকম তাহনখিবা য়াওরম্বা ? কনানো মীমুংশি খঙদবী মুপী অদু ?"

'"করিগুম্বা ঐনা মুপী অদু·········কৈ-কাম্বা হৌখিবা অতমগী বাবু।" মহাক বা থৈগ্রে হায়বদু হেক্তমক খঙবা ঙমখি।

·তিংজবগী মখল ঙীশাং অমা তিংথোরকখি, হনগৎনা মীংশিংলুই—মথং মথং পুনসিগী লমায়। শীকুপ সুজিংমক মীংশিংবগী মীংশিংবা বাম্নানি পুনসি ওসিমক। অহিং অমদুদা মাগা থংহৌদনা থেংনখিবা অদুনা অহানবা নত্তে। চহি [illegible]।

মান্না তোয়না ঐখোয়গী কোলুপ্তা লাকখিবনি, ঐখোয় কোলুপকী পাখলশিংগসু ভিরবগুম তৌখিবরা—? থরা লৈরনা অহূম উথিত্রবনি। কনানা চংখিবনো হায়বা থঙখিদে। অহুমকপু চিনরকখি—নোমো বৃন্দাদেবী মথোংদা পাউদুম তানহনা লেপলবা মুপা অহু মহাক অসিনা হায়না ? মপুং কানা থাজবদি উমখিদে।

"কনাগুম্বী অমনা নংবু অরাফম তাহনখিবনা ?" ঐনা অমুকসু নৌনা হংলুই।

"য়াওখিদে—পুনসিদা মুপী অমতগী মুংশিবগী ছাইজিন ছায়াদা লেপচকখি হায়বদি···। অহুমকপু তারে, উরে, খেংবয়ে—মতেং পাংবীরবা মীবু ওনথংতুনা চাবা। মরম অহুনা মুপীবু কিঁজে।"

"মহাক কৈগুমশঙদা চংলুরবরা "?

"কয়ারক চংলুরে।"

"মরম করিগীনো ?"

"মরম···? কনাগুম্বী মুপী অমনা চংহনবনি হায়রবদি···?" মরৌ লৈরবা লেপথোকখি।

"অত্তদি হায়য়ু, মুপী অত্ত কনানো ?"

"কৈ-কায়বা হৌখিবা মতমগী রাবু···। নত্তে, নংনাদি ঐবু মরীল শিরোয়কো ?"।

"চিংনবীরুগম্ন, ঐদি অহুগুম্বী মুপী নত্তে।"

"মরে, অহুদি ।" রাহৈ মতেক অসিদং হায়রগা মহাক নোকমী নোকমী তৌনা মখা খরসু চংথরকখি—"নংগী ইন্নকি অহু মচেং মচেং শেগায়বগা লম্বীদা খরা থাদয়বদি কৈ।"

ঐ করিসু ভাব তারমদে। করম্বা আইদিয়াল হায়রিবনো হায়হুনা ঙৈহাক্রুংদি থম্মী। অর্থ লাম্বা ফংখিদে, ঙকলপ্পা হংখি—"ফিজেৎ থাদরগা কৈদৌনবা···?"

"রাবোননা সীতা হুরানগী মাত্রীদো কাউরবরা ? ফিজেৎ অহু খুন্দুনা কপহৌসনু নংগী রামদো···?" ইকোম হেক কোম্না ফাগী তৌরকখি।

"এঃ নংমা রাবোনগী রোল কুমলীবরা ?" অসুম্না করেমখি মাপী রাহং অহু।

মুমিং অহুগী লৈয়ক অহুনা মান্না থৌদোক অমসু নীংশিংলকখি। ইপারগী খরাই খোংগাল য়াংমা লাক্লোকতুনা লাকখিবা অহিং অহুগী রাকমবু পুমকাউ হেক কাউথোরকখিবা ওবনাবো। দিনেসনা খোংগাল বাঙদা লেপ্পা লেকা হায়রখিবা রাহৈ অহু নীংশিংলকখি— "সুন্দরী, নংগী কমুদা চে মচেং অমতংদি ইরগা থমলম্মু।"

"কৈদৌনবা ?"

"ঐনা মংহু পুথি হায়বহু থগহনবা কৈ, মত্রবদি ইপা পাখংদরোয়জো ?"

"হৌজিকসু [illegible] ?"

"ঐহাক হোয়োক্তা ঙায়য়মগে, থুনা থোরকই, নংগা ঐগা মন্নী লৈনৈ হায়না অনি খঙনবনিন। হয়েং কনা কুইনা পাউ ঙায়নগনি, পাখংমকস্থ য়াই মতম কংতবনিনা।"

"তাচৌথোয় অমুক তানয়কলবদি নংস্থ ঐস্থ হিংগদবা অসি কৈননো ? চংতুম চংহৌয়সি। হয়েংগীদমক য়াবীরস্থ, পাউ পুথোক পুশিন তৌবীনবা মী য়াংতে।"

"কয়ে, অহুদি ঙসিমক চংসি লাকও।"

থোংগাল হেক কানথোকপদা মীৎ চোংখি—অহুম মরিরক। খম্মোয় থুক লাওখি, চিংনবা অমস্থং নীংহনবা পোকখি। মীৎ পাম্বোম চোংবগী ফত্তবা খুদম কয়া থেংনখিবা লৈ। মরম অহুনা থোঙ নাম্মা কাম্বোকলুবগা অমুক হনজিল্লসিরা হায়হুনা খনখি। ঙমখিদে। চংথরকদৌরিবা পুনসিগী ফত্তবা খুদম অমা মাংজৌননা তাকলীবনি হায়বা অহু খঙবা ঙমখিদে। য়ায়া নিংজিং মাংজিংনখি। ঐনা অমুক হুমিং অহুদা ওলে পারৈ তৌহুনা লৈথহৌবগী খুদোং চাবা অমতবু কংলমলবদি মতুংদা অমুক দিনেসকী মতুং ইনবগী তানজাস্থ কংলমদবা ময়াবনি। অস্থয়া স্থপা ময়ুমগী খরাই থোংগাল লাম্বোকলমদায়দস্থ ঙৈহাক্তংদি খনখিবনি—চংলসিরা ? হনজিনসিরা ? হায়নবা লৈ, সগোল হনজিনবা কৈনা চায়। হায়না হায়না পাম্বাম চোংখি। খরাই থোংগাল লাম্বোকলবা পুনসিনা অফবদি ওইবোয় হায়বা অসি চিংনখিদবা মস্তে। অহুমকপু কাম্বোয়কপা তাখি ! মহুগী মরম লৈ। গৈখিসস্থ।

নস্তে, য়াবোন অসিবু কনানো ? আহ। য়াবোন শাবা। ঙসিস্থ অমুক্তং লক্করখো, "নংগী ইন্নফি অহু মচেৎ মচেৎ শেগায়রগ লক্ষীদা খবা থাদবস্বদি কৈ।" খরাই থোংগাল ঙাসিমতংগা লাম্বোবতুনা পুবাবখো এনু· মহাউ য়াওদ্রবা পুনসিগী কঙাওনববা থরায় মারোলনা নংগী মায়কৈ য়েংনা য়েংনা খরাই থোংগালদা ঙায়রি নস্তে, মহাকপু লাকখিগদ্রা· ?

অমবু ওইববস্থ, মহাক বাবোন নস্তে, ঐস্থ সীতা নস্তে। মহাক্না ঐবু হবান্দুনা পুরকখিবস্থ নস্তে। লক্ষীদা জটায়ুর থেংনখিদে, লান শোক্কখিদে মরম অহুনা ঐমকী পুনসিগী মতং মতং তংলব। থোৗদোক অমস্থং য়ারী অসিমক রমায়নগী বিস্তাইস ইদিসন নস্তে। মায়রুবা চায়রুবা হায়বা অসিমকপুদি মী, পুনসি অমস্থং সমাজ কয়াদা থোকতবদি নস্তে—ময়ক ময়ক্তা। ঐহাক্না চংলমদায়দা চিথি মচেং অমতস্থ ইরগা খমলমদে, লক্ষীদস্থ ইন্নফি মচেং থাদয়মদে। সীতাথোয়গী বুগ অহু নস্তে। ঐগী ইন্নফি মচেং অমতংবু লক্ষীদগী হেক কংখিবা থোকলমলবদি · মতম অসিগী মাওইশিংনা ঐবু কয়ি হায়না ঙাংনবীগনি···? থাদহৌদবা লাইবক কৈ।

চিংনরপ তৌনা হংবি—"ঐবু কদায় য়োনা পুবীগদৌরিবনো······ ?"

"মহাক্না নোক্রেম হাগ্রেমনহুনা ঐবু কিহল্ল গ মতাওম লক্করকখি—"য়াবোননা সীতাবু কদায়য়োনা পুখিবগে হায়বহু কাউরবরা ? নস্তে, নংগী হনুমানকাসি লৈজহৌবরা···?"

ঐহাক করিস্নু কিরমদে। অশোকা বনগুদা মকম অমতংবু কংকল্লবদি, মকম অহুনা পুনসি অসিমগী ওইনা শকলোংতুনা লৈজনিংবগী অপাম্বা অমা ঐগোন্দা লৈরম্মী।

"লম্নন অমদি লৈহৌই—ইবোবী কৌই !" ঐহাক নোকখি।

"মহাক্লা গুক্ৰমা হংলকখি—"ইবোবী ? কনাগী ইবোবী ?"

কাউওমদবা কাউথোকলুববা অহিং মমৈ অহুগী রাকম পুন্নমকপু নীংশিংলকলে। মাগী রাহংগী পাউখুম ওইনা খুমখি—"মতম অসিগী মীকি লাইকিদবা সীতা অমবু ভাকশেন্দুনা থম্নবা হিংচাবা হিংচাবী তেংগোলদি কয়াম লৈজরে ?"

"অদোম্না থোক তৌবা গুমলরোয়দবা হনুবী অমা লৈ, মহাক্কী মনাক্তা নহাকপু থমলবদি হনুমান কুন লাকলবস্নু মধুবন থুগায়বদি হায়রুন্নু, লংকা মৈ থাবস্নু ওইথোকলোয় ...।"

"হোয়নে হোয়নে লাইবক রেংসি।"

"নত্তে, অদোম্না ঐবুদি চিংনদেদনা ... ?"

"চিংনদে—অদোমবু ঐনা শক হায়যেং খওবগুম তৌই"

মহাক্লা খরা গুক্ৰপ তৌনা—"ইস ! গুম্মীদা ! নহাকপু গুসি উরিবা অসিনা অহানবনি।"

মুমিং অহুগী মমাংদা ঐনা মাবু কযারক হন্না উত্ত্ববনি। মহাক্লা ঐবু শক খওদে হায়বা অহু কয়া য়ানিংখিদে। মহাক নহা ওর্ররিভৈদা, নহা অমা ওইনা য়াম্না গাওজরম্বনি। চহি কয়া মমাংগা রাফমনি মহাক্লা ঐবু কাউরম্বস্নু য়াইদি হায়ববু শক্কী মখৈদি খওনৈ হায়বা য়াই। ঐথোয়গী কোসুগুস্নু তোয়না লাকলম্বা মীনি হায়বা অসি খরস্নু পনগ্রে, ঐগোন্দা চিংনবা অমা পোকহন খবস্নু লৈ হায়রিবনী। অহুমকপু থাজবদি গুমখিদে। রা-লান গাংনবদি খক তৌখিদে, অখোয়বা মীৎয়েং য়েংখিবা তৌখিদে। মুমিং অহুনা রা-লান গাংনবগী অহানবনি, মহুস্নু চহি কয়াগী তুংদনি। ঐনা হায়খি - "মীনম্বা গাংবীগমু, ঐনা অদোমবু খওভি।"

"কমদৌনা ? ঐনদি অদোমবু মওদদি লাইরদনা তাইবংদস্নু উখিজি হায়না খল্লি।"

"অদোম্না মও মওবদা মীৎ উইশিন্দুনা তুম্বদগী ঐবু উদবা ওইরি, নত্রগা তাইবংদা মও মওবা হৈখিদবদগী মওলাক্লিবস্নু ওইরম্বা য়াই।" লৈতোন কোল্লপা লক্লে

চিলনবুদি হায়দোকখি রাহৈ অসি। খওদে মসিবু কয়ানা মরৌ চেনখিবা...? মহাক্লা ঐগোন্দা মুন্না য়েংলকখি—"ইস। গুম্মীহে। নত্তে, নংবু কনানো ? ঐবু নীংশিংবা গুমত্রে। ঐবু কমদৌনা খওলিবনো ?"

ভৈহাক্তং চিংনরুই—শকমাম্নবা মীয়া ? নত্রগা মশক ওয়রবরা ? হোরেন অমুক ইচোপ চোপনহুনা তোকলগত্রা ? অহুমকপু খুমখি "করি......? নহাক মখৈ ঐবু খওদে হায়বা ? তৌমু, তৌমু, ঐনা অদোমবুদি য়াম্না মুন্না খওভি। মরম অহুমক্তনা করিস্নু চিংনদবনি, নতুং ইন্দুনা চৎলীবসিনি। অদোম্না লাইন বসকী ম্রাইউর ওইরিভৈদো কয়ারক তোংগ্রে।"

মহারাজা কয়েরমকখি — "তোরলম্বা খ্বাই, 'ঙসা লোমখিবস্থু য়াওয়কা খাই অহুবু য়াইকৈরশিংনা মখোয়গী খাওঁনা তোঙবা লোনেমজৈরশিংগী শককম, মঙসইনা খুনীশিংবু নীংশিংহুনা করনা করিগুম্ব তোংজবা লৈতে, কনাঙবা য়াইজরমদি নীংশিংহুনা খররম্বু ময়াওরিনি, মাঙ্গা লৌবী-হৌদবস্থু ময়াওরিনি ·· ঐদি অহুম্বা অস্তে······ঙসা লোংখিবা নীমুদি কাইথোকখিবা ওমদে, অসোমস্থু লোংঙি য়োংখিবরা······?"

"করি ঐস্থু ঙরা লোংলা ?" পুক্লিংদা ইমস্তা খনজম্নী । মসুং ঙমেজিনবা অর্থ অমা কুমহুনা থমলিবরা ? অহু ওইরগনা করি ·· ?

তৈক্লাক অহুবো করিগুম্ব ঙার তাবা ওমখিদে । ঙসিদি হায়কেং চিংমথগী মথেল অমা কাওগথমকলী । অহুঙৈগী মাথম অহু নীংশিংলকলী —

"ঐনা নংবু হুংশি হায়বা অসি নহাক থাজবরা····· ?"

বৃন্দাদেবী মখোংদা হায়রম্বা মুপা অহু কনানো খঙখিদে । অহুমকপু, দিন্নেলনি হায়না খন্দোকতুনা মুংশিবা ওমখিবনি । অহু ওইরমদি শকখংদবা মুপা অহুগী লমন অমা তোনন্তিবরা ? মশিগী মহুংদা কুমলিবা অর্থ অহুরা মাগী রাওং···?

"করি ঐবু ঙরা লোংখি হায়বা ?" ঐনা মথা থরম্বু তানা কাগী তৌখি— "ফরে অহুদি মহাক নীংশিংলিবরা - নোংমস্থু কাং মমুংদা ঐথোয়গী বালহৌশঙ ময়াদা····· ··।"

"কৈদৌবা, কৈদৌবা····· ?"

মতাং চাবিঙৈ অহুদা অমুক্তংদি লক্লহৌয়গে হায়বা অসি চপ মুংনা থমখি । নোকমী নোকমী তৌনা মথা তাথরই — "ঐনা খেচি হোন্দোক হোনজিন তৌরিংদা নহাক্লা খয়া পায়রগা খেচি নীখিবস্থু নীংশিংলীবরা···?"

"ঐবো ? ইস ! কিরেদা ! অসোমদি য়াম্না তৌবা ঙম্মীনা ! জগৎনাথনা সাখি ? শোয়দি শোরস্ত্রেকো···?"

"শোরস্ত্রে শোরস্ত্রে ?"

মহাক্লা হুতপ এক্ক ঙস্না অহুমনদি ওইরগা য়াম্না খোয়দোশাউরমবগী মঙ্গং অমনা কাগী তৌমুকখি — "হোয়, হোয়, নখোয়বুদি কাং মুমিং তারানি চাক থোংজে, চেং থৈথোক্লবা হোংথনে—নত্রা ? নখোয় অহুবায়দা কাং ফাওবদি কোয়রককলী, নখোয়না চালী শাহুনা শেল তালহৌবগী অমসুং পা ং কয়াগী ইরাং ফংং অহু য়েংনিংখিজে, অহুননি নোংমা ঐনা চংলকপগা শেলদি সুকথা হেক থাদনা থুকমখিবদো···!"

ঐহাক য়াম্না ইকায়রম্মী —"অহুদি ঐবু হান্নদগী খংঙদনা ? চুম্না কাগী তৌথনি, তাকপীগনি ।"

মহাক্লা শেংদোরকখি— "নশক উরগা নীংশিংলকপনি, ফরে, মঙম খুইরমনি 'চুংনা অদোংগা মকম অসিদা কমদৌনা লৈরমলীবনো ? ঙসিগী অহিং অসিদা মরম ঙাকিগী শিখা লাকলিবনো······?"

৮

অতিথী অমগী অহিং…!!

অসুম্না লোৎপা তাখি

"হায়য়ু, মহাক মীহাৎপীরা ·····!"

"শম্বলনা কোইশিনখ্রে পুনসিগী লম্বী······।"

"করে, অহ্নদি, ওসিলগী লোৎতুনা থম্বীরগে······।

অসুম্না লোৎপা তাখি। মক্কম অমম্তুং মতমগী ফিতম্না লোৎতুনা লৈবা অসিমক তন্তায়রক্দবা মরম অমম্তু ওইখিবনি। ইকোক কোকপা অমম্তুং ইনক নকপা মক্কমদা লোৎখিবা কেকুনী। হায়নবা লৈ—মুপী থৈবা নত্রগা পোৎ অমবু হেক লোৎপা তারবদি য়ুমথংনবা য়ুম অহু নত্রগা ইনক-নকপা মক্কম অহুনা খাইদগী অরোনবনি। ইকোং কোংনা ঐহাক লৈরি হায়বসি 'মহাক' খংলিগত্রা ? খংদলহ্ন!

পুনসিদা কয়ারক থেংনরে। ওসিহ্ন লোৎলী হায়বা য়াই। শিরম্দলগনি হায়না খনবা মীহ্ন য়াওরমলগনি। খনখিসম্ন। শিরবনি ঐহাক হিংনা হিংনা। ইমাতনি ঐবু হিংলী হায়বা খঙলিবা। ইমানা ইমুংগী মী অতৈদা তমলমগত্রা হায়বদি খঙদে। হোয়, করিগীম্নু তমলম্নদনি? শিরবগুম্বনি হায়হুনা চৈথিবা য়াকম অহু কাউত্রি। নোংমতহ্ন ঐবু থিরকথিদে, মহৌশাবুদি থিরম্মী হায়বা অসি তাখি। হৌজিক্তি মতম অহু হৌরবনি। হৌথিসম্ন! মশ্তে, কনানো ঐবু থিরকদবা? মরম্না করি লৈরিবা ···?

লৈরম্মী মী অমতংদি। ইথং হেক খংহৌদনা ফুং কাওরকতুনা হায়রগত্রা হায়না নীংতি মহৌশাগী পরেং অহু—"নং নতোমতা ওয়হৌবা তারে খম্নুনা ঐ অমুক হল্লকলবনি। এঃ নংদি কপম্নু কপলীবোরে ···।"

কনা কুইরে তাবা ফংখদবা। হিংবগী মহাউ য়াওরবা পুনসিগী কোংকুৎ অসিগী ঐবু অমুতংদি চিংথংপীরখো। মীবা মীশা তারয়োয়লবা মক্কম অমদা লোৎতুনা থম্বীরখো······! লেমহৌরিবা পুনসি মথাক অসিমক লোৎতুনা লৈনিংবা কুইরবনি। খুদাং অদি পাকতুনা

চিংলখো—"করে, অহুদি ওসিমক চৎলসি লাকও।" রাহৈ অসিগা লোয়নহুনা মহাক্না ঐবু কলায়য়োনা পুনিংখিবা .....? ঐ খঙখিদে, কুকোয়থনা, মতুং ইনুনা চৎপগী খোনা লৈখিদে। ওনিদি চৎনিংতি, মানা পুবা মফম অহুদা।...মহাক্না ঐবু মীবুগী ... হেক কাওরকলগা খুদাং অসি লাকতুনা চিংলম্বিরা ... ?

"সে, কুমথয়ো, নয়না চংহৌরো, নথক্তা চৎপা কিবরা ? অমুক নমুম য়োনবা থীবুরা ?

মোইরাংখোমলা গাডী থাম্মী। মহাক্না মখা থরম্ভু তারকখি—"করে, লৈহৌরো, মতুংদা অমুক উন্নবা হায়রবহুনী... ...।

"মতুংদা অমুক উন্নবা .....? কৈদৌবগী .....?

"কৈন্থু তৌদে।" সে, কুমথয়ো, ... তবা সোংলোনে, পীয়ু হায়বীররোয়, ঐ খঙতি মহাক শেলস্থু য়াওয়ে—অহুনদা কুমকত্রিবদি ? সেমে কুমথয়ো, তয়া সোংলোনেসে......।"

"তয়া সোংখিবা মীবুদি কাউথোকখিবা ওমদে হায়রবদা ..? ঐবু নীংশিংহুনা থম্মবগীদমক তয়া সোংলু হায়রিবরা ? সে, অহুদি ঐগী ইমিং থাবা খুদোপ অসি কৌহৌগেরা ? অহু ওইরবদি ঐবু সুককাউ-কাউররোয় নত্রা..... ?"

"নংবু নীংশিংহুনা থমলগা ঐত্তোন্দা করি কায়গনি ? ' তুবৎ হেক্তা শমজিল্লকাখ।

"তয়া ত্রোনখি হায়বা মতুংদি নহাক্না কা থোকলুরবস্থু... ।' ঐনা কোথরম্মী।

"কৈদোয়া......?" মহাক্না ... মন্না লংথৎলকখি।

"নীংশিংবা ওমগনি খুদোপ অহু উরবদি ... ?"

"করিগুম্না ঐনা হুবারম্না থাদোকল্লুরবদি ... ?"

"করিগুম্না মীশুং কন্না মথং মথং অমুক লাম্থোকলগা নোহৌনা অমুক দাও ফরকতুনা নত্তোন্না মোরকক্না মতম অহুদদি ঐবু নীংশিংলোয়দ্রো .... ?"

"করি ? ঐবু হুয়ম্না নিংথৌরো ! নংবু শকুন্তালানি হায়হুনা নীংশিংলুগদয়ো ? করে, কুমথয়ো, রায়েমদা, মতম মাঙহনবা চুমদে লৈত্য। অদোমদি রায়েম থৌরেম রায়া পাম্মীহন.....?"

"অদোমদি..... ?"

"ঐবো ? ইতোমতা লৈরবদি বা ভাংবদি হায়রুহু—লোর কাওবা থেনা হোবলে ?"

"করিগীনো.... ?"

"অমুক লৌরবরা রায়েম থৌরেম ...?"

"হৌরিবদি অদোমনি রাভাং খুদিংদা ভানিংবা পোকই, রাশি লৈ জাহু হৈবরা, লাইরা ...... ? ঐনা অমুক চৎখম্মী।

"লৈত্য। পোৎসেম. মুংলোমদি হৈত্তে। রাহৈগী জাতমদি হৈ লাইবা থৈরবগী ... অহুমলি হুগীবু ক্রিরিরা ?"

মরক [illegible] [illegible] মীনি, [illegible] [illegible] [illegible] মাখী [illegible] । মহুনা [illegible] কন্নি শেন্দোং হংলিবা ? মাবুদি য়াম্না নীংবা কায়রবা, অবা অনাগী চৈরোংবা [illegible], মী [illegible] হায়বরি [illegible] । অহুং শকতেক পুক্নু [illegible] [illegible] । অবা [illegible] অমদি হয়াও ওয়ামত্রবা মীওইশিংবু কাগীগী জাহুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাউথোকহনবা [illegible] মাগী [illegible] । মাগী [illegible] [illegible] অহুনা এবু [illegible] [illegible] শুমহৎখি । মতাং চানা প্রমান পাম্বে, খুদম পীবসিনহু, [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] চৈবা, [illegible] [illegible] [illegible] পাবা মী [illegible] [illegible] ।

মরম অহুননি ওবিঙ্ক্রা কাউথোকপা [illegible] অদি । [illegible] [illegible] [illegible] মীয়াম [illegible] [illegible] [illegible] তাক্কনবা [illegible] জাহুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওমনখিদে, মী কয়া । নোংকাপোক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] য়াওবি—মী কয়া । [illegible] মাগী [illegible] মী [illegible] মাগী [illegible] [illegible] মাগী চৈবা হায়বদু ওইনবা হোৎনবসু য়াওরি । মরক অহুনা এনা কবি ? এ [illegible] [illegible] [illegible] ।

কয়া কুইনা [illegible] [illegible] অতৈ কয়াম্নু তাৎখি । পাক হেক কুমথবা [illegible] । [illegible] হায়বগী [illegible] লৈরমদে । [illegible] কুমা লৈনরমী—"এবু লৈরোই [illegible] ? লোৎতুনা লৈবিসিন্না মতম থন্না ? লমন অমতংদি খুম্বসু কৈ, অহুনা চৎলসিন্না ……?"

অক-যক্তগী [illegible] অমদি থংনবা [illegible] অমা থক্কনবগী মতম লৈরমদে । [illegible] [illegible] লাংতক্কবা অমনা মুগীগী অমমবু করিম্ন থৌসাক্কনে । মাগী জাহুনা [illegible] [illegible] [illegible] থম্মোয় অদি প্রোক প্রোক চান্না মৈ হৌরম্মী । মৈহোৎবা অমম্ভুং লমন [illegible] লাংতক্কবা বাকম অদি লৈহৌখিন্নু । [illegible] লাংতক্কবীখে । এমু য়াম্না [illegible], [illegible] অহুনা । মরম অহুননি গাড়ীদগী পাক হেক কুমথখিদবা । মহুনগী হেক্কা [illegible] [illegible] [illegible] হায়বা অদি থাজয়রমদে । লমন খুম্বগী তোঙানবা অমসুং অরাইবা পাম্বৈ কয়ামক্কুম লৈ । [illegible] [illegible] শিন্নবা, য়েক্কনবু মরুপ ওইশিন্নবা, নকশিন্নবা, চান্নতুনা মীত্রং শান্নবা [illegible] লৈ । মরম অহুনা মহাকপু মতোমতা থাদোকপবদি মতুংদা খুদোংচাবা ভান্নবা, খুদোংথিবা নত্তনা অতৈ হংলরোয় হান্নবা অসি থক্কুই ।

চৈরক অহুনী সীন অহুমক্কা লোই-কুমথিবা অহিং অমগী থৌদোকসু নৌহৌবা নীংশিংলরখিবর্‌রা ? নীংশিংখিরমদবসু য়াই । অহুমকপু মতম চানা ওসি নীংশিংলীউে অসিনা মত্তেক থরুদং পনবদি চুম্মী । লোই-কুমথিবা মুমিং অমসুং লোই কারকথিবা মুমিং অনি অসিগী মাগী হায়কেং মান্নরণম তৌই । অহুমদি ওইবগা মচাইথেম্মা থাদোয়গী মোইরাং কংলেরোন [illegible] । [illegible] অনিমক্কা লৈহৌরমিবা হায়রা বাথল অমত্রাদি ওনখিরবা ? অহুগা করিগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈ । [illegible] [illegible] লোই-কুমবা য়াবি ,

নোংবাননগী মাহোক্লবগীদমক লোই কায়কপন্থ ভাখি, নত্তে, অহুবু কমাদো ঐগী নোংবান ? এঁ খত্তদে মসিগী পাউথুম ।

"সুন্দরী ! নহাক লৈহোয়রোনা । ঐনা নহাকপু পুহনা চংপা অসি য়ায়া অথীবা মীংচৎ থঁবা কংগদৌরি ।" নিংজিং মাংজিনহুনা হায়রকখি ।

"অরুক শাংনা লাকলগা অমুক লৈহো হায়বা ?" ঐনা চিংনরপ ভৌনা হংজি ।

"মুম কাওবা নহাকপু থীনথীরমগে ।"

"মীনা উহৌবা য়াওরবদি মহুনহুম হেন্না কনিবরা ? চংলমি হায়হুনা খোয়কলগা অমুক লৈহোয়ো হায়রিবহু কনিরিনো ? নহাক্না ঐবু হুংশি হায়বহু কনায় ? খোংগাদ লাহোকতুনা পুংবীরকলগা অমুক হনজিহুনদা মী উহৌত্রবদি কৈনো, মী অমত্তনবু উহৌরবদি হুশীগী মবল অসি কনায় ভৌখিনি হায়বহু নহাক খঙত্রবরা ? অহুগী মথক্তা অহিংনি · ····"!

"কমাহ্ উয়োয়, সে ঐ থীনথীরগে ? উথিবা খোকলবহ্ অমকপা শকত্রিবা বারী অমাঁনা শেংদোকনি ।" মপুঙ্গিং ভিংনা হায়রকখি ।

"মহুবু মীনা থাজথীগনি হায়না নীংবরা ? মহুদি হায়রকহু—হুংথিল পোবোপ্তা লম্বীদা চেলথিবদা ভাম্নরিবা মুপা মুপীবু খায়দোক্লরবহু মুপী অহুগী মমলদি মীকুপ অহুমত্তা খংহন-হন্বরিবনি ।"

"ইবানীদি মহুমকহু নত্তে হায়বা য়াবগী মরম লৈ—যুম অমত্তদা মবুং মচলদোনা লৈথিন্নে হায়বহু খঙমরিবনি । কুমচৈ-রেংলুবনি হায়হুনা খুমলবহু ময়াগনি "

"অহিং অসিদবু করি কুমহৈ ? চেনবগী ফিলম ভাত্রিবা ট্রেলর ?" ঐনা কয়েমখি ।

"নংসিদি মত্তা অমনি, নুরবা মভাং অসিদা অমুকহু করেম্নবা হেক ঙম্মীহে ।"

"নত্তে, ঐনা লৈহোগদবগী মরমবু কৈনো ?"

খোংগাল লাহোকলমদায়্না ঐহাক খনবুদি খনখি—লৈহোরসিয়া ? লম্বীদগী লৈহোবহু মতম কংখি । দিনেসনহু লৈহোনবগী য়াথংবুদি পীখিবনি । লৈহোনবগী থৌনা লৈথিদবনি । দিনেসনা ঐবু হুংশি ; ঐনহু মাবু হুংশিখি । হেক্তমক খঙবা ঙমখি, মাগী খম্মোয়গী বা । রেবোরেং তুমিন লৈবনা চহু ঙগী হায়নবা অহুমক নত্রবহু অথিবা মীংচৎ খয়বুদি অহিং অহুগী লাইরেম্বীনা মমীৎ থাংলাও লাওনা হেক পাংথোরকপদগী হৌয়গনি হায়বা অসিবুদি ঐহু কল্পনানী । ইয়ুমদা লৈরবা মহাক্না ঐবু পুথিবদা মহাক্না কংগদবা বদনাম অহু খজিক খয়াক্তি নত্তে, মী পুম্নমকহু ঙক্না খোকনি, ইমুং মসুংনা চোপকদবা বাকম কয়াহু য়েনখাদা লৈহৌরি হায়বা অহু ঐহু খনকমবুদি নত্তে । অহুমকপু হুংশিবা হায়বা অসিদি হিংকা য়াইভবগী হেন্না ভমথীবরা নীংজি । ইমা ইপানা মীমাংদা চংসি শিজহৌরবহু হুংশিবা হুপাগী খজমা নুমখথা য়েনবগী চংপা · ঙমনরিবনি । ঐভগী বাহু নত্তে । চংপহু ভাখি—মুরচান্দ কৌবা বাহ্মান

অমদ: ঐবু থাজগনি হায়বগী পাউ অমা তারগী। সুরচান্দ কনানো হায়বা খঙলমদে। মুরাম লৈকায়গীনি হায়বা অসি কোয়া খঙলকখি। মাগী অক-কত্ত খরমু খঙবা ঙমখি। সুরচান্দ হায়বা অসি বামোন ওইরবমু হৌজিক মতমগী চৎনবী — মু থকপা, শা চাবা, জুয়া শারবা অসিনচিংবা কয়া য়াওবদমু নত্তনা তুপী নহাদা য়ামমু মীহৌচাউবা, লমচৎ শাজং কয়া ফজনবা মীনি হায়বা অসি তাখিবা লৈ। ইমুং মচুংবুদি ফনা মুংতায় থাইকি হায়নে। মহাকপু মশক কাওবা খঙনিংখিদে। খঙলুবগী কায়বা লৈরমদে। মরম অদুন দিনেসকী মতুং ইন্দুনা চৎপা হায়বা অসি ঐগী অয়োয়বা বাখল ওইরগনী।

দিনেশনা নীংছনবগী মওংদা পাউথুম পীরকখি— "ঐগী গুরুগী মচানুপীবু পুদুনা চৎপা হায়বা অসি খম্নুরগা য়ামমক ফজনবা বাকমনি "

ঐনা কয়েমরম্মী— "হে পন্ডিত। গুরু অমগুং সেবকী সৈত্য যুগ অদু হৌরবনি। কায়দে, চৎতুম চৎহৌরসি। অমুক্তং নাম্বোকশ্রব খুদোংচাবা মচু নৌহৌনা অমুক লাকপ হায়বা অসি অরেম্বা বা ন।"

"মমদা নংবু পুশিনদুনা চংলুবদা ইমা অমদি পাজিনা কম্নিনো খনখিদবসিমু···! নত্তে নত্তে লৈহৌবো সুনদর।"

"ঙাওসিন্নরমু, চৎলসি। ঙসি অহিং অসিমক্তং কদায়দা লোৎজিগে?"

'ফবে, ইবেম্ম লেংলসি মখা লৈকায় অসিদা ঐগী মরুপ অমা লৈ মখোয়গীদ চৎলসি' দিনেসকা অয়োয়বা পাউথুমখি।

"নকমথক্রো?"

"হৌজিকপু কদায়দা চৎলুদোয়নো?"

"ফরেনে, কনাগী ময়ুমদনো?"

"ইবোবীগী ময়ুমদা"

ঐনা মীৎ-না লংখংনা হঙখি - "ইবোবী? কনাগী ইবোবী · ···?"

মতম অদু কাওবা ইবোবী কনানো হায়বা খঙজিখনি। মশক খঙনীংবগী লাংজক্রব অমদি লৈরি। মীয়োং মীচেন ওইদুনা মশক মমীং লোৎখিবা মীনি হায়বা অসিমমু তারবনী। ঙসি কাওবমু চম্মনবা বাকম অমা ওইহৌরিবনী। চিংনবা মীশক অমদি লৈ। তাংদাংখদি খঙবা ঙমহৌরে। মাগী ময়ুমদা খুংলুই অহিং অদু মথাক্তি উনা ফংলক্তে। মাগী মচেনা হরাউ তমায়া লৈহনখি। অদুগী থৌরাংদা দিনেশকী মতু ইন্দুনা লোইকুমলে। দুহোংতি মুপা ময়ুমদা। ইশামগী পয়াই থোজাংলনা ঐবু ইহোক-শীখি। দিনেশকী ইমুং মচুংমু অখিবা মীংশং ফংখিদবা নত্তে। মোয়ননা পাবুং অমমুং মখোয়গী অহল লমন, লাই গুরুগী মতমদগী লৈরুরকপা মরীমু পাংথখি। অমুমা লৈহৌরি থাইরী কনাগী থৌরোক বাখোক। লৈহৌখিদবা থৌরাংগী য়াথী।

মায়রুবা অমসুং চায়রুবা খোঁদোক কয়াগী লম্বী অসিদা মোঙচং অনিগী বারীনি ঐগী পুনসি ! খঙ্গাং চেংবা ঊশিং ঈংগী ইরোং অনিনী হায়বা নাই। অঙুবা চয়েৎনববা খোংচং অনিগী পুনসি লোই কারকপা অহিংগী চিংথহৌবা রাক্তম অমুক নীংশিংলকলে। কনা কুইন মোংব্রাংখোম পকাংদা গাড়ী থাম্লদুনা রা লাংনখিবা অদু নীংশিংবীরিবরা···?

"হায়রু নহাক মী হাৎপীরা ··?" ত্রাইভর অদুনা লাউরং তৌনা হায়রকখি -"ওপাদি ইকাল কাওবদং প্রবীয় হায়খিবদায় - চৌজিক্কা অমুক কৈদৌরবা? সে কুমথদ্রা।"

"শম্বলনা কোইশিনখ্রে পুনসিগী লম্বী · "

"ফরে, অদুদি ওসিদগী লোৎতুনা থম্বীগাগে—"পদ্মোয়গী কৈতুনপঙ্দ' ।"

ঐহাক চিংনরম্মী—মাবু য়েংন য়েংনা হংজি – 'কদি হায়বা? থম্মোয়গী কৈতুমপ

মহাক্কি মীকুপ খুদিং, বাঙা খুদিংমী ক্যাম্বী .চীবসি হৈনবানি হায়বসি খঙল ওমখি। পাইরক লৌশিংসু অঙকপনি। ঐগী লাতরুব অদু রাথৈদুনা খুমলকখি "অথ শেবাননা লৌবিগনু। নহাক মীহাৎপী মীচেনবু ওইববসু অমবু ওইববসু রাকম অদু ঐগী থম্মোয়গী কৈতুমপপদা চেংনা লোৎশিল্লুনা থমলবদি কনানা খংগনকম কৈ · ফনে, লৈহৌরো।'

ইপামগী য়ুমদোন উরম্মী। লংতুনা মায় পাংজনবগী থৌনাদি লৈবক্তে পুনসিগী ওইনা খোঙ থিংগ্রবনী অদুদি কদাযদনে। ঐগী লোক্তচং ?

অহিং অদুনী ঐগী পুনসিগী অমুবা তেঙ্গাপী··· শগোল অঙৌব ফোংবা থাখং অদুবুদি অরোয়বা ওইনা কায়নখিবা মতম অদু ফাওবা অখোয়বা লমচং অমত্তসু চংলমদে। ঐসিবু মাগী মচল মচেত্তমা খনখিবা পুকচেল অদুন শকখিব রাপক অদু অরোয়বা পুংকম অদু ফাওবা ঙাকখি। মবম অদুনা ওসি ফাওবসু কাউদ্রাগ্র থাক বাংলবা মুপা অদুগী লমচং !

ইকায়রপতৌনা বাহৌদোকলুই—"ওসিগী অহিং অসিমতংদি নংগী নফমদা অতিথী ওইহনবীয় - য়ুমদদি পুনসিগী চংলরোয় ··।"

"অহিংগী অতিথী ··?" মহাক্কা পাখংলপ তৌনা মথা চংথবকখি—"মুপীলা মুপাগী মফমদা অহিংগী অতিথী · · ?"

"হোয়, অহিং অসিমতংগী অতিথী···।"

মহাক্কা মরো লৈরবা হংলকখি "অদো, করিগুম্বা অহিং অমতংগী অতিথীনা পুজিগী ?"
ঐহাক্কা নোকখী 'নোকখী তৌনা খুমখি—"ওদো্য কৈনু···।"

অহাক্কা খুপাটিনখি হৌখি অহিং অদুগী লমায় ! অদুবু, হৌজারলী কৈরবা পুনসিগী অরোয়বা হুমিংনা হংলী –"অতিথী অমগী অহিং... কপাগী...?

অহিংবা পোখাবা পাম্বী

"Then sighs and tears flow fast and free,
Though none is nigh to share ;
And life has nought beside for me
So sweet as this despair."

--A lost love